" লুকাংবা য়াংবী তুসাংবা কৌএ "

লুকাংবা পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

মীংখৈরোন অসুবা -

(১) লাইরেন শাথুপ তুবী য়াংবা কৌএ

(২) মৈরৈন থারুংবা কিংখুবাসু কৌএ

(৩) নাওরোই তুবী হনবাসু কৌএ

(৪) তুশাং আরোইবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি: তুরেল অহনবী, শিংজমৈ কৈথেলদগী থিঙেলগী লমদাইবং ইরেনদগীনা লংথাবান, অঙোম ইরেন পুবা কংলা নুংজেং ফাওবনি । মতিক ময়াই লৈবা লাইনে খংও ! মীন ওক্করবদি লাইচুএ লাইগী মীংখৈদি লুকাংবা য়াংবী তুশাংবা কৌএ, মখাগী থৌরম থৌদারোন অসি পাংথোকপীয়ু ! !

থৌখাইরোনদি : থম্বাল অঙাংবগী মনা ৭, লাতোন ৩, চেং মুটথাং ১৭নি। লাংথ্রে মতোন ১৮, হৈগী হৈরমলোন ৭নি, লৈগী লৈরমলোন ৯নি, হৈচু

৭, লৈচু ৭নি। মালেম লৈশানা লাইগী শাওং শাগনিএ, সন্না কোনয়াই লপাকোনয়াই লোকমাই ৭কী কবোক, হুপতোন ৭, তৌতোন ৭ মৈরা, সেনজোই ৩ হাপকনিএ !

লাইহনলোনদি :- উং, রি, তাই, উং, উং, চি, চি, ঙা, ঙা, রি, রি, রি তাওরোই তুবী লাইরেল চিরেনবাও। নংলেন তাই মতাইবদি, মঙাংলেন শালাইরেনবনা তুবী নংবু মতাইএ। নহাল নোংদা তুবীরেন নংগী নফমলেন লাইখুন তেমখুল নমু পোংবা /পোংবী ফিনালেলে। হৈথারোন মাবু মপাংজে, লৈসু লৈথোন মতম তুবী ইহনফমদা, লাইরেন ইতেনফমদা হুনসে উং পং কি, তিং, তিং, শালাইরেনগী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" লাইরেন চীংরেম্বা কৌএ "

লাইরেন চীংরেম্বা কৌএ

১। অমুবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) লাইরেন চিং হুরেনসু কৌএ

(২) ঙাঙোই কুপলাইবসু কৌএ

(৩) ঙারেন পিনাইরেন কৌএ

(৪) য়ারেন খমখোইসু কৌএ

(৫) মৈতেন মোংখোইবাসু কৌএ

লমিংলোনদি: শিংজমৈ তুরেল থিঙেল মখা তুরেল অমনবী, লুরাং নিংথৌ ইরে তুসাং লাইদি ককরা পুখ্রি ফাওবগী পাৎথি কোমথি, কিয়াম্গৈ খোংনাং মখোংদগী লাইরেনখোং মনিং মরু মকোকনি। কিয়াম্গৈ লবুক অকোইবা লংথবান থাঙওপাৎ খোংনাংমখোং ইরেন লংথবান চন্দ্রনদি, লীলাখোং মরিন তুশাং চিংয়া কফুৎ চিংমৈনা তারকপা ফুরা পাৎথি কোমথি মখা পাৎ নমবুন্দ তারকপা তুসাং লিলোং য়ৌনা কোনবা অরুবা লাইনি ।

থৌখাইরোনদি : চংবী লারাক মথক্তা তাওরোইনাইগী শাথপ অহিংপা পোৎলম মশাগনিএ। হৈতা লৈথা ওইবদি হৈদী হৈচুরোন ৭, লৈগী লৈচু ৭নি। সন্না কোনয়াই, লুপা কোনয়াই হুনগনিএ। চেংবী মুটথাং ১৩নি।

হৈনাইবা ১, খোংলম ৭ গী ঈশিং হনথবা, লাংথ্রৈ লৈপোপ ১৪, লুব্র াংতৌতোন ৭, হুপতোন ৭নি। সেন ময়েক ১নি। ক্লাকলা ৩, ক্লাকলৈ মনা ৭নি, মৈবী মৈরা ৭ য়াওগনিএ, মখাগী লাইহন্না পাংগনি।

লাইহনলোনদি :- উং, য়া, রি, রি, রি, তুবী শাথুপ ইরেনবা কোলোই নংলেন, লাইরেন চীংলেম্বা তাওরোইনাই কোলোইবাও। নসোং নাইবা ইরিকপা, সন্না য়াতোং মতমঙৈ, পোংবা /পোংবী লাংথ্রৈ লাংদাবনা মঙম পোংদা মথৌ মখনজেএ, নহাল নোংগী য়াথংবু মইজনা মপাংজৈ, তুবী নংলেন তিনদাইবা তিনসোক তিনদাই তিনহনবীয়ু। লাইথুং তিনথুং তিনকোকপীয়ু। তিনহননা তিনদাইবীয়ু। উং, রি, তিং, হুক, কিক লাইনিংথৌ ফম্বাললোনগী য়াথংএ!!

" মীংখৈরোনদি "

" য়াংবীরেন কুবীরেম্বা কৌএ "



য়াংবীরেন তুবীরেনবা কৌএ

১। অমনা অমুবা অমনা অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) য়াংবী লাইরেল খমলেনবা কৌএ

(২) য়াংলোই ঙাংলেন চিংখোইরেনবা কৌএ

(৩) খিংলোই তুবী শারাবসু কৌএ

(৪) ইখু খুরেন তাইরেনবসু কৌএ

(৫) শাদম য়াংবা লাইরেন তাওবীরেনসু কৌএ

লমিৎলোনদি: পাংগোং মখোং মমাং পাংবা নোংমাইজিং চীংখোং ওকশু মরি। তুবী লৈহনবা খুমন নিংথৌজ অনিনা ওইবা লাইনে। কুরুম পাৎ লৈমচিং ব্রাখা খেবাচিং নিংথেম মচা খুন, ওকশুগী মরিন থেব তিং অন্দ্রো মোইরাং পুরেন ইথম, নোইরাং পুরেনগী মতক তুমুখোং সগোং চীংনুং কথুৎ ইরোং লোকতাই ওখুল তুশাং ওনশ্রমরিদা কংলা ফাওনবা শুরুংদসু লৈএ, মীংখৈদি য়াংবীরেন তুবীরেম্বা কৌএ, ওকনরবদি মীদু লাইচুএ, লাইওং খংদনা লাগনিএ, মখাগী থৌরমলোন পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি : থমনা লারাক ওনি । ক্কাকলা ৩, হৈনাইবা ওনি, নোংপোক লাংথ্রৈ মতোন ১৮, লৈহুনপোন লাংথ্রৈ লৈপোগ ১২, কবোক অফাবা মুট থাং ৭নি । ফীচু ওনি হুই অময়ম ওইগনিএ । হৈনিং, হৈরাই হৈত্রু ৭, সেজোই ৩ য়াওগনি, লাইজদি নুজেংগী ঈশিংনা ওইগনিএ । মৈবী মৈরা ৭, মাইওনদি নোংপোক ওল্লগা হৈথা লৈতারোন থাগনিএ, লাইগী লাইফম তিনফম অমসুং পাং পুখ্রি তুরেল কফুতা লাইগী চাকথারোন অসি থাগনিএ ।

লাইহুনলোনদি :- নহাননোং মগুরেননা মতাইঙৈগী খোনথোকলে । হি, য়ে, উং য়াং রি, রি, রি হৌএ, মঙাং শলাই খুমন শালাই শাদারে মপুগী য়াথং নহাল নোংদা তুবী লাইনা হোয়ালেলে, খিবিক মরম খৈরেন্না হৈথা লৈথা মতমজৈএ, নমু পোংবা /পোংবীনা তুবী নফমলেন্না ইরিক ইতাইনবিনা লাইচু তিনচু মওইরে, শিদারেন য়াথংনা হৈথা পুংদা মঙম পাংজৈএ, কুবী হৈবা তুবীনি, তিলিরেন তিনহুনবী লাইরিরেন লাইহনবীয়ু উং রি তিং হুক শালারিন শিদবী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" লিকলাইরেন সন্না কৌএ "

লিক লাইস্না পাখঙবা কৌএ

১ । হিগোক মচুনে

২ । অতৈ মচুনা লাংগনিএ ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) ইনামুরেল খিংবরেন কৌএ

(২) কৌহি য়াংঙন ইতন্বাসু কৌএ

(৩) সেলোই লেনসু কৌএ

(৪) হুইরেন পোংহনবসু কৌএ

(৫) লাইরেন লৈতোনলেম্বাসু কৌএ

লমিৎলোনদি: অৱাং কোংবদগী মকা থংবা অৱাপাৎ, মথা কোংবা অৱাপতি অকোইবা লৈবা লাইনি, মতিক ময়াই লৈবা লাইনি থংউ, মীংখৈদি লিক লাইরেন সননা কৌএ, মীনা ওকনরবদি লাইচুইএ। খোং খুৎ পোংখৎলি, কুচু মুসিল্লি, হুকচাং ঈ ঈশিং ওল্লি, মীৎ মাইসু পোমগনিএ, পুক থিনগনি লাইনা চাকতাবা মফমদি, পাৎথি কোমথিনা তু খোংদা চাকতাদুনা লৈএ, থৌরম থৌদা পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি : শারাং য়েক্কী লারাক ৭নি, লৈচুরোন ৯নি, হৈগী হৈরমলোন ৭ নি, লাংথ্রেদি লৈহ্নন লাংথ্রে লৈপোপ ১৮, চেংবী মুটথাং ১৮, অফাবা কবোক মুটথাং ১২ নি। নোংপোক লাংথ্রে মতোন ৭, হৈনাইবা ৩নি, লাইগী শাকোক সাথেকতি লাইথিনা সাগনিএ। সেনজোই ৩নি মৈবী মৈরা ৭নি। চরৈ ফী অঙৌবা হুই তশাং ১ য়াওগনি, লৈ মচু ৭ পী লিকলাং ১, লাইগী লাইকোন দু ওন্দুনা অৱাং ওননা থাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- চি, হি, রি, রি, উ, রি, য়ে, য়ে তাওরোই লিকসনা তুবীরেনও, নহাল নোংগী মপুগী য়াৱানা পোংদা মথৌ পুংলেন মখনজৈএ, মপুগী শিথাবু, তাওবী নফমদা ইচাইরেন খিকলেন নমু পোংবা /পোংবীনা মতাইনখিবনা তিনজু লাইচুরে, কোরৌ হেলেনবা ইনুং মতাইজৈএ, হিক খিংলে য়াংবা তাওবারেন ইহন ফমদা হনবীদুনা তিনবীরেন সেংবীয়ু লাইরিরেনসু কোকপিয়ু, হুং, তিং, য়াং, কু, কু, মপুরেনগী য়াথংএ !!!

" মীংখৈরোনদি "

" য়াংবা সনা চীরোংবা কৌএ "

য়াংবা সনাহন পাখঙবা কৌএ

১। সনা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) স্না খোংতোইবা তুবীহন কৌএ

(২) সজিক মীলুখোম্বাসু কৌএ

(৩) খোংয়া য়াংবা তাওবীরেনসু কৌএ

(৪) লাইরেন সনা কোইরেনসু কৌএ

(৫) পুং চিহাই তুবীরেনবসু কৌএ

লমিংলোনদি: কোংকৈথেল কোংবা তুসাং লাইরেন পাৎ উচেকোন উরুপ

ষুবারাজ লৌকোন লৌমানবা পাৎ, লাংগোন পাৎ পাৎথি কোমথি তু খোং খোংলম পাৎতসু লৈএ। অরুবা লাইনি, করিগুম্বা থেংনব থোকলবদি মীদু লাইচুইএ, লাইগী মীংখৈদি য়াংবা সন্না চীরোংবা কৌএ। হকচাং কুচু ওনগনি, খোং খুৎ পংথাএ, খুজিন খুয়া পুমথরক্কনিএ। মীৎতা নাপু মচুনা কুপকনিএ, লাই অসি থেংনদুনা লাইচুরাবদি মখাগী থৌরম অসি পাংথোকপীয়ু।

থৌখাইরোনদি : অঙোম শালাইগী লা ৭, শালাই অঙোম লৈ ৭, হৈসু ৭ য়াওগনিএ, সন্না কোনয়াই, লুপ কোনয়াই, হুনগনিএ। চেংবী মুট থাংদি ১৮নি। সেনজোইদি ১০ নি, লাংথ্রৈদি, লৈহুন লাংথ্রে ১৮ নি। অদুগা তাওরোই লাইগী লৈপুং ৩ গী লৈপাক্লা ওওইগনিএ। হৈকন লাকন হৈখন ৭ নি। তৌলাং তৌতোন ১৪, হুলাং হুপতোন ৭নি, পোৎলমশিং অসি লাইকোনগী মাইকৈ ওন্দুনা অমসুং মফম অদুদা হৈথা লৈথারোন অসি থাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- উং, তিং, তিং, তিং, রি, রি, রি, মপুরেন ইনুংলেন যাৱ ানে। হোয়ালেলে তুবীরেন নহাল নোংগী য়াৱারোননা, ই, রি, উং, তিং, নমু রোংবা মিসনা নামি ইহুল মতম খিবনা, তুবীলাইগী লাইথুংরোন মওইরে, ই, হা, মরোকননা তুরেনরেন চাকথা পুংদা মতমজে, হৈয়াং কোংলে য়াং পুবা লাইরেন নাদা শাদমবাস ইরিক খোংদা মতাইপুং য়াংবী খোংলেন মপুংলেন থিনপুং লাইথুং মকোকএ, উং, চিক, রি, হুং শালাইরেনগী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" তুবী হেনুরেন কৌএ "

তুবী হেনুরেন পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) শালাই তুবী খোংলোইবাসু কৌএ

(২) খাথুপা থিংলোই য়াংরেনবা কৌএ

(৩) পীনাই তুবীরেনসু কৌএ

(৪) কোরৌ ৱাংবা লাইহনবসু কৌএ

(৫) হেনু লাইরেন কংলোইবসু কৌএ

লমিৎলোনদি: সংগাইপাৎ মাজিন তুরেল অচৌবা অনিগী মরক লবুক পাৎ

অনিগী মরক্তা থমনাপোকপী খুখ্রিদা, লারিরেনকোন শুরুং লৈবনি, নুংজেংগা ফাওনবনি। মখা লবুক তগীনা পননু লমশাং, নিঙোল্মম, লৈমপোকপমগী মখা, খোংহামপাৎ কৌবা লাইকোন, খোংমন তুসাং তুরেল ৱাংব্রেন খুবম পুংদসু লৈএ। অরুবা লাইনি খংউ লাইসি ওক্সরবদি মীদু লাইচুগনিএ, লাইওং খংদবা ওইগনিএ।

থৌখাইরোনদি : থমনা খেনজোং ৭, চংবী লারাক ৩নি, হৈনাইবা ২ নি, লৈচুদি ৭ নি, হৈগী হৈচুরোন ৭ নি, চেংবী মুটথাং ১৮, সন্না কোনয়াই, লুপা কোনয়াই লাইজাদা হুনগনিএ, কবোক মুটথাং ৯ নি । থকখাগী খারোনলোন মতমগনিএ, হুপতোন ৭নি। তৌতোন ৭, লাংথ্রৈদি, নোংপোক লাংথ্রৈ ৭, লৈহুন লাংথ্রৈ ১৪ য়াওগনি, সেনজোই ৩নি, মৈবী মৈরা ৭ য়াওনা নোংপোক ওন্না লাইফমদা থাগনিএ !!!

লাইহনলোনদি :- হৈ, হয়া মপুরেনগী নহাল নোংগী য়াৱানে, হি, কুং, রি, রি, রি তুবী লাইনে য়াংবা মৈরেন খংখোই তুবীবাও, খোইরুম লাইপুরেনগী ময়াথংলে, হৈপুং লৈ পুং নগাইরেন ইতম পুংদা মতমজৈএ। হং, কিক, কিক, রি, উং, চি, রে, ইরুক লৈসেংসে, লাইরেন ইকোকসে তুবী ইতমখোংদা মতাইবীয়ু, শিদারেন মপুগী য়াথংদি, থাংনাই পুনাইবনা তাইরবনে হুং হুং !!

" মীংখৈরোনদি "

" ৱাংব্রেন চীরেনসন্না কৌএ "

ৱাংব্রেন চীরেনসনা পাখঙবা কৌএ



১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।

(১) ৱাংপু তাইরোই তুবীরেনসু কৌএ
(২) লাইজা ইরিকপা তুবীহনবাসু কৌএ
(৩) ইরিক ঙারোইবা মৈতেম হুইদেমবাসু কৌএ
(৪) তুবী লাইরেন চীরেনবাসু কৌএ
(৫) চিরেন য়াংথৌবা য়ারেন হুপারোইবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি: ৱাংঙু চাইরেন শুগুনু লমজাও চিংয়া লোইশঙ এলাংবম খালগোকপা ৱাবগাই কৈরক, এলাংবমচিং অকোইবা লাংমৈদোং খরুংপাৎ মখানে অৱাংনে লাইকোপাৎ কৌবাকচাউ শুগুনু কংলা, ফাংখোংদা লৈবা লাইদি ৱাংব্রেন চীরেনসন্না কৌএ। অরুবা লাইনি, মীনা থেংনরবদি মীদু লাইচুইএ, নাবা লাইওং খংদবা থোকএ, হকচাং পংথবা, সোর মরম সেকনা মীদু নাগনি। মতম শাংনা অনাবদু সেনগনিএ, মখাগী থৌরম থৌদা অসি পাংবীয়ু অফবা ওইএ।

থৌখাইরোনদি : চংবী লাতোন লারাক ৫নি। হৈচু হৈনাইবা ৩ নি, লাচেৎ লারাক খরা, পুমনাল য়াংকোক মচা ১, লৈখন লৈচু ৭ নি। হৈচু লৈখন ৭ নি, লাইমু লৈশানা লাইগী শাওং ওইগনিএ। চেংবী মুটথাং ৭ য়াওগনি। ঙাংঙৌ অহিংবা ৩, খুমন লাংথ্রৈ লৈপোপ ১৪ নি। তৌতোন ৭, হুপতোন ৭, সন্না কোনয়াই, লুপা কোনয়াই মৈবী মৈরা ৩ য়াওগনি। মথক্কী লাইফম অসিদা থাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- হি, রি, রি, রি, উং, রি, রি, রি, উং, চি, রি, রি, তুবী ইখম চিরোংবাএ, নুংলোন চিরিক য়াইপুবা, শাফুপ তুবী ইনুংবাও, নহাল নোংগী য়াৱানে, মুপরেন ময়াথংনে। নমু পোংথাবগা পোংথারেনবী খোইরু তুবী লাইরেনগা মাইরোক থাঙেগী ৱানে। য়াৱা অদু ইনজা লাইরেন নঙগী নফমদা হৈথারোন লৈথারোন মতমজনা মহাইজৈ নফমলেন্দা পরৈননা হনবীয়ু, নুংশাংরেননা মথোকবীয়ু, তুবী য়াংবা লাইতাইবা লাইরেন কোমশা লাইকোনুং নুংগী তুমৈদবগুম লাইরেন নাদা হৈবগুম তুবী লাইখুন মথিংবীয়ু। লাইরেন মীচানদে, হিং কিক হনউৈএ মপুরেন শিদবগী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" লাইরেন তুবীসনা ইখন্বা কৌএ "

লাইরেন তুবীসনা পাখঙবা কৌএ

১। অসংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) তুবী কুপলাবা শাকোক নাইরেনবাসু কৌএ

(২) লাইরেন পুংনাইবাসু কৌএ

(৩) য়াংবী পোংলেন ঙন্বাসু কৌএ

(৪) তুবী মৈতান ঙমতাইবাবুসু কৌএ

(৫) থাবু থেংলোই তাওরোইনাইসু কৌএ

লমিৎলোনদি: মুনা লাংবা খুমন শালাইগী তাওরোইনাই তুবী লাইরেননি। মীংখৈদি লারিরেন তুবী সননা ইখন্বা কৌএ। চীংমৈরোং তুশাং পাৎথি কোমথি, ইরোইসেন্বা মাকলং নম্বুল তুশাং লোক্তাক খোংবান হঙ্গৎ হন্দা শান্নদুনা লৈএ, অরুবা লাইনি। তুবী অসিমক শায়োন তৌবা লাইনে, লাই অসি থেংনরবদি মীদু লাইচুগনিএ, ঈশিং পুকচৎপা সোর ফুনবা থাজিন ৱাংখৎপা, মীৎ নাপু কাবা অসিনচিংবা লাইওং অসি ওইগনিএ। মখাগী পোৎলম অসি লাইগী লাইরম মফম অদুদা নত্রগা মাইকৈ ওন্দুনা থাগনিএ !

থৌখাইরোনদি : চেংবী চাগেম চেংকুপনা লাইগী শাওং শাগনিএ হৈরমলোনদি ৩নি, লৈরমনা ৭নি, লাংথ্রেনা হৈসুবনি, হৈনাইবনা ২নি, হৈখললোনা ৭নি, সেনজোই ৫নি, লারকন্না চংবীনি, কবোক অউাবা মুটথাং ১৮নি, চেংবী মুটথাং ৯নি। মৈবী মৈরা ৭নি। পোৎলম অসি নোংপোক ওন্না পোৎলমশিং অসি থাগনিএ। চংবী হৈরোংবা চং থোকপা ১, চরৈ ফী অমু হুইথাং ৩ ওইগনিএ, সন্না কোনয়াই লুপা কোনয়াই অনি অসি ঈশিং হান্না হুনগনি। অসুম্না থৌরমলোন অসি পাংগনিএ !!

লাইহনলোনদি :- চি, হুং, রি, না, রি, রি, চি, হুং, রি, না, রি, রি, লৈনুংচিরিক তুবীরেন, তুবী নসোং মকাংঙ্গিঙৈ, শালাইরেন্না মতাইঙৈ য়ার ানি। তুবী হোয়ং ইনুংখিএ। লাইরেন মঔম য়াংবদা তুবী খুনথোক মতমঙৈ নমু পোংবা পোংবীনা নমু মিতানখিবনা তুবী লাইরে লাইথুংলে পোংদা ইহন মতমলে, মুবী হৈথা তুবীনি, পোংদা মঔম পাংজরে থৌদা মাবু ইঞ্জরে, লাইথুং তিনথুং পুম্বাবু কোকপীয়ুকো তুবীরেন। য়াথংলেনবু ওবিদি শালাইরেন য়াথংএ !! কিক, হুং, উং, চিক, চিক ময়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" তুসাং ঙম্বা সন্না কৌএ "



তুসাং সনা ঙম্বা পাখঙবা কৌএ

১। সনা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) তুশাং স্না ভালোইরেম্বাসু কৌএ

(২) কাংলোই মৈরেন খাওইবাসু কৌএ

(৩) নোংলিক খোংলোই হনবাসু কৌএ

(৪) য়াফুং কোইরেন হনলোইবসু কৌএ

(৫) তুবী খারোং য়াংবারেনসু কৌএ

লমিৎলোনদি: তুরেল অহনবী, ময়াং চিংগোন কোনবা লাইনি, ময়াং ইম্ফাল মথক্কী অকোইবা তুখোং পাংথি কোমথি ব্রাংমা কোনবা লাইনি খংঙো, শারেন লাংওন পুইএ। পাং তুখোংদা লৈরগা তংজগী শারোন লৌএ, লাইখুনদা লৈবা লাইনে। চীংগী লোক তাইদা শুরুংদা লৈবদি শাগী ণওংদা থোকএ খংও, লাই অসি থেংলরবদি মী অদু চারোনদা নাএ, খৌরিদা পোম্বা, পুক, খোং, খুৎ মীৎ মাই পোমএ। ঈনা আশিং ওল্লে, মখাগী থৌরম থৌদা পাংবদা অপবা ওইএ !! থৌখাইরোনদি : লারোং লাতোন ৩, লৈচুরোন

১৪, হৈরমলোন ৭নি, লৈনা ৭, হৈনা ৭ লৈহুন লাংথ্রে লৈপোপ ১৪নি, হৈনাইবা ৩নি। অফাবা কবোক মুটথাং ১৮নি, স্না কোনবু লুপা কোনবু হুনফেএ। লাইগী শাওংগীদি লাইফম তুখোংগী লৈশানা মশাগনিএ, লফু তুকাদা লাইনা ফমএ, মৈবী মৈরা ৩, কোরি ময়েক ১, য়াওএ, চেংবী মুটথাংদি ১৮নি। মাইওন্দি নোংপোক ওল্লে, থৌরম মতুং ৫নিদা অনাবা খুদম পীএ !!

লাইহনলোনদি :- উং, রি, না, রি, রি, রি, কোইদোং তাওরোই তাওবীরেনবাও, খোরুম লাইনা মকৌঙেএ, খোনথোং য়াংনা হোরাঙৈ, য়াব্রা খোনতোক মওইঙৈ, হোয়ারেনখিদো তুবীরেন। কোরৌ য়াইরেন নোংদল্লে তুবী নংগী হৈথা লৈথা মতমজনা কোক নোনজৈএ নমু পোংবা /পোংবীনা। নহাল নোংগী মপুরেন য়াথংলেম। তুবী লাইগী লাইকোন দা খোরুম মিসা ইরিক ইতমখিবনা তিনজা লাইজ মওইরে। লাইথুং তিনথুং তিনয়েৎলে। হংগি চোংলোইবা লাইরেন য়াতমবাও, নংলেন তাইবা মতাইবা, শিদব মুপগী য়াথংলে ফিং, য়াং, কুক, হি, কংও কংও !!!

মীংখৈরোনদি "

" তাওরোই সনা খংলেম্বা কৌএ "

তাইরোইনাই সনা পাখঙবা কৌএ

১। অমুবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) তাওরোই শাকোইরেম্বাসু কৌএ

(২) ফুস্লৌ য়াংবা তুহনলেম্বাসু কৌএ

(৩) খোংগোই লিকলেম্বা তুবীহন কৌএ

(৪)   য়াফুং কোইরেন হনলোইবসু কৌএ
(৫)   তুবী খারোং য়াংবারেনসু কৌএ

লমিংলোনদি :- খুমন লাইগী লাংওনি। শিংজমৈ মখা, লুব্রাং নিংথৌ তুরেল অমনবী তুশাং ককব্রা পুখ্রি ফাওনা ক্যামগৈ ঈরেল তুশাং থাঙপাৎ ইরেন লংথবাল, লিলখোং টীংমৈ ফুরামখোং মখা কোমথি পাৎথি পাৎ নম্বুনদা তারকপা তুখোং হৈনিংসোই ফাওনা লাই অমনা চংলি। লাই অমনা চংলিবা পুরিবা লীলাখোংদগীনা ময়াং ইম্ফাল হৈনিংসোই হুয়েন হংগুন ফৌবাকচাউ লোক্তাক খোংয়া ইখুরোক পাৎ পুবা লাইদি তাওরোই সননা খংলেম্বা কৌএ। অরুবা লাইনি খংও, ওক্কুরবদি মখাগী থৌরমলোন অসি পাংবা ফৈএ !!

থৌখাইরোনদি : লাইফিদোন ২, ঙানু চিনপাকপী মরুম ২, হৈনাইবা ২, লৈসু লৈখমলোন ১৪নি। হৈসু হৈখনলোন ৯নি, খুমন লাংথ্রৈ মতোন ১৮ তৌতোন ৭, হুপতোন, কবোক অফাবা মুটথাং ১৪ চেগাই চাফুগী অথোংবা চাক কুকুবী ৭নি। ঙাপ্রুম অহিবা ২, চেংবী য়াম খরা, শেনজোই ৩নি, চংবী লাতোন ৫, লাচেৎ খরা, চেংবী মুটথাং ১৪নি, ক্কাফব্রা লারক ২ হৈহুন লাংথ্রৈ লৈপোপ ৭নি, মৈবী মৈরা ৪ য়াওগনিএ, মকাগী লাইহনলোন পাংবীয়ু !!

লাইহনলোনদি :- চিং, তিং, রি, রি, রি, চিরোং চিথেক চিনাইরেম্বা তুবী খাংলোংবা লাংচি লাংওইবা, কেরৌ নহাল নোং মতাইঙৈ, শকলেন লংতাই ইখমবা হোয়া পুংদা ময়ারেনলে। নহাল নোংদা শালাইনা মতাই পুংদা তুবী নংলেন মতাইবদা হোয়ারেনখিএ। অদু নুংগী য়াব্রানা তুবী নংবু মতাইএ, হৈপুং লাইফম পংদা, লৈকৎ মতমপুংদা মতমজৈএ। পোংবা পোংবী নমু পোংনা ফিনা ইহুন মতমখিবা, খোং তুবীনা মিতারেন, লাইথুং তনথুং ইরিক ইতাইখিবা, খিবীকলেনবু কুবী লৈবা তুবীরেন ইকোক নোননা মহাইজৈএ। ই, কিক, হুং লাই, য়াং, পু, চিক, কু, ক লাইহনরেন মপুরেন শালাই য়াংবগী ময়াথংনে !!

" মীংখৈরোনদি "

" লাংতো তুসাংলেন্বা কৌএ "

লাংতোন পাখঙবা কৌএ

১। হিগোক মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) তুবী কৈরেন লোংশাবসু কৌএ

(২) হুইরেন কোকপা খিংখাবাসূ কৌএ

(৩) লাইরেন ঙারক হনলোইবাসু কৌএ

(৪) ষনলুপ নোংমাইবা ইরিক কোংশাবাসু কৌএ

(৫) কোমথি নাইরেন হুপানবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- পীসুম চীং পাইরকতুনা স্না কৈথেল ননখ্রে, তাখেল চীংঙা লাইরেন্বী মমিংদি তৎখনবীসু কৌএ তাখেলদগী পাইরকপনি। লোকলাইলৈমা লাইওইবী, লোকতাক হিথাংফম লোকলাওলৈমা, য়ুমজাৎলৈমা, য়ুম লাইরেমা, পীসুম লাইরেম্মা, সৌগাইজম য়ুমজাও লাইরেমা লাই অনিমক চাকলোন কৎলে। অনৌ অপেন হৈ, লৈ তমদুনা খুরুমজবদি অফবা ফল ওইএ, লাংওন অমদা থেংনরসু থৌনি থৌখাই তৌজবনা অফবা ওইএ !!

থৌখাইরোনদি :- চংবী লারাক লাতোন ৫, দা হৈ মরমলোন ৭ লৈসু লৈগী মরম ৭ য়াওনা লফোই চংতা, হৈনাইবা চেংবী চেংবা ফাহে অহুম থোক্লা হৈগনিএ, চরৈ অঙৌবা ১ য়াওগনি, লাইগি অঙৌবা লিক্লাং ২, মীশেন ২, মৈবী মৈরা ৭, শেন ময়েক ৩ হাপকনি, লাতোন ২ অমনা হৈগী লা ১ ওইগনি, লৈগী লাতোন ১ ওইগনি, হৈনা য়েৎ, লৈনা ওই থাদুনা থৌখাইগনিএ।

লাইহনলোনদি :- লাংতোন তুশাংলেন্বা লাইগী লাংওন্দা থেংনবা পিরবদি মীদু যুম য়ৌবা ঙমদেএ মথক্কী থৌরমগী পোৎলমনা থৌখাই পাংবীয়ু। উং, তিং, রিং রি, রি, হৈ হয়া শিদবা শিদরেন লাংওন মপুরেন মওইরেনও। শাওই লাংওন মতাইরেন খোরুম লাংদাই লাইওইবীনা লাংওনবী। নমু মচা ওবিনা হৈকৎ লৈকৎ তমজবা মঙম পুংদা খনবা, তাইবং পানবা মীওইরেন, য়াইরেন শিদবা মপুরেন, শিদরেনবী ইমানু অৱা অনা খিবিকপু কোকপিদুনা, য়াইউাথৌবু তৌকাংবীয়ু। নসু নচা ওবিনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা কোক নোলজৈএ, কুবীরুদো ইমাও, (থৌনিরোন)

তুবীলাইহন : উং, রি, তিং হুকলাই তাওরং য়াংবা লাংদাইবা তিলিরেন তিনহনসে লাইরিরেন লাইহনগে শালাইরেন শিদবী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" সন্না চিরেনহনবা কৌএ "

সনাহন পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) য়াংপু তোং শারেনবসু কৌএ

(২) মৈচিক খিংলোইবাসু কৌএ

(৩) হাওরি চিংকোইন্বোসু কৌএ

(৪) য়াইরি নংনাইবা তুবীহনবা কৌএ

(৫) কোরৌ নোংথাং তাওবীরেনসু কৌএ

লমিংলোনদি :- কংলাগী খা থংবা বাপুরা বামোন লৈকাই মোংবা হনবা ইখোংলেন, মহাবলি কোনুংগী অৱাং থংবা কংলাগী শনথোক অকোইবা খোংলম, কংলা মনপংগী নুংজেংগী পুখ্রিদসু লৈএ। শারোন পুবা লাইনে অরুবনে খংউ, মশাদা শউম ফংলবদি লাইচুইএ, অদুগা চৈনা পীরবদি মীদু লাইয়েংবা ৱাগনিএ, থেংনদুনা চৈথেং ফংলবদি, মকাগী থৌদারোন অসি পাংথোকপীয়ু। অফবা ফল ওইএ !!

থৌখাইরোনদি :- শলাই লারাক ৩নি। চংবী লাতোন ৪নে, হৈনাইবা ৭নি, লৈচুরোন লৈরম ৭নি, হৈচুরোন হৈরম ৭নি। লৈনুংলোন পোৎলম ৫নি। তৌ লাং তৌতোন লুৰাংগী ওইএ মরমদি ৭নি। হুপতোন ৭নি। চেংবী ফাহে ৭নি, চরৈ অঙৌবা ১, লিকলাং অঙৌবা ১ সেনজা সেনজোই ৭নি, মৈবী মৈরা ১৮, লাইপেরুক পাংদোং ৭নি। ফাহৈ থানা কংলা মাইওন ওন্না হৈথা লৈথারোন থাগনিএ। থৌনিজবদি পুন্সি শাংঙে, থেংলরবসু থৌনিজগনিএ, তুবীদা শাওইবদি অরুবনে খংও !!

" মীংখৈরোনদি "

" য়াংবী তুবী লাইরেন কৌএ "

য়াংবী তুবী লাইরেন পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) য়াংকোই শাখুলোনবসু কৌএ

(২) পুংথিংলেন মারেনবাসু কৌএ

(৩) ঙাংঙোই মাংবা হননোইবাসু কৌএ

(৪) শুমদাই খিংখোইবাসু কৌএ

(৫) থোংলেন চুতইরেম্বাবুসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- তাইবং মীওবিগী নুংলোনদসু লৈএ, তাওবীরেন তাওরোইনাই, য়াংবী তুবী লাইরেনসু কৌএ। অরুবা লাইনে, তাইবংগী নুংলোন পুবনে। হকচাং কয়াৎলোন তোংলোন মাপন মতাইএ। ঈথিংবাসু থৌখাইরোনদি :- হিদেন তাফমগী লাইদা ঈশিং ৭ লক হঙ্গৎনা ঈসোককনিএ। মালেম লৈশাগী চিনাবিবা চাফু অমদা হৈজিল্লগা মৈথাং ৭না খাম্বী মৈহৌদুনা চাফু মনুংগী লাইজা অদুনা তিংথৌ মতোন ৩৮১ না মহাপীরগা লাতোন ৩না চিনাইবা চাফুগী মমাই অদু খুমবীগনিএ। চুঙৌ মতাং ৭ তংখাই খাইদুনা চাফু মনুংদা হাপীগনিএ। মৈথাংনা চাকপা মৈশৌরবা অশৌবা লাইজদো, খুজোক ৭

কী লাইদা ওইগনিএ। অসেংবা পাত্রা ১দা হৈদোক্লগা মখাদা অমা মৈবা মৈরা ৭, হৈ মরম ৭ য়াওনা লৈ মচু ৭ য়াওনা থাদুনা মখাগী থৌখাই পাংবীও !!

লাইহনলোনদি :- হৈ, য়ে, উং, নিং, নিং, তুবী তাওরোই নশোংলেন য়াংবী হিকোন মতমঙৈ তুবী নশোং নাইফদে। য়াংবী খাংলোই ইরিবনা লাইজা ইতমবুংদা মতমলবদা তুবী তাওরোই ইচিকখোংলোই মতমখিএ। নোংগী য়াৱা মওইএ, তুবীরেনদি নুংলোন শাথুপ ইখমনা য়াংবী য়ারেন ইতমনা নুংলোন শাথুপ তম্বদি নোংগী থৌদা মওইএ, তুবী লাইনা য়াথোঙঙৈ শরিথোকনা মতাইঙৈ, য়াংতিন য়াংবী চিতাইরমদা তুবীলাই ইখমবসু তুবী মহনবমদা মহললেলে। সেনা না, নোংলাই, চিং, উং, রি, তিং লাইরেন তুবী খক য়াইএ তাওরোই হিক মরু হিকলেলে, মুপরেনগী য়াথংএ !!

লাইহনলোনদি :- হৌ কংলৈ, উং, রি, রি, রি, তাওবীরেন নংলেন তাইবদি শালাই লাইওইবীনা মরেনলেলবদা তুবীরেন হোয়ালেলে। কোরৌগিনা মহেন্না নোংদম মাগী থৌখাই মহাইজৈ। নোংহৈ পুংনা চিনাইবা, তাউরোই হিরেন কোকলেনবাও, ঈমৈরেন য়াথোং চিরেনবাও, মুপরেন থৌদা মপাংলে, নোংগী য়াৱা হোয়ারে। ইকোক নোলনা মহাইরে। তুবী চাকথা মতমলে। পোংবা পোংবী নমুনা তুবী লৈরিক ফংখিবা, লাইতুতিনজু ওইখিবা, খোরুম লাইথুং পকখিবা। কোরৌসিনা য়াইফবা হেলোইরেম্বা নুমিৎনি তিলিরেনবা শেংবীয়ু লাইনিরেন। তাইবীয়ু হাইবা খিদলেন য়াৱারেন, মুপরেনগী য়াংলেন, হুং কিক য়াং তিং, তিং, রি, হুক, হুক, শিদবা মুপরেন য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" সিদবা মিরোন নোংখনবা কৌএ "



য়াংবী তুবী লাইরেন পাখঙবা কৌএ

১। অসংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) তুবী মঙাং মৌখারেন্নাসু কৌএ
(২) লুৱাং তুসাংলেন্নাসু কৌএ
(৩) খুমন খুদারেন তাওবীসু কৌএ
(৪) পুলিন য়াংব হনবসু কৌএ
(৫) ফমতইরেন হনলোই শিদবসু কৌএ

লমিংলোনদি :- মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ তাওরোই লাংগোনবনে মঙাং, লুৱাং, খুমন ফম্বাল অহুমগী লাংদাইনি। অরুবা লাইনি খংও। নুংলোন ৩ দা লৈবা, পামদা ৩না পুবা লাইনি। পোকপা শিবা মালেম লাইঙাক তুবী শাথুপ লোন ওইবনে। অহুমবু খংনা থৌখাই নুংলেন পুবদি, নুংলোন কয়াৎ খংহনবীরিবা লাইনি। শকলোন ৩ পুবনে। মতম অহুম মশাদগী ওইবনে মচু ৩ নাইএ লাংওন লাংদাইদি অমদগী অহুম য়ৌএ মালেমগী লৈঙাক ওইবা নুং পানগী লাইনে !

থৌখাইরোনদি :- লাইদা ঈশিং মরৌনা হৈক্রু হৈপান মউরেন মকু মরৌনা চাইরেন চিনাইবা মনুংদা হাপ্লগা, তাইবং লাইজা ঈরু শাদেংলগা থৌরম থৌদা অসি পাংগনিএ। চিনাইবা মনুংদা থুনখোং থুমচেৎ অমা হাপ্লগা নুমিৎ শিংগুম ৭নি ইমুংগী লাইফমদা অমদা থম্বীগনিএ, লাখা অমা থাগনি মথক্তা চিনাইবগীসু লাখুম অমা খুমগনি। অসুম্না নুমিৎ ৭নি ইমুংগী লাইফম জগা অমদা থম্লগা ৭নি সুবা নুমিতা পানদা পুথোক্তুনা মৈরা ৩, লৈ মচু ৩ য়াওনা মখা লাইহননা থৌরম তৌগনি অদুগা থককনিএ লাইথুং কোকএ !!

লাইহনলোনদি :- হে হয়া শিদরেন, মাইতাই লাইজা নোংলৈখোবাও, খোনথাং য়ৈরেন হিকতাইবা, ফম্বাল ৱাইনা মতাইএ। নুংলোন পালোই ফম্বাল মতাইঙৈএ ফম্বী ফম্বাল ফমতাইরোন লোকনিং লাইজা ইখমলোন, খিকলেন মৈবী মৈহৌরোন। নুংলোন য়াংবা তিনপুংবা, য়াৱা মুপরেনা মতাইঙৈএ, য়াৱা শিরোন নোংদম খিকনা ফম্বাল লেননা মতাইএ, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ অহুমক্না খিকলেন নোংনা য়াংবা ইখমলেনা তিনশেংলে, লাইশেংলে, তিনকোকএ, লাইকোকএ, উং, চি, রি, হিক, হিক ময়াথংএ !!

মীংখৈরোনদি "

" তুবী লাইরেন চিনাইবা কৌঐ "

তুবী লাইরেন পাখঙবা কৌঐ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিঐ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) চিনাই পৌরেম্বাসু কৌঐ

(২) সোংনাই কুপলাইরেম্বাসু কৌঐ

(৩) তুবী খিংগারোম্বাবুসু কৌঐ

(৪) হিংগ্রি ফৌহিরেন তাওবীরেনসু কৌঐ

(৫) লাইরেন খমবু য়াংবাবুসু কৌঐ

লমিৎলোনদি :- নুংলোন তাওরোইনাই মিরোনচন্দ্রা তুবী তাওবীরোই লাইনে। মীওইবগী নুংপান খংবা ঙম্বা পানদা লৈরগা তুবী লাইরেন চিনাইরেম্বা লাংওলে লাইথেক ১৮ ওইবা য়াংবী লাই তাওরোই মীরোনচন্দ্রা লৈঙাকপসু পুইঐ। লৈহোরোনসু মশাদা ওইবনে। নুং পান থকখা কয়ালোন ১৮বু থৌখাইরোন পুবা লাইঐ। ইশাবু ইশানা খংনা থৌরমলোন থৌখাই পুইবা লাইদি মিরোনচন্দ্রানি, মীওইবগী হকচাংদা লৈঙাকলে ওইঐ, লাইগী পাপনলোননে।

থৌখাইরোনদি :- পালোই পুবা লাইদি তুবী তাওরোইনাইনি, তুবী পাপললোন মরেক মসোন লাইরেক লাইথেক খংনা থৌকাই পাংগনিঐ, নুমিৎ থাবালোন অফ-ফত্তা য়েংলা থম্বাল ১০৮ গী থমনাদা লাইগী থৌখাইরোন সুবা পাপন ময়েক শুনা মরেককনিঐ, থৌখাই শুনা পাংনা পাপন অদু মাওইবগী হকচাংদা পকচদুনা থৌনি লৈহাক পুজবদি লায়না লাইথুং কোকঐ, পুনসিঐ !

লাইহনলোনদি :- পাপনলোন অসিনা থম্বাল ১০৮ গী লৈনাদা ইরগা পাপনগী মথক্তা অসুনা মরেক অসি য়াওগনিএ, কি চিক হা, রা, রাং, পাপনগী য়েৎ থংহদা মরেক অসনা তাইগনিএ, চিং হুং হুং না, মি না রি, রি, রি, য়াং রি রি হুং, অদুগা পাপনগী ওইথংবা রোমনা হুং, বি, রি, উং, রি, রি, বি, না হুং, বি, রি, তিং, তিং, হাইনা থৌখাই গনিএ, পাপনগী খা থংবা অদুনা অসুম্না মথাইএ, রি, উং, হি, হি, উং, হো, না, রি, রি, রি, তং হুং, নিং নিং রি অসুম্না পাংগনিএ পাপনগী থৌরম পাংবনা মাইওন নোংপোক ওনগনি খুনুক লানথ্রবদি ৎঁহে লৈতেএ !

" মীংখৈরোনদি "

" সনাওম্বা লোইখোম্বা কৌএ "

স্নাওম্বা লোইখোম্বা পাখঙবা কৌএ

১। অমুবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) মিনা কিহুইবাবু কৌএ

(২) থম্বা মীরেন তুশাংবসু কৌএ

(৩) মিতুলেম্বা খোম্বারেনসু কৌএ

(৪) লাংঙোইতোন পোংবাসু কৌএ

(৫) লোংনাই তোলহৈবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- পুখাও, শিনাকোম, য়ুমনামপাৎলৌ, মপাও চিংয়ং, শারৌথেল, লমফেলসোই, মোরোক ইঙ্খোল, খুন্দ্রকপম ঙাইরাংবম ৱাইতোন, লম্বোইখুন, পুরুমহাও, লুৱাংলি তুশাং লাইনি। হিগোক মচুগী মুনা লাংবা লাইনি। মীংখৈদি সননাওম্বা কৌএ, অরুবা লাইনি। ওক্লরবদি মীদু লাইচুইএ, লাইওং লাইথোক খংদবা ওইএ। পুক কংখৎলে খোং খুৎ চিংবা পংথবা ওইএ, মখাগী থৌরম থৌদারোন অসি পাংলবদি মীদু অফবা ওইএ !!

থৌখাইরোনদি :- লৈহৌলা ৭ চংবী লাতোন ৩, হৈক্রু, হৈনিং, হৈনাজোম, কমফোই, হৈখা, হৈনৌ মরম ৭ লৈসু লৈরমলোন ৭নি, চহাও চেংবী মুটথাং ১৪না লৈহৌরা মথক্তা হাপীগনিএ। নোংপোক লাংহৈ মতোন ১৮ নি। চুঙৌ চু থাং ৩নি। শেনজোই ৭নি, তৌতোন ৭নি, হুপতোন ৭নি। উতং পরল হৈনাইবা ১ য়াওনা হৌনবী হৈথারোন শেল্লগা খায়োমলোন লৈখক লৈখারোন অনি পুনফৈএ ।

লাইহনলোনদি :- তিং, তিং, হুং, রি, রি,রি, তুবী য়াংলোই তুশাং মুপরেন লৈকুং লৈরাই লৈতৌবাও, নুংলোন তাউরোই তুবীরেনবাও, নুংলোন কৌরেন মকৌরেন, মপুশিনথা মওইবী। নহাল নোংগী য়াৱানা তুবী হোয়খিএ, পোংবা /পোংবী নমুনা তুবী নফমলোনদী ফিজি ফিনা মকাংখিবানা, তিনজু লাইজু মওইরে, তিনথুং লাইথুং মপক্কে, হৈথা লৈথা মথেনপুং মতমলেদো মুপরেনদি শিদবগী। তিনকোক লাইকোকপীয়ু খমলেন কিক, তিং, হুং, শালাইরেনগী য়াথংএ

" মীংখৈরোনদি "

" চিনাইরোন চন্দ্রাসু কৌএ "

চন্দ্রাসু পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) সুরেন কোই কোইরেম্বা কৌএ

(২) ঙালেনবা তোংহিরেন কৌএ

(৩) থাকোই তুবী পোংলেনবা কৌএ

(৪) কোরৌ শোংনারেম্বাসু কৌএ

(৫) শালাই ৱাফুরেন ঙাংওইবাসু কৌএ

লমিংলোনদি :- তাইবং পানবা মাওইবগী হকচাংগী কয়াংলোন পুবা তাওরোইনি। নুংলোন শাথুলোন ভমদুনা য়াংবী লাইনা লোক ওইনা লৈএ মৈরেম্বান খা থোং পুবা নুংলোন য়াংবী তাওবারেননি, পান্দা শাথুপ নাইনা পীবা তাওবীরেনগী শাওংলেনবদি চুবী লাইগী শকোকনি, শলাই ঙাকলোন পীবা য়াংবী হনলোইবা তুবী লাইগী লাংওননা, নুংলোন শাথুলোই ওইবনা য়াংবী তাইরোই লৈঙাকপা চিননাইরেন চন্দ্রসু হাইনা মীংখৈএ, অরুবা পাপনএ !

থৌখাইরোনদি :- মীওইবগী লমমিংলোন লৈবনা তাওবী লাইগী শাইদাংদা নুংলোন পালোং পুন্নমকপু লৈ ঙাকলোন ওইনা নুংলোন পাপনলোননি। অরুবা শাকোক য়াংবী নাইবা পাপনলোন অসি কোনা মনদো য়েক্লগা য়াই অনি হুপলগা, মীওইবগী পীনা ওইদা, পানা য়েৎতা শিরবদি মী অদুগী মশাদা তিরেৎ লাইরেৎপা তিনজু লাইজুবা পুন্নমক অফবা ওইএ, থৌখাইরোন অসি পাংববু মশানা মশা খংএ !!

লাইহনলোনদি :- কোন্না মনাদা পাপনলোন অসি য়েক্লগা সন্না কোনয়াই লপা কোনয়াই হানজিল্লগা মীওইবগী য়েৎ ওই পী পা খাইনা লাইহনলোন অসি ইজগনিএ, রি, রি, রি, হুং হুং হুং (থক ওই) (খাদি) ক, শ, থ, র, তৎ, তৎ, তং, তং ৱাংদি চিক , ক, উং, হুং, না, রি, তিং তিং হ, হ, য়েৎতি, মা, মিং, হুং, মি, মি, না, নং, বা, র, নি, নি, তং র হা, হুং নি। হাইরিবা ময়েক ংসোন ময়াম অসি পাপনলোনা য়াদা লৈরগা থক খা, য়েৎ, ওই খা, ৱাং, হাইনা লৌদুনা নুমিৎ থাবদি চং ওইগনি, মীগিনা মপোক নুমিৎ ফৈএ !!

" মীংখৈরোনদি "
" তুবী য়াং নাইবা কৌএ "

তুবীলাই তালরোই পাখঙবা কৌএ
১। হিগোক মচুনে
২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



(১) লাং লাই পুংহ্নরেনবা কৌএ
(২) য়াংপী মাথৌপুংবা কৌএ
(৩) সোমলাই হিং পুংবা তুবীবুসু কৌএ
(৪) বুংখোই লৈশারেন্বাসু কৌএ
(৫) থুপলেন মৈতাখোইরেন্বা কৌএ

লমিৎলোনদি :- তাইবং পানবা খুদিংমক্তা থৌকাংবা থৌখাইবা তুবী লাই তাওরোইনাইনি। মীওইবগী হকচাংগী নুংলোন কয়াদা লৈঙাকলোন মপুইএ। শাতুপ অসিবু য়েকচরগা ইরাৎ থৌনি থৌখাই পাংজব তাওরোই শকওইবাসু য়েকচদুনা মীওইবগী হকচাংদা পকচবী মফমদা লাইথুং তিনথুং তিনয়েৎ লাইয়েৎপা কোকএ। ঈরম খোংলমবু ঈসেংবা পীএ, মীওইবগী লৈঙাকলোননে, অরুবনে।

থৌখাইরোনদি :- পাপনলোন অসিনা মালেম থক্তা য়েক্তুনা মদুগী অকোইবদা হৈথা লৈথারোন য়েৎ অমসুং ওই কাইদনা থাগনি, হৈরমলোন ৭নি, লৈচুরোন ৭নি, মৈবী মৈরা ১৮, চংবী লাতোন ৫, চেংবী হাফে ৫ থোকনা হৈগনিএ। চরৈ অঙৌবা ১ সেনজোই ৫ য়াওগনি। শিংলম ৭না শিংখনগনি, খান্বী মৈহৌনা থৌনিগনিএ, মাইওনদি নোংপোক ওন্না থৌনি থৌখাই পাংগনি ইমুং অৱা - অনা কোকএ।

লাইহনলোনদি :- হৈকৎ লৈকৎ পুন্বাবু তাইরেন্না অনম অথৌ কোককনিএ। লোইরবা মতুংদা অসুম্না লাইহন লেন্না মতাইগনি, উং, হুং, রি, রি, রি, না, রি, রি, চিংলেন কোংলেন য়াংনা ইনুং খৈরেন মতাইঙৈ, খোংলেন ইখুলেনবাবু মতাইখিএ, য়াংবী চিরেনবনা হোইপাবদা থৌকাং মপুং মরানা মপিখিএ। মৈনা তাইনা, শেংঙৈ, ইনুং নুংলোন মকোকলেনা কোকএ, হয়া ৱাহৈবনা মতাই খেংলেন ইতাইরবদা মপোকএ, নুংলোন য়াংবনা কোকএ, মীকোক মীশেংঙৈ, ফম্বাললোনগী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" মীরেন চীরেনবা কৌএ "

মিরেন পাখঙবা কৌএ

১। অসংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) শাহু ঙিরোইরেম্বাসু কৌএ (৪) মীরেন তোংহিবাসু কৌএ

(২) মিউ নাইহুইরেনসু কৌএ (৫) কৌহিং চীনাইরেনসু কৌএ

(৩) থাকোইপুং য়াংবসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- পাপনলোন অসিবু য়েকথোকচাদুনা মীওইহগ হকচাংগী য়েৎ থংবা পাম্বোমদা অমসুং খ্বাংদা শিজিনজবদি মীওইবগী অয়েৎ অকাই অমসুং মীনা লাইনা মীয়েং তাবদা লৈঙাকলোন ওইবদা অফবা ফল ওইএ। তাইবং হকচাংগী নুংলোন ৬ অমসুং নুংলোন মাপনবু পুবা লৈঙাকলোন ওইবা শালাই পুংলেমুগী লৈঙাকনে, মীখৈদি মীরেন চীরেনবা কৌএ। তুবী মৈরেবনা য়ারেনবা নাকোলোন লৈঙাকনে ।

থৌখাইরোনদি :- থম্বাল লৈনা লৈকাদা মথক্কী পাপনলোন অসি য়েক্তুনা মী অদুগী শেম্বা শাবীবা নুমিৎত্তা ময়েক মসোন অমতা চিৎথদনা য়েক্তুনা কোনয়াই থাদুনা পাম্বোমদা নৎত্রগা খ্বাংদা থোম্বীগনিএ, শলাইরেনগী নুংলেন পাল্লোই পুম্বাবু লৈঙাক পীবা পাপনলোননি । লৈঙাকলোন অসিনা মীওইবদা লম্মিৎলোন চৎথোক চৎশিন থৌকাংহদা মুপং ওইনা অফবা পীএ ।

লাইহনলোনদি :- থম্বাল লৈনানা মাইওন নোংপোক অমসুং অৱাং মাইওন ওন্দুনা মমি তাবা মচু নাইবা শাল অমগী মচুনা লৈনা লাইগী পাপনলোন অসিনা মাংচোক থাসেনে খা অমসুং ৱাং ওননদনা য়েক্কনিএ। অদুগী মতুংদা

পাপনলোনগী মখল মখা মীংখৈরোন অসি ম্তা ৱাৎতনা ইগনি, তিং, য়াং, হি, হি, কি, মা, হুং, রি, রি, রি, হি, না, হুং, তিং, তিং, হুং, হা রি, রি, না, কী, হুং মা, রি, উং, হুং, মিং, তিং, তিং, হৈ, হয়া, রি, য়ে, এ, এ, না, রি, হুং ।

" মীংখৈরোনদি "

" থুমখোং তুবীরেন কৌএ "

থুমখোং পাখঙবা কৌএ

১ । অমুবা, অসংবা, হিগোক মচুনে

২ । অতৈ মচুনা লাংগনিএ ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) য়ুমলেন লোংতুবাসু কৌএ

(২) তুবী ঙাংলোই য়াহুইরেন কৌএ

(৩) চিনাই কুংকোইবাসু কৌএ

(৪) হুইরেং কোংগোইবাসু কৌএ

(৫) খুনাই কাওবীরেনসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- থৌবাল তুরেল, পোইরৌ খোংজিনদা লৈবা লাইনি, মঙাং, লুৱাং, খুমনগী লাংদাইনা তুবী লাইগী লাংওননি। অঙোম মোইরাং, খাবা শালাইগী লাংওন্দসু ওইএ, মীংখৈদি থুমখোং তুবীরেনসু কৌএ। ওক্লরবীদ হৌনবী থৌরম থৌদা পাংফৈএ, লাইওংদি হকচাংদা কুচু ওনবা, ঈনা ঈশিং ওনগনিএ, হকচাং ময়েং তাগনি, পুকথিনবা অহৌবা নাইগনিএ।

থৌখাইরোনদি :- তুরেলগী লাইথিনা লাইগী শাওং ওইগনিএ । চংবী লাতোন ৩নি । লৈহুন লাংথ্রৈ ৭নি, তৌতোন ৭, হুপতোন ৭, চরৈ অনৌবা হু ৭ শাংবা অমা, সেনকুপ সেনজোই ৩, লৈ অঙৌবা ৩, লৈ অঙাংবা ৭, মৈবী মৈরা ৭, ঙাঙৌ অঙৌবা ১ হৈনাইবা ১নি, লৈচুরোন ৭, য়াওনা লাইগী লাইফমলেন মাইওন ওন্দুনা নোংপোক ওন্না মথাগনিএ ।

লাইহনলোনদি :- উং, রি, রি, হুং, হুং, রে, রে, নোংবা তাওরোই য়াংবাও। নোংগী খোনথোক য়াৱা হোয়াননা নদাই পোংবা /পোংবী তুবী নফমলেনদা ফিনা ইহুন তমখিবা, তিনজু লাইচু ওইরেদো, কুবী হৈবা তুবারেন হৈথা লৈথা মতমজনা মহাইজৈএ তুবীরেন। কুবীরেনদি তুবীও তুবী নশোং কংদনা ইতেফমদা তেশিনবীনা, ইহনফমদা হঞ্জিনবীও, নহাল নোংগী মপুরেনগী য়াথংএ, কুক, য়াং তিং, হুক রি, না, হুং, চিক, হিক, হিক, হৈ, য়া, লাইনিংথৌ সোরারেনগী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" খুমন সলাং কৈখুবা কৌএ "

সলাং পাখঙবা কৌএ

১। অমুবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



– মীংখৈরোন অসুবা –

(১) খুমলেন মুথাংবাসু কৌএ

(২) তুবা সলাং মৈলোনবাসু কৌএ

(৩) য়ারেন পুংনাই তাওবীসু কৌএ

(৪) লাইরেন কুপলাই তুবীরেনসু কৌএ

(৫) থরাই কোমশা কুমতওরেনবাসু কৌএ

লমিংলোনদি :- খুমন শলাইনা লাংওন্বা তুবী লাই খুমন চাগোকনি। নোংপোক সেকমাই য়ুমখোং কোইবা চীংয়া তময়া পাৎ লৌখোং, খোংশাং, য়াইরিপোক, যনলুংফম অকোইবা তুশাং পুবা লাইনে অরুবা লাইনে খংও, মীনা ওক্করবদি লাইওংদি মশাদা শেনখাই শানা লাংএ, অথিন অরেং হৌএ, মশাদা পংথবা শিথবা, কুচু ওন্বা, পুক কংখৎপা ওইএ, ওক্করবদি মখাগী থৌরম থৌদা অসি তুবীলাগী লাইফম ওন্দুনা হৈথা লৈথা থাদুনা পাংগনিএ।

থৌখাইরোনদি :- ক্লাকলা ৭-৯ লায়াইও, চেংবী ফাহৈ ৭ নি লৈসু লৈনা ৭ /৯, হৈরমলোন ৭ /৯, লৈসৌপুং ৭ /৯ কী লৈসারোনস লৈফি ফুঙ্গালৈনি

ঈশিং লাংথ্রে মতোন ১৪, খুমন লাংথ্রে মতোন ১৪, মৈবী মৈরা ১৮, হৈবীনা, হৈনিং, হৈক্রু য়াওনা উতং পরা পয়া পুন্দুনা মালেম লৈখারোন তুবী লাইগী চাকতারোন, থাগনিএ, অসুম থৌরম থৌদা পাংগনিএ !

লাইহনলোনদি :- ও, ও, না, উং, রি, হি, তিং, তিং, তিং, খোংলম খোংদাই মপুরেন তুবী শালাই তুশাং খোংবা মতাইগৈদা, হনবা মপুরেন ময়াথংনা মতাই খোংদা তাইরবদা তুবী খুমন সালাইরেন, নহনফমদা হনফৈএ, নুংলেন মীখৈরেন খুমন সলাং কৈখুবা য়াংবী তুবী হনলোইবাএ, পোংবা পোংবী নমুনা ইরিক খোংদাই লাইকোন নুং খোরুম তুবী শানি ফংবিবনা লাইচু তিনচু মওইরে, শাইকোন কোনুং মপাইরেন হৈথা লৈথা মতমজা মপুরেন য়াথংবু ইঞ্জনা ইকোক নোলনা মহাইজে তিলিয়না য়াং কুক কুক মপুরেনগী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" লাইরেন গুলাপ কৌএ "

লাইরেন গুলাপ পাখঙবা কৌএ

১ । সংনা লাংবা মচুনে

২ । অতৈ মচুনা লাংগনিএ ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) কোরৌ খিংতোইরেম্বা কৌএ

(২) তুবী লোংলোই তাওবীরেন কৌএ

(৩) হিকখোং য়াংবা ইচিকখোম্বাসু কৌএ

(৪) লৈফুৎ লাইরেন ইখনবাসু কৌএ

(৫) য়াংবা গুলাপসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- তুবী শালাই খুমন লাইগী চাগোকনি। নিংথৌখোং, তুসাং লৈমতাক চাংগোন কোংলম তু খোং পাৎথি কোমথিদসু লৈএ, লাই অসি থেংলরবদি লাইচুইএ, অরাবা ওইএ, লাইথুং পকএ, মশাদা চারোন অমদা লাইচুইএ। তুবী লাইগী মীংখৈরোনদি গুলাপসু কৌএ, তাওরোই লাইগী তুবীরেনদি, ঈশিংগী ইমাইদা তাওদুনা লৈএ, থেংনরদি মখাগী থৌরম থৌদা পাংবীয়ু !

থৌখাইরোনদি :- ক্বাকলা ৭, তংবা লারাক ৩, হৈনাবিত৩, লৈহুন লাংথ্রে মতোন ৭ন, চেংবী লাফে ৩, কবোক অফাবা মুটথাং ৭নি, হৈনাইবা ২ নি, হৈকোলোন ৭নি, সেনজোই ৭নি, হৈ ক্বাকলৈ য়াওগনিএ মৈবী মৈরা ৭নি, খোইজ লৈখোল উচান সন্না কোনয়াই, লুপা কোনয়াই লৈনুংগী পোৎলম ৩নি, মৈতৈ ঙানু ১ য়াওগনিএ !!

লাইহনলোনদি :- উং, হি, না, রি, রি, রি, খুমন য়াংবা য়াংহুইবা নোংখিকপাও ইতমলে। পোংথাও হুইরেন তাওরোই ঙাংবনা কোরৌ নোংথাঙ কোরৌ মৈরাবাও, নোংগী খোং য়াংলেমবনা ইচম খোংলেন য়াংবনা মতাইএ। অসি পোংলেন হানবনা, নোংগী মঙম পোংলেঙদা মথৌ ইতমজেএ, ইরিক রি, চি, রি, ক্রাক ক্রাক, হি, খোং খুমন পংখোই থোংদাইএ, চিক, হি, তিং, কু, কু, কু, কুকনহিরে, হি, ক্রাক তিং সেট, হি, না, হুং শিদবা মপুরেনগী য়াথংএ!!

" মীংখৈরোনদি "

" হিরাংলেন লাংওন তাওরোই কৌএ "

হিরাংলেন লাংওন পাখঙবা কৌএ

১। হিগোক / অমুবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) লাংঙম তাওবীরেন কৌএ

(২) হিংঙম পাওরোইহনবসু কৌএ

(৩) লৈথিং তাওরোইনাইসু কৌএ

(৪) উতোং তোংবী লাইরেনসু কৌএ

(৫) হিরেন কুমনাইরেনসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- হি ওইনসু তাউবা, উতোং ওইনসু তাওবা তুবী লাইনে। লাইদি মুনা লাংবনে, খুমন লাইগী লাংওননি। লোক্তাক ইশা পাৎ লাইকোন কুম্বী ইথাই পাৎশাং কোইন চৎতুনা চাক্তাবা লাইনে, তুরেল তুখোং তুশাং পাৎ অকোইবদা তাউরোই ওইনা লাংওনবা লাইনে। ওক্নরবদি মীদু লাইচুইএ, পুক কংখৎলে, হকচাং চিকপা খোং খুৎ চিকপা হৌবা শেনখাই শানা হকচাংদা লাংবা পংথবা সোরগী মরম শোক্না অহৌবা নাইগনি। মখাগী থৌদা পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- লাফু তুংগানা হিগী মওংদা শারগা হৈথুম ১, লৈশাং ১, সেনজোই ১, চরৈ অঙৌবা হুইথাং ১গী মৈবী মৈরা দুপ থাওমে য়াওনা কৎকনিএ, তুরেলগী নত্রগা পাৎ লাইকোনগী মফম অদুগী মপানগী চংবী লাতোন ৩, চেংবী ফাহে হৈরগা হৈরমলোন ৭, লৈরমলোন ৯, কবোক অফাবা মুটথাং ১২, লৈহুন লাংথ্রে লৈপোপ ১৮ সনাকোনয়াই, লুপা কোনয়াই লাইজাদা হুন্দুনা মখাগী লাইহনলোন পাংবীয়ু।

লাইহনলোনদি :- উং, রে, রে, কি, হুং, তিং, তিং তাওরোই হিরাংলেন য়াংগোইবা তুসা তাওরোই হিনাইবাও, মিৎনা তুবুম মিৎপাংলেনবাও, হিমাই চিরিক খেংলেম্বাও, ঙসি নোংদা হৈথা লৈথা থাদুনা তুবী মওম পাংজবদি, নহাল নোংগী য়াবা মাংওইনা মওম পোংদা মামী খনলেনবদি মপুগী শিনথা মইনজনা পাংজেএ, ফিনারেন ইহুন কাংলেনা তুবী শামিন মফংখিবা লাইথুং তিনথুং পুম্বাবু কোকপীরুদো পোংবা পোংবীবু হিং, তিং, তিং, য়াং, হা, রি, মপুগী য়াথংনে !

" মীংখৈরোনদি "

" লাইরেন সন্না কোলাপা কৌএ "

লাইরেন সনা লাই পাখঙবা কৌএ

লাইরেন কোলাপাসু কৌএ

১। অমুবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) তাওবী কোরিবাসু কৌএ

(২) লাইরেন মীতম পোংবাসু কৌএ

(৩) পোমসু ফুমনাই কোনাপাসু কৌএ

(৪) ইরিক ইখম তাওবীরেনসু কৌএ

(৫) লাইরেন তুবী কোলাপাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- চীংমৈরোং লৈবা লাইরেনজম গুলামজাৎনা ওনখিবা লাইনি। শান্বা উদা শারেং শেমদুনা চারুবদগী ঈশিং থকপদগী ওনখিবা লাইনে, শান্বা উদা ঙা সেন্বা য়াদে। তুবী লাই অসিনা পুবা মফমশিং, চীংমৈরোং, মন্ত্রিপুখ্রি, কোইরেংঙ্গৈ, খোংহামপাৎ ফৈদিংগা, লৈকীনথাবী, তেনদয়িান, সেকমাই, কামোং,

হাওরং, মাকলং, লাইরেনবী হৈবোংপোকপী, শনজেনবম, চকপা ফরেং তেরাউরক, তপৌবুবজিখুন, ঙরাংবম, খুম্নোং, খাইদেম, ইরোইসেম্বা তুশাং চিংজিননি।

থৌখাইরোনদি :- মনা ১০৮ শুনা পাল্লে, ওক্করবদি মখাগী থৌরম অসি পাংথোকপীয়ু। অরুবা তুশাং পুবা লাইনি। সন্না কোরিয়ান য়ানবা লাইনে। মীংখৈরোনদা গুলামজাৎ তুবীলাই তাওরোইনাই কৌএ। মীনা ওনবা লাইনে। চংবী লাতোন ৭, হৈনাবিা ২, লাফোই চংথোকপা ১, হৈরমলোন ৭, লৈরমলোন ৯ চেংবী ফাহে অহুম থোক্লা হৈগনিএ। লাংথ্রে মতোন ১৮, লাংথ্রেদি লৈহুন লাংথ্রে ওইগনিএ, কোনয়া লুপা সন্না য়াওগনিএ। চেংনা শাবা, তাদুনা য়েনমরুম মানবা ২ য়াওগনিএ, লাইদু কৌনা হাইজগনিএ।

লাইহনলোনদি :- হৈ, হয়া, উঙাংঙৈ, ঝাঙাংঙৈ য়াৱানে, মীপোক লাংওন তুবীরেন তুবী তুসাং খোদাইবা সননা চোমজাও ময়ানবাও, চিরিক খোংলেন মপুরেনবাও, মপুরেনবনা তুবী লাংদাইবা মীওই পোংলেবা নংলেন কৌএ, মকৌএ, উং, না হিংনা, তুংনা খোংনা, চিং, চিং, রি, রি, রি, হাইদুনা খুরমজনা মহাইজগনিএ। হিং, রে, রে, তুবী লাংদাই য়াংওইবাও, মীপোক পোংলে ইয়েনবা, তিনগুম য়াংগুম য়াংনাইরেন, নংলেন মপু য়াথংলেন মতাইএ, হৈকৎ য়াংলোই মতমএ, ই. হি, য়াও কুক তিং হুং, হৈ, হয়া শালাইরেনগী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" য়াংগোই সন্না লুকোইবা কৌএ "

য়াংগোই সনা লুংকোইবা কৌ৲

১। অসংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) খাংয়াং কোংরেম্বাসু কৌএ

(২) শারোং পৌহিরেনম্বাসু কৌএ

(৩) মৈরোন চিখৈবাসু কৌএ

(৪) কেহিং পোরাংবসু কৌএ

(৫) মারেন য়াংবাবুসু কৌএ

লমিংলোনদি :- নম্বুল তুরেল তুশাং, মাইরোকফা নম্বুল তারকপা, লোকচিং, কোনজাই চোথে, খোইজুমান, নম্বোল, লমাংদোং, শামুশং, লৈশাংখোম তুশাং মনিং পাৎ লোয়া অকোই পুবা লাইনি। তুবী লাইদা মোইরাং শালাইনা লাংদাইবা লাংওননি মীংখৈদি য়াংকোই সনা লুকোইবা কৌএ। মচি হৌএ, মনা লাল্লে, মশাসু পানবনে। লাইদি তাওরোইনি। মীনা ওক্লরবদি মীদু লাইচুইএ, মাই মীৎ পোম্মে, ঈনা ঈশিং ওনগনি, লাইওং খংদবা ওইগনিএ, মখাগী থৌরম অসি পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- অহিংবা ঙাঙৌ ৭ য়াওগনিএ, চেংবী ফাহে ৩ থোক্লা হৈগনিএ। পুকরু ৱাইরু, হৈনাইবা ১, লিকোন ১, লাইফিদোন ২, মৈতৈ ঙানু ৩, লৈহুন লাংথ্রৈ লৈপোপ ১৮, তৌতোন ৭নি, হুপতোন ৭নি। কবোক অফাবা মুটথাং ১৮নি। শেনজোই ৩নি। হৈরংলোন ৭, লৈরংলোন ৭ মৈবী মৈরা ৭ য়াওনা লাইগী লাইফম মাইওন ওন্দুনা হৈথা লৈথা থাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- লাইবু কৌনা নোলজগনিএ, কি, হুং, তিং, তিং, না, হি, তোং, তোং, তোং, রি, রি, রি, নহাল নোংগী শিবা মপুগী খোনথোক য়াৱারেনবু তুবী লুকোইবা হোয়রিখিএ, নোংদা তুবী নফমলেন ফিনা কংনা মতমখিবনা তুবী শামিন ফংখিবনা লাইথুং তিনথুং মওইরে, শিদারেনগী ময়াথংনা তুবী লাইগী লাইকোনুংদা হৈথারোন লৈকৎ তমদুনা ইকোক নোলনা মহাইজৈ। তিনথুং লাইথুং পুন্নবা কুবী হৈবা তুবী তিনকোক লাইকোকবীরম্মু, হুং, হৈ, য়াং, তিং, হুং রি, তিং, হং, লো শালাইরেন শিদবগী য়াথংএ !!

" মীংখৈরোনদি "

" হিরেন তাওরোই লুকলেনবা কৌএ "

হিরেন পাখঙবা কৌএ

১। সনা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



(১) স্নাচিংশু খিরেনবাসু কৌএ
(২) মৈত্রেন পুংওইবাসু কৌএ
(৩) খাংলোই চিহৌরেনবসু কৌএ
(৪) সনা চুথাং য়ারেনবাসু কৌএ
(৫) তুবী লৈশা তাওবীরেনসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- মাকলং, ইরোইসেম্বা, চিংজিন, নমবুল তুরেল তুশাং ইরেল, বিজোয় গোবিন্দগী অকোইবা, লংথবান থোংখোং মকা হিয়াংথাং শনদংখোং, বৈনৌখোংনেম্বী অকোইবা, তশিং পুবা লাইনি। ওক্লরবদি মীদু লাইচুইএ, অনা লাইওং লাইথোক খংদবা, হকচাংদা সোর মরম সোকপা ওইএ, হকচাং কুচু ওনগনি, মিৎ ঙৌদোং কাংগনি, ঈশিং পুকচৎপগী লাইওং ওইএ, মখাগী থৌরমলোন অসি পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- চংবী লারাক লাতোন ৭নি হৈরমলোন ৭, লৈরমলোন ৭নি, লৈনুংগী পোংলম ৫নি, কবোক অফাবা মুটথাং ৭নি। চেংবী ফাহে ৩নি, খুমন লাংথ্রে লৈপোপ ১২নি, লৈহুন লাংথ্রে লৈপোপ ১৪নি, হৈনাইবা ২নি, লাইগী শাওংদি শেংবী চাগেমনা মশাগনি। মচুনা কুপলাং লাংগনিএ, শেনজোই ৩নি, মৈবী মৈরা ১২নি, উচান খোইজুলৈখাম য়াওবীয়ু সন্না লুপা কোনয়াই হুগনিএ। লাইগী লাইফম মাইওন ওন্দুনা হৈতম লৈতমজগনিএ।

লাইহনলোনদি :- উং, উং, রি, রি, রি,, তুবী লাইও চিংখোম্বাও, চিরিক খোংলোই মতাইরেম্বাও, শাকোক লমলেন চিরিকপা, নোংগী য়াৱা খোম্থোক্লে হোইয়ানা নমুনা হৈথা লৈথা পুম্বাবু তুবী মফমদা মকৎচৈএ, মথৌ পুংদা মপাংজৈএ, তুবী লাইনা নোংদম্বা য়াৱা খেকনা ইতমনা, লাইরমলোনদা মথোক্লা মঙম পোংদা মখনজা শালাইরেনগী য়াৱানা, তিলিরেন তিনশেংনা লাইরিরেন মকোকনা মতম খৈনা ইতাইবীয়ু। হুং তিং য়াং রি, রি, কু, ত্রক য়াং তিং ফম্বাললোনগী য়াথংএ

" মীংখৈরোনদি "

" সন্না লিরেন চিনাইবা কৌএ "

সনা লিরেন পাখঙবা কৌএ

১। হিগোক মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) চিনাই তাবী হিরোইবাসু কৌএ

(২) খিংঙারেন কাংগোইবাসু কৌএ

(৩) কিংহু পিচিরেনসু কৌএ

(৪) তুবী মুখাবাসু কৌএ

(৫) লাইরেন তাওরোই পুংলাংবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- চীংমৈরোং লাইফম সিফাই, কাইরম, অহল্লুপ, খাবম, উরিপোক লম্ফেল, হৈঙাং তুবী তুশাং পাৎ তুরেল ইরেল পাৎ পাৎথি কোমথি অকোইবা পুবা লাইনে। মচি চিরোং নাইনা পানবা খুমন লাইগী তুবী লাংওননে, মুনা লাংবা লাইনি। মীংখৈদি সন্না মিরেল চিনাইবা কৌএ। লাই অসি ওক্করবদি মীদু লাইওং খংদনা অনাবা ওইএ, লাইচুইএ, পুক কংখযলি, খোং খুৎ পোমি, কুচু মুইএ। ঈনা ঈশিং ওল্লে, খোং খুৎ চিংঙে খংউ। মকাগী থৌরম পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- ক্কাকলা ৭ চংবী লাতোন ২, লৈলচু লৈচুরোন ৭নি। হৈরম ৭, লৈরম ৭, লাংথ্রৈ মতোন ৭, কবোক নাচন ৭ মুটথাং ১৪ লৈহুন লাংথ্রৈ ১৪ চেংবী ফাহৈ ৭নি, শেজোই ৫নি। হৈপুম ১, লৈপুম ১, মৈরা ১৪, চেংবী য়ামনা সাবা লাইগী লাইওং ওগিনি। হৈবী মনা শিংজুসু য়াই লাইনা লৈবা লাইলোন মাইকৈ ওন্দুনা হৈথা লৈথারোন থাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- রি, উং, রি, রি, রি, হুং, রি, রি, চিরোং চিরেন খোইরেং তুবী লাইনা ইরিক্লে। মস্না নোংনা লাপুবী পুরী খাইরেন তুবীরেন কোবীরেনগী য়াথংনা তুবী লাইগী লাইকোন্দা হৈথা লৈথা মথাজা মঙম পুংদা মথৌ মখঞ্জা নোংগী য়ারা খোনথোক্লা তুবী ইহুন তিশেৎনা লাইরি

মাসু লাইশেংনা লাইতাইবীরো তুবীরেনবাও লাই শামি ইরিকনা নমু পোংবা পোংবী নুংলোন য়াইদা তাইবনা লাইথুং তিনথুং মওইরে কোকপা হৈবা তুবীরেননি, লাংওন য়ান্বা লাইরেননি, শিবগী য়াথংনে কোরৌ মালেম তাইফদে তিনথুংলেনবু মতাইনা লাইথুংলেনবু মকোকনা হুং তিং তিং তিং ময়াথংনে !!

" মীংখৈরোনদি "

" নোংদ্রেন খোম্বারেন কৌএ "

নোংদ্রেন পাখঙবা কৌএ

১। অমুবা-অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) খোংদ্রেন পাংওইরেম্বা কৌএ

(২) কুমলেন খোংশাবসু কৌএ

(৩) য়েকোই চিনাইরেনবসু কৌএ

(৪) ঙারেন তুবী থিংনাইবীসু কৌএ

(৫) খোংলাই তাওবীরেনসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- য়ারন পাৎ, ৱাখা কম্বোং ফুৎতা লৈবনে। থৈরোং হাওসু লাইনা লেপ্পা লৌখিএ। চিঙ্গৌই তুরেল ফকনুং, শাওম্বুং, পুখাও, শাগোলমাং, খারাসোন শংশাবী, ইরেননমপান, লমলাই, পুংদোংবম, সেক্তা, পুবা লাইনি খংও, মীংখৈদি নোংদ্রেন খোম্বারেন কৌএ। অরুবা লাইনি মচুদি মুরাং লাংবা লাইনে, মীনা ছেংনরবদি মীদু চারোন্দা লাইচুইএ, লাইমী লাইশক মুনা য়েংনা মখাগী থৌরমলোন থৌদা পাংলবদি মীদু লাইচুবা কোকএ খংও, লাই ওননা থৌকাংবদি মীদু লাইয়েংবা ঙমদেএ।

থৌখাইরোনদি :- পুংলেন ৭কী মালেম লৈশা লৌদুনা লাইগী শকলোন ওইগনিএ। য়াংকোক য়াংবী য়াৱা থক্তা চংবী লাতোন ৩গী মথক্তা লাইগী শাওং মথমগনিএ। কাবোক কৌলু থাং ৯ /৭ না পোকপা হাপীগনিএ, লৈচুরোন ৯, হৈচুরোন ৭নি, হৈরম ৭, লৈরম ৭, চেংবী মুটথাং ৯ /৯ সু য়াওগনি। মৈবী মৈরা লৈনুংগী পোৎলম ৫নি, সেনজোই ৩ লাংথ্রে মতোন ১৮, লৈহুন লাংথ্রে ওইগনিএ। লাইফম ওননা য়াওগনিএ।

লাইহনলোনদি :- উং, তিং, তিং, হুং, রি, রি, রি, চিরিক শাপন খোংলোইবা খোংশা খোংলম মৈলোংবা ইকোক তুবী তুখোংলেনবাও। লোংয়াং পুংলেনখিংখোইবা, য়াংবী শারোং পুংগেহিবাও খোংশা খিংগোই লাইকোইবা, চিংলেন য়াংনা মতাইখোং, তুবুম য়াংবী খোইদোংবাও, হে পুংথাং তুবী খিংগোইবাও, নোংকোরৌ সোরারেনগী য়াথংনে, তুবী নংলেন শাহুম ফংখিবনা লাইচু তিনচুরে। নঙমপোংদা মথৌ খঞ্জরে, মপু শিনথা ইঞ্জরে। তুবী লাইথুং হনবীরো লাইগী লাইথুং কোকপীরো হুং নিং তুং রি রি কুক কুক ফম্বাললোনগী য়াথংএ।

" মীংখৈরোনদি "

" লাইরেন ঙাঙোই তাওরোই কৌএ "

লাইরেন ঙাঙোই পাখঙবা কৌএ

১। থাংজিংপান মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) খংলাই তাওবীরেন কৌএ

(২) তেন থিল তাওথিংরেন কৌএ

(৩) ঙাথিল পুংনাইবা কৌএ

(৪) লাইরেল ঙারোইসু কৌএ

(৫) হুপলাই তৌথংবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- খুমন পাৎ অকোইবা চাউখোং ইরেন, শ্যামৈরোন, লাইপম সিফাই তুশাং পুবা লাইনে। তুবী লাইরেন তাওরোইনাইনা শারোন লাংওনবা লাইনে, অরুবনে, শিংতেক শিংদা ঙাপ্রুম অঙৌবা ঙাক্রা অঙৌবা ওইনসু লাংওল্লে। লিনলাই ওইনসু থোকএ। তু খুংদা লৈএ, থেংনরবদি মীদু য়ুথক ৩দা লাইচুইএ, লাওিংদি, পোমখৎলে, খোং খুৎ হকচাং পংথবা থোকএ, মখাগী থৌরম পাংথোকপীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- নৈহুনলোন লাংথৈ্র নৈপোপ ১৮ হৈচুরোন ৭নি, নৈখনলোন ৭নি। চরৈ অঙৌবা হুইথাং ৩ শাংবা ১, চংবী লাতোন ২,

লাইগী শাওংদি লাইথিনা শাগনিএ, ফৌনা মুটথাং ৭ পোক্কনিএ, শেনজোই ৩, মৈবী মৈরা ৩, হৈনাইবা ২, চেংবী মুটথাং ১৮, লায়াই লাতোন ৩নি। মৈতৈ ঙামু ৩ য়াওগনি, লাইফম ওন্‌জুনা থাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- হুং, হুং, হুং, মি, রেন, রি, হুং, রি, রি, রি, তুবী চিনাইরেন তুশংকোনবা লাইকোন শাংলোন চিকোনবী হুংপান লাইও তুবীরেনবাও। নোংগী য়াৱা মপাংঙৈ, ইরি ইচুম মনাইঙৈনে। নমু পোংনা খুনদা লৈনা তুবী মফমদা লৈবদা শামিন শারাং মঙাইরে পুংদা তুবী শামি মফংখিবনা তিনচু লাইচুরেনা নোংদা য়াৱা লৈবনা, লারিন মাগী য়াথোকফম তুবীরেনগী কোন.ারেন পুংদা হৈতারোন লৈথারোন মতমজা মপাংজৈএ, লাপিং পুন্বা মতাইবীয়ু তিনথুং পুন্বা তিনকোকবীয়ু। ইরিক খৈননা মতাইবীয়ু। হুং, নিং, চিক, চিক, য়ে হিক শালাই শিদবীগী য়াথংএ !!

মীংখৈরোনদি

‘হিরাং তুবীরেন্বা কৌএ’

হিরাং অথৌবা কৌএ

১। মুনা লাংবা মচুনে।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) লি হিং কনাইবসু কৌএ

(২) হৌবু তুংথিবা কৌএ

(৩) লাইরেন হিয়াংবসু কৌএ

(৪) কুমলাই লৈরোম্বাসু কৌএ

(৫) নাফু লোকপোইবা কৌএ

লমিৎলোনদি ঃ শালাই লৈতে। লমমিৎলোনদি মফম খুদিংদা লৈবা লাইনি খংও। মীদগী ওনরা লাইনে। তুবী য়াংবা লাংওনবা মচু ওনবা হিয়াং থৌরেনবা হাইনসু কৌএ। মহাকপু ওক্লরবদি মী ঙাওএ। চীংখোং চীংয়াং লম্চাং তুমহাংদসু লৈএ, মী ওই, লাই ওই শাওংনি তাওরোই ওইনসু থোকএ,

মীতমলেবাও, শাকোক তুবী মীকোকলেন। খোংশা খুদুং খোংমাবাও, লমলাই চুংতাই মতাইরেনবা। নোংগী চাকথা মথাজৈ। হৈ, ই কোনথা মকোকনা হয়া য়াংহুই ইরিকলোন লাইকোন কোনফুং মওইনা নহনফম ইরিপোন লাইকোননুং, কোনফুং মওইরেননা মতাইপুং খোংলেবা য়াংবা হিয়াংলেন হিংপোৎ পোংখাং হিমোংলেবাও। অঙক অঙাও, তিনজু লাইচুরেন পোংহৈবাবু মপু শিদারেন ময়াথংনা তুবী লাইও হিংয়ালেন নংবু মতাইএ, উং, পিং, য়াং খুং হুক তিং তিং মফমলোনগী য়াথংএ।

" মীংখৈরোনদি "

" তুবী মীংহিংলেন কৌএ "

মীতৈপাককী লাইনি

তুবী লাইরেন পাখঙবা কৌএ

১। ঙাংনা লাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) তুবী কাকশা তোলোইবা কৌএ

(২) কোগোম শারিপ কৌএ

(৩) লৈরেন তুবী লৈচিবাসু কৌএ

(৪) তুবী থাংগোই লুক লুবসু কৌএ

(৫) ঙাংবা হিংলেনবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- অৱারোমগী লাইনি, ব্রমাহাদেসকী তুবী লাইনি শাকোতি মীতমলেননিএ, অরুবা লাইগী লাংওন লাংদাইনি। মচুদি লাংএ, পানদা চৎপদা মীরনলোনদা ওক্করবদি লাই অসি শাকোক উখ্রবদি মীদু লাইচুইএ। লাই অসিগী থৌরম থৌদা পাংবদি লাইচুবা কোকএ। লাইওংদি, মী অদুগী মশাদা ঙাগী মকু হুবগুম ওইএ, পুকসু কংখৎলে। কুচু ফুৱাওনগনিএ, মশাদা ঈনা ঈশিং ওনগনি, মশাদা চিংবা হৌগনি, মখাগী থৌরমলোন অসি পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- ঙাপাং ৭ য়াওগনি, নতেকপা ঙাঙৌ ২, হৈনাইবা ২, ক্কাকলা ৫, পানখোকলা ৭, পানাও ৭, শিংনাও ৯নি, হৈ মরম ৭, লৈ মরম ৭ হৈক্রু, হৈনিং, হৈখা ঙাপ্রুম ১, কবোক অফাবা খরা চেং মুটথাং ৭নি। শেনজোই ৭, লাংথ্রে মতোন ফী অঙৌবা মচা হুইথাং ২, লৈ অঙৌ লিকলাং ১, হৈথা লৈরোন থাবদি মাইকৈ লৈতেএ, লাইগী শাওং উন্না খুরুম্বা য়াদেএ, লাইফিদোন ১ য়াওগনি, মৈবা মৈরা ১৮, মখাগী লাইহনলোন পাংবীয়ু।

লাইহনলোনদি :- চিং, হুং, না, হি, য়ে, য়ে, তিং, পোং, য়াংনা, তুং, হুং, মি, মি, য়ে, হি, তোং হি, নোং, য়াং, পুং, রি, রি, পোং, সোং, মি, মি, কু, য়ি, হা, নিং, নোং, পু, হুং, রি, চুং, হুং, পি, সে, শা, না উং, য়াং, পি না হি, কুক তিং, য়াংরি, চিংলেন, পুং য়াংনা ইখোংলেবাও, হুং, য়ে, তিং, তিং, হৌনা য়াংকোইরেন তিং, হুকনা মীকোংবা, য়াংবী তুশাং খাংখোইরেনবাও, চি হুং মি তিং তিং ময়াথংএ।

" মীংখৈরোনদি "

" সোরারেন খঙকোই তুবী কৌএ "

চীংমীগী লাইনি।

সোরারেন পাখঙবা কৌএ

১। অসংবা মচুনে

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) খংলোই মোরাবাসু কৌএ

(২) খাংসু তুবী পুংনাইবাসু কৌএ

(৩) লাইরেন চিংহুরেনসু কৌএ

(৪) চিংলাইরেন তুবীহনবা কৌএ

(৫) পুমনাই খোনয়াইরেম্বাসু কৌএ

লমিংলোনদি :- য়াইঙংপোকপী, উকসু, লিতান, ফুংয়ার, উখুল, খৌবুম, নুংবা, তৌশেম, তমেংলোং চীংয়া চীংখোং, লোক তাই, শুরুংদা লৈবা তুবী লাইরেননি, অরুবা লাইনি খংও, কৈই কৈজুমদা লৈএ, মীংখৈরোনদি সোরারেন খংকোই তুবীরেন কৌএ, ওক্লরবদি মীদু লাইচুইএ, পুক কংখৎলি ঈনা ঈশিং ওল্লি, কুচু মুশিল্লি, খোং কুৎ পংথৈএ, ফাদুনা চারুরবদি মীদু চহি ২ পুনশিদেএ।

থাখাইরোনদি :- পানখোক লমপান লা ৭নি, চংবী লাতোন ৭, পুকরু ৱ াইরু চগেম চগাই, হৈবী হৈনাই, হৈত্রোই, হৈনিং, চেংবী ফাফৈ মুট ৩ /৩ ফাহৈ ৭নি। হৈনাই হৈপুম ৭, কবোক মুটথাং ৭, লাংথ্রৈ লৈহুন ১৮নি, হুইথাং মীমু ৩নি। শেনজা সেনকুপ ৭নি, লৈশা শাওং চাগে চুনাইনি, লাইগী পোৎলমশিং অসি লাইফম ওন্দুনা তু খোংদা লাইগী থৌরম পাংগনিএ।

লাইহনলোনদি :- নিং, নিং, নিং, উ, উ, উ, নে, নে, নে শারাঙ ৱাংবা মৱালে, য়াংলেন মতাইঙৈ ইতমলে। তুবী লাইরেন য়াথোকলে, মীনাই লোইতাই লৈই কৈসুনলোন, হৈথা লৈথা মতম পুং পোংদা মঙম মপাংলেন। মপুরেনগী য়াৱারেন ইকোক নোলনা মহাইজৈ থৌদা মাবু মইজৈ। ইরেন পুথোং য়াংবী মতাইখোং থৌপি ৱাংনা মগাইরে। খাংবী লৈরেন তুশাংকোন, তুবী হৈরেন ইখমবাও নোংমী য়াৱা মইনা থৌদা মাপু মপাংবা সোরারেনগী য়াথংএ। চিং হুং, পাংখোং কোরৌ নোং য়াংবনসু মতাইএ, হিং, কিক য়াং হল্লো।

" মীংখৈরোনদি "

" অন্না চিংখোই খিউবা কৌএ "

মুসিলিমগী লাইনি।

অন্না পাখঙবা কৌএ

১। সনা মচুনে

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) অন্না মিনু লৌথিবা কৌএ

(২) মিনু খিংখুবাসু কৌএ

(৩) লাংওন চিনাইরেনসু কৌএ

(৪) খিউ কাউ থিবাসু কৌএ

(৫) থিংউ অন্না তাউবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- মুসিলিম পাঙনগী লাইনি খংও, অন্না সাকুরনি খোদা কশম শতৎ অঙোম শালাইগী লাংওনবা তুবী লাইরেনদি অরুবনি। পাৎ পুখ্রি তুরেল খোংলম তুশাং ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল লিলোং তুশাং পুবা লাইনি। মীংখৈদি অন্না চিংখোই খিউবা কৌএ, লাই অসি ওক্লরবদি মীদু লাইচুইএ, মখাগী থৌরম অসি পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- হৈ মরম ৭নি, লৈ মচু ৭নি, ঙারম অহিংবা য়াওগনিএ, মনা মশিং অনৌ অপেন হাপকনিএ, মচু অহুমগী ফিরান মচা ১ য়াওগনি। চেংবী ফাহৈ ১, শেনজা ৭ য়াওগনি। নৈতোন অসিবা ৩ লাংথ্রে মতোন ১৮, নাপি মরম ৭ পুন্নমক অসি খুদৈ অঙৌবা ১গী মথক্তা হাপলগা ফিদুনা য়োমলগা লাইফম মাইকৈ ওন্দুনা থাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- অলা সকুরনি, খোদা কশম শতৎ মহা তা তা। শতান য়ল্লা য়ল্লা, অলা হু য়ল্লা, অল্লা হু য়াল্লা য়াল্লা, য়জি বৃন য়াজিন সিন য়লা য়াল্লা তুবী লাইরেন অঙোম শালাই তাওরোইনাইও। অল্লা হু য়জি বৃন য়াল্লা য়াল্লা অহৎ রবি কুন্তর য়ল্লা, তুবী মহমফমদা হল্লো লাইরেন নতেফমদা তেরো নহাল নোংগী য়াৱানা তুবী চাকথ থাদুনা মপু ইমুংঙোনা নংহাকপু মতাপুংদা তাইরবনে হল্লো অল্লো হু য়াজি বৃন য়ল্লা য়ল্লা।

" মীংখৈরোনদি "

" তাওরোই য়ারেল লিকলুরেন কৌএ "

সাহেপকী লাইনি।

তাওরোসনাই সনা পাখঙবা কৌএ

১। ঙাংনা মুবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১)পোংলোই তুহন য়াংবা কৌএ

(২)লাইরেন কোকোই তাওবী কৌএ

(৩)ইমি খময়াংবাসু কৌএ

(৪) খময়াং পোংবরেনসু কৌএ

(৫) য়াংসুং তুবী ঙাংহুনসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- পানগী শাহেপকী লাইনি। শালাইদি নিংথৌজানে ঙাংয়েকনি। পাৎ পুখ্রি তুরেল অচৌবা তুশাং চীংয়াদা লৈবা লাইনে। অরুবা লাইনি খংও, মীনা ওক্লরবুদ মীদু লাইচুএ। মীংখৈদি তাওরোই য়ারেন চিকলুরেন কৌএ, ওক্লবা লাইওংদি পুক কংখৎলে, লেংবা থিনবা, ফুনবা হকচাং পংথবা লৈগনি। মখাগী থৌরমলোন অসি লাইফম মাইওন ওন্দুনা পাংবীগনিএ।

থৌখাইরোনদি :- কোরিগী পাত্রা ১,শারমলেন ১, ঙারমলেন ৬, চেং মুটথাং ৭, সেনকুপ ৩, শারেং মচা ১, ক্বারা ১, মনা ১ খোইহি খরা শঙ্গোম অনৌবা খরা, চেংবী মকুপনা তাওরোই শকতম লাংগনিএ। সেনজোই ৩নি, মৈবা মৈরা ৭, হৈ ১, লৈ ১, হৈকন লৈকন খরা কবোক অফাবা খরা, তু খোংং অমদা হেক্তা থৌরম পাংবীগনি।

লাইহনলোনদি :- সি, হুং, না, পি, হুং, রি, রি, শিংনোং, হিরিকোন, ফৈরাকোন, য়াংলিপো, খৈনোংয়াং, ফরিখোং খাইনোংয়াং য়াংবীকোন তিং, হুং, রি, ইচিংকোন, য়াংচিকোন। কোন পুংলেন ইরিক ইরেন পুংগোই ইরিক কোন কোন য়াংবী ইনহি নাইরিকোন, কোফা কাংজিরেন পুংদোং হৌখ্রি য়াংনা তিং, তিং, পুং, য়াং হি, রি, তিং, তিং, রি, রি সোনে, হংকোংলে পুং য়াংহুইনা ইনুং য়াংএ।

" মীংখৈরোনদি "

" য়াংগোই ফমলেন ফমতাইরেন তুবীরেনবা কৌএ "

মঙাং, লুৱাং, খুমন পাখঙবা কৌএ

১। মচু ৩ তিনগনিএ

২। অঙাংবা, অঙৌবা, অমুবা।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) ঙাগোই পোংহৈবা কৌএ

(২) লুংলেন য়াইপুবা কৌএ

(৩) খুলেন কামলিবাসু কৌএ

(৪) ফমখাই য়াংবসু কৌএ

(৫) তাওবী খীংখারেনসু কৌএ

লমিংলোনদি :- মঙাং, লুৱাং, খুমননা লাংওনবা মচু অহুম থোক্লা তিনবা লানি। তুবী লাইদা লাংওনবা খুরাই কোংবা ইরেল লাইরিক য়েংবম লৈকাই পুথিবা লাইকোন, খুমন তুবী লাংদাইরেন, কংলা মারেক ইরেন কে তু তুশাং পাৎ তুরেল তুখোংদা লৈবা লাইনে। থৌনিজরবদি পুনসিনে, চৈথেংবীরবদি মীদু চহিওনদে, অঙাওবা ওইএ, শিএ, করিগুম্বা থেংনরবদি, মখাগী থৌরম অসি লাইগী লাইফম মফম অদু ওননা থৌরম থৌদা পাংগনিএ।

থৌখাইরোনদি :- চংবী লাকোন ৩, লৈহৌরা ৩, থম্না ৩, হৈনাইবা ৩, হৈরমলোন ৭, লৈরমলোন ৭, কবোক নাচন৭, লৈহুন লাংথ্রৈ মতোন ১৮নি। তেংবী ফাট ৩নি। মৈবা মৈরা ৩, শেনজোই ৩, তৌলাংমতোন হপলাং মতোন ৭নি। কবোক ফৌ মুটথাং ৭ কী ওইএ, লৈনুংগী পোৎলম ৩, অশাৎপা লৈ মখল ৩নি, হায়রিবা পোৎলমশিং অসি থাদুনা থৌরম পংএ।

লাইহনলোনদি :- উং, হি, য়ে, য়ে, তিং তিং হিং তিং তিং, তিং, রি, রি, রি, এ। নোংগী য়াৱা ইখমলেন, নোংলেন কোংলোই য়াংবা ইখম তোংলোইবাও ইপুং চিংলেন মপুংলেনও, সালাই পাউথা য়াংওইবাও, নোং য়াৱা ইরিকলোন। মপু থৌদা ৱাংবনে। হোয়াননা ইতমজৈ, হৈকৎ লৈকৎ মতমজনা পুংগী য়াইদা মথাজৈ। উং, হি খিৱাই তোংহোইবাও, মৈতা লিজি হুমোইবা তিন থুং লাইথুং মকোকপীরো মঙাং, লুৱাং, খুমন ফম্বাললেন ৩গী য়াথংএ।

" মীংখৈরোনদি "

" কাতয়াই সিদবা লাইরেল হললোইবা কৌএ "

কাতয়াইসিদবা পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) কাতপুং য়াইরেনবা কৌএ

(২) হনলোই খনপুংবাসু কৌএ

(৩) শাকোই কোইরেম্বাসু কৌএ

(৪) নিংথিং তাওবী য়াংবসু কৌএ

(৫) খুনখাইপুং ঙালোইবসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- লমমিৎলোনা পীএ খা, ৱাং, নোংপোক, নোংচুপ য়েক শালাই ৭ মক লাইওকনবা তুবী লাই লাইতাইবদা য়াদ্রবদা, কংলা নুংঙ্গেংদা নোংখ্রেং, ইরুপফমদা ইরুপলগা লাইথুং তিনথুং পুম্নমক কোকএ, লাইচুবসু

কোকএ। মমিংদি নোংখ্রেং পাখঙবা কৌএ। সনা সরি পাখঙবসু কৌএ, লাইগী ফাখোং ১২নি। ইরাৎচনা থৌনিজবনি মশাগীতা নৎতনা ইমুং মনুংগী অফবা ফল ওইএ। অরুবা লাইনি খংও, কোকনোনজনা নিজবা পুনসি শাংএ।

থৌখাইরোনদি :- হৈকোক হৈপুম ৩, হৈনাইবা ৩, লৈচুরোন ১৪, হৈখললোনদি ৯ নি। চরৈ অঙৌবা ৩ চংবী লাতোন ৭ /৯, মৈরা ৭ /৯, শেনখাই সেনজোই ৯ /৭ নি, লৈচুরোনদি লুৱাংনে, লিকলাং ৩, লাই হিরেন থক ৭, লৈনুংলেন পোৎলমদি ৫নি। উহৈরোন ৫নি। মাইকৈ ৪ থাদুনা, থাইদা তাওরোই পাখঙবগী খুবমলেন ওইগনিএ, মৈবী মৈরা মৈ থাদনা নোংপোক মাইওন ওন্দুনা খাইগী লাইদা থৌপাংগনিএ।

লাইহনলোনদি :- হৈ হয়া মপুরেন সুপনা তাইনা মতাইএ। নোং য়াংবা মউরেন য়াংবা য়াইকোন মপুরেন। নুংলোন পালোই মপুরেন য়ুমথা য়াংবী ইনুংবা নোংগী থৌখাই মপাংজা কুবীয়ুদে মপুরেন। হৈ হয়া পোংলেন য়াংওইবাও, হিরি কোনা মকোনবীনা য়াইরি কোন্না মাওইরেন ইচিক য়াংবা ইরেনবা, থৌখাই মপুং মপাংজৈ, ইকোক নোলনা মহাইজৈএ, থৌদা মঙম মপাংজৈ. হৈ হয়া মপুরেন। য়াংগোই তাওরোই ইখমলেম্বাও, নমু পোংথাবনা মঙম পোংদা মপাংজৈএ। থৌন থৌখাই কোকনোনজৈএ।

" মীংখৈরোনদি "

" তুশাং লাকপা খঙলোংবা কৌএ "

তুশাংলাকপা পাখঙবা কৌএ

১। থাংজিংপান মচুনে

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) তুশাং শাংগোই য়াংবা কৌএ

(২) ঙংথা পোংহিবাসু কৌএ

(৩) ঙামি থেনগুম তুবীরেন কৌএ

(৪) মৈতোন তাওবীরেন কৌএ

(৫) কিংলোং নাতোংবাসু কৌএ

লমিংলোনদি :- খুমন শলাই তুরেন লাইনি। মোইরাং খোরি কৈথেল, মোংবা কফুং তোবিং শেন্দ্রা পাৎ, খুগা ইরেন, শিজংথোক ইরোন পাৎ, শাগাং হাওবা মমাং পাৎ, খরসোন হাও, লাইকৌ পাৎ, ব্রাংব্রেনগী লাইফম তিনফম লোকনিংথৌগী লাইকোন পাৎ, ইথাই তুরেন, তুরেন তুশাং পাৎ পুবা লাইনি। অরুবা লাইনি। থেংলরবদি লাইচুএ, ওক্লরবদি মখাগী থৌরম অসি পাংথোকলবদি, লাইচুবগী কনথোকচবা ঙমমে।

থৌখাইরোনদি :- ক্লাক লা ৭ কা ক্লাফল মাপন গা হৈথারোন ৯নি, লৈথারোন ৭ কা লাংথ্রেদি লাংথ্রে মতোন ৭ অমসুং মাপন খুমন লাংথ্রে মতোন মাপন অমসুং তরেৎনি। সেনজোই তরেৎনি। কবোক মুটথাং ৭ নি। হৈবী হৈনাইবা ৩নি। মৈবী মৈথাং ৭নি, চংবী লাতোন অহুম, চেংবী ফাহৈ ৩নি, লাইফমদা লাইকোনদা নত্রহা লাইকোন ওন্দুনা মাইওননি নোংপোক ওন্দুনা খুরুমগনিএ।

লাইহনলোনদি :- খুমন তুবী ইখম তাওরোই য়াংবাও, ইকোক নোলনা মহাইজৈদ। হৈখাং য়াংবা পোংহৈবা, পোংবা পোংবী ইহুনবনা নোংগী মপু থৌশিনবা য়াথংলেনবাবু ইজদুনা, হৈথা লৈথা মতমজনা, তুবী খুমনসন্না চিরেন মৈখোইবা য়াংবী তুশাং মপুরেন। মিৎয়েং হিরেন ইখমলেন মতাইবীয়ু। তিনথুং লাইথুং, লাইথেক লাইওং ইচখিোন ইরেন পুংকোইলেনা মতাইবীয়ু। হুং, উং, রি, পি, তাও, শি, কুক, কুক, শিদারেন মপুগী য়াথংএ।

" মীংখৈরোনদি "

" নোংত্রেনখোম্বা য়াংবা কৌএ "

নোংদ্রেনখোম্বা পাখঙবা কৌএ

১। অসংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) হলোই খোংলেম্বাসু কৌএ

(২) কৌবী খিংদ্রেনবসু কৌএ

(৩) কুলেং নারনবসু কৌএ

(৪) চুরাই য়াংবা নোংত্রেনসু কৌএ

(৫) তুবী হুপলেন নারনবসু কৌএ

লমিংলোনদি :- খাবা শালাইনি, অশংবনা লাংবনে, শিংজামৈ ৱাংমা অকাম লবুক্কী মখা খোংমন তুশাং মমাং পাৎ লাইকোন কোংবা থিংঙেন কৈথেল তুশা খোংনাং মখা, অৱাংকোন লাইরেন পাৎ তুশাং, লঙ্গোল পাং শুরুং ফাওএ। খা কবোক পাৎকী তাওরোইবসু কৌএ, নোংদ্রেনখোম্বা পাখংবসু কৌএ। ওক্রুবা থোক্লবদি লাইচুএ। মখাগী থৌরম থৌদা অসি তৌরবদি লাইচুবা মীদু অফবা ওইএ।

থৌখাইরোনদি :- কবোক মুটথাং ৭, য়ামগী চেংবীনা লাইগী শাওং ওইগনি, হৈনিং, হৈত্রোই, হৈরি, হৈরমলোন ৭, লৈরমলোন ৯, শেনজোই ৯, সাংথ্রৈ খুমন ওইএ, মৈবী মৈরা য়াওনা লাইকোন মায়ওন ওন্না খুরমও।

লাইহনলোনদি :- শারাং লাইওই তুবীরেন তুশাং পাকলোই ইরেনপুং, পুংগোই য়াংবা ইরেনবা চিক য়ারেন হিগোনবা, তুবী মৈনা পুংলেবাও, খোংলোই য়াইবা মপুরেন হোইয়া ইচিল ইখমলে, তিং, য়াং, উং, রি, রি, হি পো তুবী য়াখুরেনবা শালাই য়াংবী চিনাইবাও, মপুরেনগী য়াথংএ। তিং, কো, লা, পি, পু, য়াই, এ এ না।

" মীংখৈরোনদি "

" তুবী তাওরোই লৈরিকসং কৌএ "

লিরিকসং পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) কমথেং লিকসাবা কৌএ

(২) নুরেন খমলোং লিকশাবাসু কৌএ

(৩) তুবী হিয়াংবাসু কৌএ

(৪) মিৎলু কংলাইবাসু কৌএ

(৫) লাইরেল পোংশারেনসু কৌএ

লমিংলোনদি :- লংথাবানগী চীংয়াদা লৈবা নিংথৌজা য়েক্কী লাইন, কংলা কোনুং শুরুং কোনবা লাই পাখঙবনি। কৈবুন শামদাইবুং, লিলাখোং চন্দ্রনদি, লাংথাবান, কানচিপুর কোনুং অকোইবা শরুং, নারনকোনজীন কফুং

ইরোং নোংচুপ নোংপোক অকোইবা, লিলাখোং চজিং কয়াম হৈপোক তুখোং নম্বুল তাবা লাইদি নিংথৌজা তাওরোইনাই পাখঙবনে। ওক্লরবদি লাইচুএ, মখাগী থৌদারোন অসি পাংথোকপীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- ক্সাকলা ৭, লারোং ৩, হৈ মচু ৭, লৈ মচু ৯, শেনজোই ৩, শেনখাই ৩, চেংবী ফাহৈ ৩, লৈখোক নাইবা ৭, তৌরাং ১৯, হুপলা ৭, মৈরাং ৭, মৈথাং ৩, হৈনাইবা ৩, লৈসু ৭, চরৈ অঙৌবা ১, কবোক মুটথাং ৭, লাংথ্রৈ খুমন য়াওনা লাইকোন মাইকোন ওন্দুনা লাইজদা থাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- চিং চিংলেন চীংখমলেবাও, শাংলেন নোংলেন ৰাংখুমেনস চিনাই হুপান নোংলিকপা য়ারেন হিরেন নোংখিবা, কুপলাই য়াংবা তাওরোইও, নোংগী হৈরাং মখাঙৈ, হৈপো, লৈপোং, মৈথাংলোন, হোয়া পুংলেন মখললেনে, ই চিক, খোং য়াংস তিং হুক গুরুয়েন শিদবগী য়াথংএ।।
(অসুম্না হায়জদুনা খুরুমগনিএ। মঙাং, লুৰাং, খুমনদা থৌরমলোন পাংফএ।)

" মীংখৈরোনদি "

" তাওরোইনাই পেলোংঙন্বা কৌএ "

পেলোংঙন্বা পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) হিরাং কিরোই চিনাইরেন কৌএ (৪) কৌবী তাওরোই হিংবাসু কৌএ

(২) হিমাং লাইরেল হিপুংলেন কৌএ (৫) তাওবী ইরিং হিপুরেন কৌ

(৩) স্না কোংপী য়াংবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- গরিবনিৰাজ মহারাজ স্না খোঙনেৎহিনি, হিশিদা মহারাজনা লেংথোকরকই, পেলোংঙন্বা হিয়াং লাইগী অরুবা হিনি। হৌজিক ফাওবা লোকতাক খারাদা পান্দুনা লৈএ, লাইদি ঙাংয়েকনি। থেংলরবদি লাইচুএ। মখাগী থৌরমলোন পাংবীয়ু অফবা ওইএ।

থৌখাইরোনদি :- হিয়াং হিরেনগী শওংদি, লফু তুংগা মওংদা, শাগী শওং ওইবগুম, চিরোং চিরেন নাইফৈএ, মচু ৫ (মঙা) লাংগনি, মীতম মীওই য়াওগনি, পেগী চোমাং হাপক্লীএ। হৈরাং হৈথা তমগনি। লারোং তুরেৎ য়াওগনিএ। শিংজা অহুম হাপকনি, লাই ইপান্দা থৌনিজগনি।

লাইহনলোনদি :- নিংথেম কোনগী সনা পুংকোই য়াংলোই পুংলেন মপুংলে, হিয়াং হিরেন হিথোইরেবাও, সনা চিকোন য়াংখুবা নোংগী খোংলেন য়ারেবাও, ইনুং খিংনোই মহাইরেন মঙাংলেপু মওরে, কিং, হি হিরাংলে স্না পোংবী য়াইবাও, খু রি হুং তিং শিদরেন তাওদিংগী ময়াথংনে।
(লাইহনলোন অসিবু হায়জদুনা খুরুমজরবদি লাইচুজনা অৱা চৈথেং ফংলবা অদুবু কোকপীদুনা অপবা ওইএ। মঙাং, লুৱাং, খুমনগী পুংফমলেনদা থৌরম এসিবু পাংফএ।)

" মীংখৈরোনদি "

" হিরাং চিওইবা তোলোংঙম্বা কৌএ "

তোলোংঙম্বা পাখঙবা কৌএ

১। ঙৌনা লাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) হিরাং সুপলাইবাসু কৌএ

(২) চিং য়াই হিরাং তাওবী কৌএ

(৩) হিরাং তাওবী লোইঙম্বা কৌএ

(৪) কৌথিং পোংবা হিরাংসু কৌএ

(৫) তাবু পেখম য়াংবসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- গরিবনিৱাজ মহারাজ শ্যামশাই খুরালিকপা সিনা লৈখিদ্রবা তুংদা স্না কোনুং হি গী সংদগী লোক্তাক খোংজীন য়ৌনা মতোমদা কুমথখিদুনা হৌজিক ফাওবা লৈরিএ, মীনা করিগুম্বা ওক্লরবদি মী শিরে, মখাগী থৌরম পাংবীয়ু অরুবা নিংথৌগী হিরাংনে।

থৌখাইরোনদি :- চংবী লাতোন ৭, খোংবান্দা হৈথারোন ৭, লৈথারোন ৭, লাংথ্রে মতোন ১৮, য়াওগনিএ, ফী অঙৌবা অমা থাগনি। শেনচোই ৭, মৈবী মৈরা থানগনি, হিয়াংনা তাইরেননা শাদুনা চিরেন চিরোং হাপকনি। মচু অহুম লাংগনিএ, পে, অমা হাপকনিএ, শেন ৭ হাপকনি।

লাইহনলোনদি :- হিয়াং হিরেন হিথোইবা তাওরোই লাইওইবও, ফমলেন ফমদোং ফমলাই পুং পোংগো সনা হিয়ারেন, মউলেনলে লোংহৈবনা পোং, খনলেন মখললেন, য়াংবা হোইয়েংবীনা হিয়াং হিরেন হিহোনবনা হিমাই হিকোই হিনাইবাও, চিক কোন পাৎ য়াং গুরুনে শিদবগী য়াথংএ।

(থৌরম অসি পাংগরবদি অফবা ওইএ, মঙাং, লুৱাং, খুমন পুংফমলেন মঙম পাংবা মফএ।)

" মীংখৈরোনদি "

" খুমন পোংলেন হিরাং কৌএ "

খুমন পোকলেন হিরাং পাখঙবা ৫

১। মুনা লাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) খাংগোই তাওবী হিরাংবা কৌএ

(২) তৌবু খিংগোই য়াংবসু কৌএ

(৩) হিরাং লাংঙোই তাওবীসু কৌএ

(৪) কুপলাই ঙাংহুইবসু কৌএ

(৫) নেংথৌ হিরাংঙন্বাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- খুমন নীংথৌগী হিনি, হৈপোক চীংয়া চময়াদা ৱাৱা লাওনা হিরাওখোনবু তারিএ, হি অদু নুং ওইনা হৌজিক ফাওবসু লৈরীএ, হি হোন্দুনা চৎলিএ, শাননরিএ থেংনরবদি লাইচুয়ে, মদু খুমন পোকপনি। খুমন নিংথৌগী স্না খুনেৎ হিএ, থৌবোম মপালনা ঈশিং ওইরিএ, মথক্তা হিবু হোন্দুনা শাননরিএ, অঙাওবা লাইনি, নোংপোক্কী হিগোরকপনা হিয়াংথাং হৈপোকচীংগী হিদেন্দা থাঙৈএ। হৌজিক ফাওবা খুমন হি ওন্দুনা লৈএ, ওক্লরবদি লাচিএ। থৌরম পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- চংবী লারোং ৭ কী মথক্তা উনা মতোইরে ২ না হিয়াংরেনগী শাওংনি, য়ুখন ২ য়াওগনিএ, নোংপোক নোংবু ওইগনিএ, মচু ৩ লাংগনি, মমীৎ মীৎস্না য়াওগনি চিংবু হিরেন হাপকনিএ, ওইনা শল্লাং হাপকনী, মাইকৈ লাইফম ওনগনি, থৌনী থৌখায় পাংগনিএ।

লাইহনলোনদি :- উং হিয়াং হিরোই হিরেন পাংলোই হিকোনবাও হিকোক হিনাও ইরেনপুং পুংলেন লাইজা খিংকাবা, হিংনাও পোংলেন পোংশাবা, পোংহি, হিরেনপেৎ নাইরোনবা স্না চিরেন য়াংওইবও, তুবী খমলেন ইশাপুং তিং য়াং নোং য়ে তং উং নে, শিদরেনগী য়াথংএ ।।

(থৌরম অসি পাংজরবদি লাইচুবা লাইকোকএ। মঙাং, লুৰাং, খুমন পুংফমলেন পংফএ।)

" মীংখৈরোনদি "

" চিংদ্রেন নোংদ্রেন্বা কৌএ "

চিংদ্রেন নোংদ্রেন্বা কৌএ

১। অঙাংবনা লাংবা মচুনে



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) ঙাংদ্রেন তাওবীরেনসু কৌএ

(২) লৈবুং খিংসু য়াংবসু কৌএ

(৩) তুবী কিংনাই চিনাইবসু কৌএ

(৪) ঙাংদেং পিফু য়াংবসু কৌএ

(৫) পিনাই খোংদ্রেনবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- ঙাংয়েকনি চিংনাং খোংনাং পাঙ্গোং পাৎ মমাং, নোংমৈবুং পুরৈরোম্বা, ৱাংখৈ লৈকাই নিংথেম পুখ্রি মিনিথোং বক্রম পনথৌং, শরুক লাংকক পাখংবসু কৌএ, তখেল খোং তুশাং লাইরম পাৎ, লৌরেম্বম পুং, হৈত্রোই মখোংদা, অন্দ্রোগী শোইবুং রিরেন, বামোন লৈকাই অকোইবা পুবা লাইনে, অরুবনে, ওক্লরবদি মীদু লাইচুইএ। মখাগী থৌরম থৌদা অসি পাংথোকপীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- চংবী লাতোন লারাক ৩, হৈনাই লৈতোন ৩, লৈচনলোন ৩, লৈতোন লাংথ্রে ১৪, কবোক লোকমাই ৭, পুকয়ু ৱাইয়ু, হৈরমলোন ৭, লৈরমলোন ৭ মৈবী মৈরা ৭, শেনচোই ৭, চেংবী ফাহৈ ২, য়াওনা লাইগী লাইখোং মাইওন ওন্দুনা খুরুমজগনিএ।

লাইহনলোনদি :- ঙাংলোই য়াংবা তাওরোই ই্বা পোৎথা য়াবোও, য়ারেন খিকলোস চিরোনবা, মৈরোন ইরোন কারোংবা লৈকা লৈরা খিংকাবাও, নোংগী য়াৱারেন ইতমলেক, পোংবা মঙমলে মপাংলে, চিংকোন য়াংবী মতালেন, খিক মিক, হিক, লেবাও, তিক য়াং পুংবাও শালাইরেনীগী য়াথংএ। (অসুম্না থৌনি পরৈ পাংজৌও, অফ খিবিক মওই, মঙাং, লুৱাং, খুমন অফ পুংলেন পংফএ।)

" মীংখৈরোনদি "

" সন্নহন লোকচাই স্না চিঙস্বা কৌএ "

স্নাহন লোকচাও স্না কৌএ

১। হিগোক / অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) ঙমরাং তাওবীরেন কৌএ

(২) পুমলাই তুবী হিরিংবা কৌএ

(৩) খোংগো লৈকু য়াংবসু কৌএ

(৪) কুমথোং লৈসারেনসু কৌএ

(৫) তুবী চুংহাইরেনসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- শালাইদি লৈতৈএ, নুংলোন তরেৎতা (৭) পুবা লাইনি, ঈনা ইরম তরিৎ, খোংগী খোংলম মাপল (৯) ইরমলোন ১০৮, লা থক খা, খোংদারিবদা লমমিৎলোন নুংলোন ৭ (তরেৎ) পুবা লাই পেরেবু লাগী শাথুপ অসি য়েকলগা ইরাৎ পুজা থৌরম থৌখাই পাংজবদি ঈরমদা খাদা হাইথবা নুংশংলোন পেরেবু মকোকনিএ। মখাগী থৌরম পাংবীয়ু। লাইথুং তিনথুং কোকই, থৌনি থৌখাই পাংবদি অফবা ওইএ।।

থৌখাইরোনদি :- লারাক চংবী ৩, চরৈ অঙৌবা ৩, হৈনাইবা ৫, হৈকাংবা ৩, লৈ মচু ৭, হৈ মরম ৫, চেংবী ফাহৈ ৩, মৈবী মৈরা ৫, লৈনুংলোন পোৎলম ৩নি, সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াই মতাইএ, তাইরেন পুংফাই য়াওফৈএ, ঈরম ৭, খোংলম ৯গী লাইজা য়াওফৈএ।

লাইহনলোনদি :- হৈ হৈয়া (হয়া) নোংলোন মপু ইরিবগী লাংওন লাংদাই মওইরেম্বা, তুবী লাইও শকোকলেম্বা য়ারেন য়াই, কুপলেনবাও, ইরনলোন ইথৈ পুংদা মওইএ, ইখমলেন লাইজা ইতমপুংলেন, হি য়াই মনুংলোন য়াংবী তুশাং থকওইরেন, ইতমলেনবা মওইরেস হিংলেন পোংবা য়াংওইনরে হরি চকলোন মতাইখোং, কুবীয়ুদো তাওরোই মপুরেন, হৈ হয়া ইনুংলোন ।। (থৌপাংও অফবা খিবিক মওইএ। মঙাং, লুৱাং, খুমন, অফবা পুংফম মওইএ।)

" মীংখৈরোনদি "

" তাওদিং হিরেন সন্না কৌএ "

তাওদিং হিরেন স্না কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

(১) হিরেন চিংসোই তাওবীসু কৌএ

(২) তুবী তাওদিংলেম্বাসু কৌএ

(৩) হিরেন কোকনাইরেনসু কৌএ

(৪) তাওথিং য়ারেন হিরেনবসু কৌএ

(৫) শাকোক ঙাইরেনবা হিরেন পুনাইবা কৌএ

লম্মিৎলোনদি :- চিংথংখোন্বা গরিবনিৱাজ নিংথৌরেনগী মচানি চিংদ্রেন নোংদ্রেন খোন্বাসু কৌএ, কার্ত্তসু কৌএ, স্না খুনেৎ হিরেননি। পিশুমদা হৌবা লোইয়ুন্বা লৈ হায়বা উনা শাবা হিয়াংনি। পিসুম চিংঙাগী অৱাং থংবা কোংবা কংলা য়াথোকএ, নম্বুলগী ইরেল মখাদা লৈবা লম্বাক্তা লৈদুনা শাবা হিরেননি, খাদা করাং চিংলম য়ৌরুরগা, হিগারকপা হিয়াংথাংদা নিংথৌনা হিগা ফমনি (হিথাংফমনি), স্না কোনুং য়ৌসী য়াদ্রবদুনা চরাং চাদুনা লৈ, কাসি য়াদ্রে, নিংথৌ অদু খোংনা লাক্তুনা কোনুং য়ৌখি। ওক্লরবদি লাইচুগনিএ, মখাগী থৌরম অসি পাংবীয়ু অফবা ওইএ।

থৌখাইরোনদি :- লাফু লারাক তুংগানা হিরাং হিরেনগী শকোক মওইএ, তৌরাং ৭, হুপলা ৯, চরৈ মচু ৩ থাদুনা, হৈসি লৈসু, কবোক মুটথাং ৭ য়াওএ, মৈবী মৈরা ৩ মৈথাল্লগা শেঞ্জোই ৩, য়াওনা লৈচু হৈচু ৭ য়াওনা হিয়াং হিরেন লাইবু থৌখাই মপাংফএ।
লাইহনলোনদি :- তিং হিং মিং হিয়াং হিরেন হিনাইবা হিদোন কোনয়াই কোনফারোন চিরোং চিরেন চিনাইবা কুপলাং নাইনা নোংহৌনা পুরোন য়াংবা তাওরোই হিরোনবা, য়াংবা চিরেন য়াংখুবা কিং, হিং, চিরেন খোংবা য়াংবাও, মপুরেনগী য়াথংএ ।।
(মঙাং, লুৱাং, খুমন, পুংফমলেন পাংফএ।)

" মীংখৈরোনদি "
" হিঙন্বা তাওদিংলোই কৌএ "

হিঙন্বা পাখঙবা কৌএ
১। হিগোক / অসংবা মচুনে
২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ।



- মীংখেরোন অসুবা -

(১) ইরেন পোংদিংবা কৌএ

(২) পাউরেন তুহনবা কৌএ

(৩) শারোই লোংলাইবাসু কৌএ

(৪) উরেন তুবী নোংখনবা কৌএ

(৫) হিরিংপোংবা তাওবীরেল কৌএ

লমিৎলোনদি :- ককচীং খমলাংগী হাওখুল মনাক্তগী চীং অকোইবা চিংথেং কফুৎতা লৈএ, ইরেংবন, ইরোন খুনফা, শাঙ্গাই য়ুম্ফম লাইকোন কফুৎলোক্তাক, শাঙ্গাই য়ুম্ফম পাৎ কফুৎতা চাকতু তানা লৈএ, ওক্করবদি লাইচুএ, অথিং অয়েক লাইগী ময়েক পকই, অরুবা লাইনে, শ্বর মরম শোক্ল া নাগনিএ। মখাগী থৌরমলোন অসি পাংথোকপীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- চংবী লাতোন লাখোক লায়াই ৩ হৈনাই হৈপুম ৩, হৈরি হৈরি হৈয়াই হৈক্রু ১৮, চেংবী লাতোন ১, হৈরাং হৈচু ৭, লৈরাং লৈচু ৭, লফোই ৩, মৈরা মৈবী ৭, কোনয়াই সনা লুপা কোম্বা, কবোক, ফৌদাং মুটথাং ৭, শেনচোই, হৈবী হৈনাই হৈসু হৈনাই, হৈপুংবা য়াওনা লাইগী লাইকোন য়েংদুনা হৈথাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- মৈকোক চিনাই চিংসুরেন পোংথা য়াংখু খুংলেম্বা, চিরেন চিকোক চিরেন চিনাইরেন, শাকোক তাওরোই শাথুপলেন, খোংলোয় য়ারেন নোংখোং তমলাইখোং পুংদা মঙম পাংএ। ফম্বাল য়াৱা খোম্থোকএ। হোইয়ারেন মঙম পুংদা তুবী লাই, হুলে তোং, তিং হিং কং কং মপুরেনগী য়াথংএ।।

(থৌরমলোন, লাইহনলোন, অসুম মপাংও, অফ খিবিক মওইএ। মঙাং, লুৱাং, খুমন মতম পংফএ।)

মীংখৈরোনদি

"শুগনু লোকলাই ঙমখুবা কৌএ"

শুগনু পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১। ঙাংবা লোকলাই তাওবীরেন কৌএ

২। ঙাংদেং য়াংখুরেম্বসু কৌএ

৩। লাইরেন ঙমখুরেনসু কৌএ

৪। তাওবি হিংলাংলেম্বসু কৌএ

৫। তুবী লোকচিং খোম্বসু কৌএ

লমিৎলোনদি: ঙাংয়েকনি, ৱাংঙু চাইরেন, লমজাও অকোইবা লোইয়ালম, কাংপোকপি, লাংমৈদোং ৱাবগাই, কৈরক তুরে, তেরা উরক চিংয়া অকোইবা, খুরুপাৎ অৱাং লাইকোন, ফৌবোকচাও লোক্তাক খোংয়া, লাইদি শুগনু পাখঙবগী লাংওন ৱাংব্রেন পাখঙবনে, অরুবা লাইনে, ওক্লরবদি লাইচুএ।

মখাগী থৌরম পারমলোন পাংবিয়ু।

থৌখাইরোননি: লাদি লারোং থমনা লিকোন চেংবী ফাহৈ ৩, হৈনাই ৩, হৈনাই ৩, শেনচোই ৩, হিদে লাইজ ৭ লাইজা নুংলোন লৈখা লাইথিরোল তুবী শাওং মওইএ। লৈসু ৩, হৈচু ৩, মৈবী ২, মৈরা ৩, য়াওনা লাইকোনদা মায়ওন ওন্না থৌপাংও।

লাইহনলোনদি: উং নিং নিং ইচিক খোংলাই মতাইরোবাও, হিরেন চিকোক শাখুবা, য়াংহি তাওরোই ইতাইকোন, পোনথ য়াংব মখোইরেন, মৈতেন নোংতোই ইরিতোন, মৈরোং য়াংলেন খুনতারোই, তুশাং তুয়াং পুংরাঠল, হৈনাইশোন কফুরেন, য়ারেন পুংলোই তোলোইবাও চিং, পোং, হিতোং য়াংহুরেনবা, পোংদ মঙম ইতমলেনলে, হুং, মি, চি শিদরোনগী য়াথংলেএ। (থৌখাই অসি পাংজ, লাইহন অসি হায়জ অফ মরু মওইএ, মঙাং লুৱাং, খুমন কুরু পুংফম পাংফএ।)

"লোকচাওরেস্বা খঙসুরেন কৌএ"

লোকচাওরেম্বা পাখঙবা কৌএ

১। অসংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১। তুবী খংসু মৈতাবাসু কৌএ

২। নরিক কোকথাহনবসু কৌএ

৩।　সংদ্রেং তুবী তাওবীরেনসু কৌএ

৪।　লোকনুং য়াংথোংবসু কৌএ

৫।　খংবসুরেন লাইরেন তাওবীরেনসু কৌএ

লমিংলোনদি: খাবা শলাইনি, কৌব্রু লৈখা ৱাংব্রেন খানা চাওবা, থাজীং কোইরেনলাই, স্নাহন লোকচাও লাইনি। কোইরেঙ্গে খুমন অপোকপা, খোংহাম পাৎ লাইকোন, তেন্দোংয়াং, ফৈদিংগা, লোইদাং মনিং পাৎ খুরখুন ইচুম লৈমা, সেকমাই লোইরং পোকপী, কৌদেং লৈমাগী পাৎ, কৌব্রু লৈখা, থিগোমৈ শেকমাই, খাম পাৎ কফুৎ ইরাং কংলা শুরুং স্নহন্না পুইএ। অরুবা লাইনি, ওক্লরবদি লাইচুএ।

মখাগী থৌরম পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি: হৈচুরোন তরেৎ লৈচুরোন ৭, লাংথ্রে লৈপোক ১০, হৈনাইবা ৩, ঙানু চিনপাকপী মরুম ২, উতংলে উনবা ৩, তাইরেন পুংফাই, চেংবী চেংবা ফাহে ৩, কবোক মুটথাং ৭, শেনজা ৭, মৈবী মৈরা মৈথা ৩ য়াওনা লাইগী লাইকোন্দা লাইমাই থাদুনা মখা লাইহনলোন ঙাক্লা খুরুমফএ। লাইহনলোনদি: য়ারেন খেংলোই য়াংহুবা, ইচিন চিংলেন, খিকলোইবাও, নোংপু য়াইবা ইশাকোন, কোনফৈ তাওরোই ইকুংবা, কুংথা য়াংগোই ইতমলে। নোংলৈ খিকলোই ইচমলেনবাও, চিরেন লিরেন নোংহাইরেন, খিচাই য়াইকোই তাংলেন্বাও, নোংগী য়াৱা ইখমলেনবা, পিদরেন ইঙম পুংলে মতাইরেন, হোইয়া তুবী মপুংলেনলে, চিং, হুং, রি, না, কি য়ি তং তং এ শালাইরেন য়াথংএ।

(পারমলোন অসি পাংলএ লাইচ পুব মফএ। লুৱাং খুমন মঙম পাংবা পাংফএ।)

মীংখৈরোনদি

"সন্না তাওরোই নোংহৈরোই কৌএ"

স্না তাওরোইনাই পাখঙবা কৌএ

১।　অঙাংবা মচুনে

২।　অতৈ মচুসু লাংগনিএ।

- মীংখৈরোন অসুবা-

১।　নোংব্রি মৈরেনবসু কৌএ

২।　ঙাংলৈ য়াংহুকসু কৌএ

৩।　পুং থুংলোন য়াংলেনবসু কৌএ

৪।　তাংজা লাইরেন চাওবীরেন কৌএ

৫।　স্না লৈচিহেনবসু কৌএ।

লমিংলোনদি: শালাইদি মোইরাংনে, ময়াং ইম্ফাল, হৈয়েন ইদুল ফৌবোকচাও, লোকতাক, ইখুরোক পাৎকী লাইনি। অরুবনে, মীনা ওক্ল বা থোক্লবদি লাইচুএ, পুক কংখৎলি, পুকথিল্লি, হকচাং মুশিলএ, শেনখাই শানা মশাদু লাংএ, সোর মরম শোক্লা নাইএ। ঈনা ঈশিং ওইএ। মখাগী পরম পাংউ অফবা ওইএ।

থৌখাইরোনদি: চংবী লাতোন অহুম, লায়াই অনি হৈনা অহুম, হৈক্রু, হৈনিং, হৈয়াই, তেখাওয়াই, য়াইথমনা মানবী মনা কোনবা, লুপা কোনথা, সনা কোনথা, চেংবী ফাহৈ অনি, মৈবী মৈরা ৩, হৈকন হৈথা, হৈরমলোন ৭, লৈরমলোন ৭ য়াওনা লাইকোন মাইওন ওন্না খুরুমগনিএ।

লাইহনলোনদি: হয়া, য়া, হি, ইং ওইরেম্বা, য়াইখু য়াংলেন য়াইতাই তাওরোইচিক খোংদোইরেনবাও, চিরেনম্না তাওরোইনাইও, নোংগী মপুরেন শিদা ময়াথংলেন, মঙম পুংলেন মপুলেন, ইহুন মতমরেনলে, নোংগী খোনথোক ময়ারেন ইনুং লৈনা মতাইরেন, তিলিকোনবা, য়াইরি খিকলে মতাইএ, ফম্বাল লোনগী য়াথংএ।

(অসুম পরৈ পাংনবদি অফবা মরু ওইএ। মঙাং, লুৰাং, খুমন পাংফৈএ।)

"কোরেন সন্না মীনুংরেন কৌএ"

কোরেন্না স্না পাখঙবা কৌএ

১। হিগোক।অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১। খংজিংলোংবা তুবীরেন কৌএ

২। শমজিং লাইরেন হনলোসবসু কৌএ

৩। তুবী কাং হুইরেবসু কৌএ

৪। কোহিংয়াবা তাওবীরেনসু কৌএ

৫। স্না ইরিখোলৈবসু কৌএ

লমিংলোনদি: খা ঙানবা শলাইনি, কৌব্রু লৈখা, কোইরেঙ্গৈ, খোংহামপাৎ, তেংদৌয়ান, ফৈদিংগা, লোইতাং মনিং পাৎ, খুরুখুন ইচুলৈমা, পোকমাই কৌব্রু লোইরং পোকপী, কৌজেংলৈমা পাৎ, থামন পোৎশংবম ৱাগাই, কামেং তুশাং পাৎ পুবা লাইনে, ওক্লরবদি লাইচুএ, পুক কংখৎলে, কুচু ফৱাওএ।
মখাগী থৌরম পাংফএ।

থৌখাইরোনদি: চরৈ হুইথাং ৩, ঙৌ ফী, লাতোন চংবী ৩, হৈরমলোন ৭, লৈচুরেন ৭, লাংথ্রে লৈপোপ ৯, তৌলাং ৭, হুপলাং ৫, হৈনাইরোন ৩, মৈবী মৈথাং ৩, শেনচোই, লৈশাতমফাদেএ লাইগী লাইকোন মাইকৈ ওনফৈএ, অরুবা লাইনে মীনা লায়েংবা ৱাএ।

লাইহনলোনদি: শলাই পেংবা পেমচিকোন, হুপলা হুপলেন মতাইকোন, শুপলে য়াংলেন খোইপাংবারেন হিথুপ ৪ হিকোনলোন, চিখোং চিরেন চিনাইকোন, নুংলোন পালোন পালোন য়াংবরেল, কুপশা কুমলোং য়াংলুরেন, নোংগী পুংদা মপুংলেন, ইহুন চিরেন ইঙমলেবাও, হৈ, লৈ খোই তাইরেনখোং, য়াংবী লৈচীং ইখমলে, হং, রি, সা, চিং, চিং, চিং ফন্বাললোনগী ময়াথংএ।
(অসুম হায়না থৌখাইএ, অফবা ফন ওইএ। মঙাং, লুৱাং, খুমন পংফএ।)

"ইরেন খঙকোইরেনবা কৌএ"

ইরেন পাখঙবা কৌএ

১। অঙৌবা মচুনে
২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ



- মীংথৈরেন অসুবা-

১।　লুৱাং তুবী তাওবীরেন কৌএ

২।　চিরেন খৈরোংবসু কৌএ

৩।　মৈতোন শিগ্রীবসু কৌএ

৪।　সোংবা তাওবী য়াংবা কৌএ

৫।　লাংচিং থংলোইবসু কৌএ

লমিৎলোনদি: অরুবা লাইনে, অঙোম শলাইনে, ৱাইথৌ চিংখম নিংথৌখোং অকোইবা মমাং লৌশি য়াইবি লুৱাংথেম পাৎ, থৌবান তরং পাৎ, অরোং ভুরেল হিরেন তুশাং লাইদিগোন পাৎ ইকোপ, ইরেন পুবা তাওরোইনাইনি। মীনা থেংনদুনা ওক্লরবদি লাইচুএ, লাইওং খঙদনা নাগনিএ, অথিন- অয়েক লোয়নগনিএ, কুচু ওনগনি। মখাগী নোংদোন থৌরম অসি পাংও।

থৌখাইরোনদি: লারোং ৩, ক্বাকলা ২, লৈচু লৈখনলোন ৯, হৈসু হৈখনলোন ৭, চেংবী চেংবা ফাহৈ ৩, তৌতোন তৌরাং, হুলাং হুপতোন, লাংথ্রৈ লাইগী ওইএ হৈবী হৈনাই, মৈবী মৈরা মৈথনলোন মঙানি। চেংবী য়াম্লুনা লাইবু শাওংবু মনাইরেন, শেম্না, সেনচোই ৩ নি। মখাগী লাইহনলোন কোকনোলনা হায়জগনিএ।

লাইহনলোনদি: হুং, তিং, রি এনা শাকোক শলাইরেন শনাইবা য়াংগোই য়াংনাই পুংওইবা, ইচিখোন, য়াংলেন খোংদাই চিখোন লৈশা নুংতাইরোন, মৈরেন খোংবা ইচিরেন, শকোক শারেন চিনরেনবাও, নোংহা খোংদা মপুংদা মঙমলেন পুংগোই মতাইখিএ, হিতোং মপাংএ, হি, সি, হুং না গুরুরেন ময়াথংনে।

(থৌরমশিং অসি পংলবদি অফ মওইএ, মঙাং, লুৱাং, খুমন পাফএ।)

"চিনাই পুং নাইবা তুরেল কৌএ"

চিনাই পাখঙবা কৌএ

১।　অঙাংবা মচুনে

২।　অতৈ মচুসু লাংগনিএ



- মীংথৈরোল অসুবা-

১।   তাওবীরেন চিংখুরেম্বা কৌএ

২।   পিংচি চিনাইবসু কৌএ।

৩।   চিংলাই খোংবসু কৌএ

৪।   খোংদ্রেন য়াংদ্রেনবসু কৌএ

৫।   লাইরেন পুংনাইবসু কৌএ

লমিৎলোনদি: লাইদি ঙাংয়েকনি। অন্দ্রে হুইকপ ককশুয়াই, নিঙেন, লাইখোং, চন্দ্রখোং কোনবা লাইনে। চীরাংব লৈরোংথেন, অন্দ্রো মাহা লাইকোন, ইথম মোনথৌ থৌবাল মরু ইরোং ইরেন লাইনে, অরুবা লাইনি। লাই অসি ওক্করবদি লাইচুগনিএ, মখাগী থৌরম থৌদা অসি পাংথোকপীয়ু।

লমিৎলোনদি: লাইদি ঙাংয়েকনি। অন্দ্রো হুইকপ ককশুয়াই, নিঙেন, লাইখোং, চন্দ্রখোং কোনবা লাইনে। চীংরাংব লৈরোংথেন, অন্দ্রো মাহা লাইকোন, ইথম মোনথৌ থৌবাল মরু ইরোং ইরেন লাইনে, অরুবা লাইনি। লাই অসি ওক্করবদি লাইচুগনিএ, মখাগী লাইনেলোন অসি কোকনোনজদুনা হাইজগনিএ।

লাইহনলোনদি: য়াংবী তুবীরেন ইন্নুংবা, মালেন লৈশারোন ইতমলেম, খোংবা য়াংবা ইখমলেনবাও, শাথুপ নাইনা শাকোইরেন। য়ারেন চিকনা চিনাইবা মৈতোন ইরিক খোংলেম্বা, হা নোংবা য়াংবরেন, তিং হুংলাই ইখমলেন, ইশাকোলোই য়াংহুবা, য়াইরোই পুংগোই ইঙমপুং ইঙম পাংলোই মপাংলে, ইচিল খোংলোই মপাংলে, পাওথা য়াংবা পোংবনা লাংকুক য়াংলোই, চিহাইরোই হি, রি কোনবা মখোইনু হি তোং, মী, য়াং সেং হি, ফম্বাল রানে।

(অসুম থৌখাইজরবদি অফবা ওইএ। মঙাং, লুৱাং, খুমন পাংফএ)

“লাইজিং শাকোক শলাইরেম্বা কৌএ”

লাইজিং পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ

- মীংখৈরোন অসুবা-

১। ঙাহিংলোন শনাইরেনসু কৌএ

২। ফমলাই চিনাইরেনবসু কৌএ

৩। তংকুম শাকোইবসু কৌএ

৪। কৌবী ফৌলাবসু কৌএ

৫। ঙাইচি পৌরাংবসু কৌএ

লমিৎলোনদি: ঙাং য়েকনি। খোমজোম তুরেল, হৈরোক ৱাংজিং, লমদিং শারোন য়াম্বা লাইনে, খংও, য়াইরিপোক থানা পাংঙন তাবীদগী খা শেকমাই লৌরেম্বম লাংমৈথেৎ, উখোংশাং, শল্লুংফম ইঙৌরোক হৈতুপ পোকপী লোকলাও লৈমা অসিদা লাইকোন লৈবনি, লাইরেন মৈনা তোম্বা কৌবা মকোক অনি লোংবা অমা পোকএ। হৌজিক ফাওবা লৈএ, ওক্লরবদি লাইচুএ। মখাগী থৌরম পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি: থমনা লিকোন ৯, থম্না নোং ৯, চেংবী ফাহৈ ৩, তৌরাং ৭/৯, হুপলাং ৭/৯, মৈবী মৈরা ৭, লাংত্রৈ লাইতোন ৭, হৈবী হৈনাই হৈপোইএ শেনচোই ৭ লাইগী ওই ওইনা মথাবিন ওইগনিএ। মখাগী লাইহনলোন হাইজদুনা খুরুমগনি।

লাইহনলোনদি: ঙাংয়েক তাওরোই ইখমবাও, হুং নিং মওইরেন মপুনরে শিনথা মওইরেনবাও, তুবী য়াংগোই ইতমলেন, কোকশা চিরেন চিনাইবা শাওং লাইথেক চুপথেংবা চিকোন চিরেন চিনাইবা খোংশা খুমাং হিংচিংবা মৈতোন তাংহৈ কাবাও, নোংখোঙলেন মতমলেন, লৈকোন লৈচিক তোনহৈবা য়ারেন নোংখোং মওইরেন, হিরেন পুংবা লৈশাংপাৎ লাংদাই লাংওন ইচিকপা হুং মপুগী ই চিংকোনদি হনফৈএ।
(অসুম হায়না মঙম খঞ্জরবদি অফবা ওইএ। মঙাং, লুৱাং, খুমনগী পুংফমদা য়াএ।)

"চীংলাই হিগাই য়াংওইবা কৌএ"

চীংলাইস্না পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ



- মীংখৈরোন অসুবা -

১।	তাওবী চিংসু পোংনাইরেম্বা কৌএ

২।	নিংসোই তুংশাংঙম্বা কৌএ

৩।	তুবী খোংলেন য়াংবসু কৌএ

৪।	মিনু পোংশাবসু কৌএ

৫।	ঙারেন কৌশিরোনবসু কৌএ

লমিৎলোনদি: ঙাংয়েকনি। মঙাং শলাইনি। ৱাংজিং তুশাং, হৈরোক, হৈতুপপোকপি, লমদিং খোমজোম তুরেন তুশাং, অন্দ্রো মনাক্কী লাইকোন লাইনে অরুবা লাইনে। চিংলাইনে, চিংখোং চিংয়াদসু লৈএ। ওক্লরবদি লাইচুএ হকচাং মুশিল্লী, য়াং কাংঙি, পুকথিল্লি, লাইগী ময়েক পকই, মখাগী থৌরম পাংবিয়ু।

থৌখাইরোনদি: অরুবা লাইগী লাংওন ওইবনে হৈনাইরেন ৩, হৈসুরোন ২, লৈতোন ৯, চরৈ মচু ৩, চংবী লাংতোন ৫, লৈদি থম্বাল মনা ১০৮ অমা য়াওএ, চেংবী ফাহৈ অহুম, শেনচোই ৫, লাইগী লাইকোন মাইকৈ ওন্দুনা খুরুমও।

লাইহনলোনদি: উং হৈ য়া তুবী শারোং চিরেন খোংশাং খুমাং খুদুং য়াইওইবা, ঙাংয়েক শলাই শকোকলেন। মৈরোন য়াংবা তুবীরেন, চিকোন থৌপুং লৈশাকোন লৈকৎ পাংলোই ইরোনপাৎ লাইকোন পুংদা হৈথারোন, য়াংলেন মপাংলে মপু শিনথা য়াংওইনরে হরি হুং রি না কুক কুক সি সি মপুরেনগী য়াথংনে। নোংগী য়াৱা খোনথোক্লে উ হিক হিক।
(থৌখাই অসি পাংলবদি লাইচু তিনচু মকোকএ। মঙাং, লুৱাং, খুমন থৌকাং মফাএ।)

"লিকলাই সনা খোংলেম্বা কৌএ"

লিকলাই স্না পাখঙবা কৌএ

১।	অঙৌবা মচুনে

২।	অতৈ মচুসু লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১।   খিংগোই য়াংতমবাসু কৌএ

২।   স্না তুংখোং পুরাবসু কৌএ

৩।   পুমথি য়াংলোইবসু কৌএ

৪।   কাংখিয়েন পোংরাংবা কৌএ

৫।   চিরিক হুমাবসু কৌএ

লমিৎলোনদি: লুৱাং শলাই তুবী পাখঙবনে, অৱাং মাকলং স্না কোনয়া পাখঙবা পমশাবা লিকলাই স্না হাওরং কোনগোন শৌবী লাইকোন ইরিক ইকোন চাকতাবা লুৱাং তুবী পাখঙবনি, থেংনরবদি লাইচুএ, লাইওং খংওইএ, অহৌবা নাইবা লাইওং ওইগনি, মখাগী থৌরম পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি: লারোং লাথা মতমএ, হৈনাইবা হৈসুবা ৩ য়াওএ, লৈচু ৭, হৈখন-লৈখন ৯ সুফএ, মৈবী মৈরা মৈকৎনা, লাইগী শাওংদি শফারোই, হৈবী হৈনাই, চেংবী ফাহৈ অমদা হৈফৈএ। মখাগী লাইহনলোন অসি পাংও।

লাইহনলোনদি: উং, রি, ত্রি ত্রি ইনুং য়াংবী তুবীরেন য়াংগোই ইখমলেম্বা তুবী হাওরংলেম্বাও, শালাই লুৱাং ইখমলেন, ইচিক খোংলেন য়াংবরেন,

শাকোক শলাই শারেন শানাইপুং লাইকোন পুংগোই ইচিকোন তুবীরেন তাওরোইও নোংখোং চিরেন ময়াংলে, শাথুপ নাইবা শাকোকলেন, হৈ, লৈথা মতমখৈ, পোংদা ইতম মখললে, শিদারেনগী য়াথংএ, ইক্রাক নোং ক্রাক লা হি হি মপুরেনগী য়াথংএ।

(অসুম থৌপাংও অফব ওইএ, মঙাং লুৱাং, খুমন মতমদ পাংবদা ফৈএ।)

"ইরেনখাই খঙগোই কাংকোইবা কৌএ"

ইরেনখাই পাখঙবা কৌএ

১। থাংজিংপান মচুনে

২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ



- মীংখৈরেন অসুবা-

১। হুইরেন চিরেনবাসু কৌএ

২। কৌবী খঙগোইবসু কৌএ

৩। চিংলাই কংবুংবসু কৌএ

৪। থাংলোই কৈকুবাসু কৌএ

৫। কুমথাং কিবোইবাসু কৌএ

লমিংলোনদি :- মোইরাং শলাইনি অরাংবনি, খুগা লোকলেন, তুরেল তুশং ঈচাউ, ইরেলদা লৈবনে খংও, লমমিংলোনগী পাফন অসি য়েক্তুনা ঙক্তা শিবা লমতু চংপদা তিনয়েং, লাইয়েংনবা ঙমদেএ, তিনচু লাইচুবসু ফৈএ। করিগুম্বা হকথেংননা ওক্লুরবদি মখাগী থৌরমলোন থৌদা অসি পাংবীয়ু অফবা ওইএ।

থৌখাইরোনদি :- ইরাং পুজা তৌজবসু য়াএ অদুগা পাফললোন অসি থবান য়েংদুনা য়েকলবসু মীদুগী অফবা ওইএ। অয়েংপা কোকএ, লৈঙাকলোননে। হৈফাংলোন ৩, চংবী লফোই ৩, চেংবী ফাহৈ ৩, হৈনাইবী ৩, লৈসু ৩, হৈচু ৩, মৈবী মৈরা ৩, য়াওনা মতাইফেএ।

লাইহনলোনদি :- ফমলোন মতাইরেন, লংদাই মপুরেন ইখমতোন তাওরোই লিকলাইও, নোংলৈ য়াংবা ইতমখোং শিলেম কৌরেন য়াংবাও, হৈ থরোপুংদা মখললে, ইনুং খৈনা মতাইরেন য়াংবী হোয়ারেনবনা মতাইনরগা মওইএ। হৈয়া ইচিকোন হয়ুম নোংতাইরেন, এ, এ, এ মপুরেনও।

(মঙাং, লুৱাং, খুমন মতম পুংলেন পাংফএ।)

"খুমন খিকলোই য়াংবী কফুৎ লাই কৌএ"

কফুৎ পাখঙবা কৌএ

১/ অমুবা মচুনে।

২/ অতৈ মচুসু লংগনিএ।



১। কফু তাংবীরেনসু কৌএ
২। সলাই লোংলেন য়াংবাসু কৌএ
৩। কৌগ্রিবাসু কৌএ
৪। লাংমাই খুমন খিউবাসু কৌএ
৫। লাংচি কিরান পোংহনবসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- খুমন সলাইনি, অমুবা মচুনি। লোক্তাক করাং অকোইবা খোংবাং লোক্তাক য়াইদা, কফুৎ কয়াংদসু চাক্তাদুনা লৈবা খুমন লাই তাওরোই পাখঙবগী লাংওননি অরুবা লাইনে খংও। লাইশক অসি করিগুম্বদা থেংনরবদি মীদু লাইচুইএ। পুক কংখৎলি। সোর ফুনগনি, হকচাং ম্নয়েং তাগনি, কুচু মুশিনগনি, থেংনদুনা লাইচুবা তাণবদি, মখাগী থৌরমলোন অসি পাংথোকপীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- ক্লাকলা ৭, হৈসু হৈনাইবা ৩নি, লৈসু লৈখন ১৮নি, হৈসু হৈনাইবা হৈপুং, হৈনাই, হৈরি, হৈনিং, ঙানু চিনপাকপী মরুম ২, হৈকোক হৈপুং য়াওএ। চরৈ অমুবা ১, হুইথাং ৩ নি, মৈবী মৈরা ৩, কবোকলোই কী ওইফৈএ, চেংবী ফাহৈ ৩, লাথ্রৈ লৈচনদি ৭ নে, খুমন লাংথ্রৈ ওইগনি। সেনচোই ৫ নি, মখাগী লাইহনলোন্না কোকনোনজনা খুরুমজগনিএ।

লাইহনলোনদি :- উং, ফি, চি, হা, তুরেল তুশাং ইতমলোন, লোংমাই পুংগোই চাক্তারেন য়াংবী য়াৱা চিনাইবা, মৈথাং মৈরোন য়াংবাও, নোংগী ঈখমলেনবাবু মতাইখোংদা তাইরবদা হলোই পালোই য়াংবনা হোয়ালেলে। কী, হুং, পুং, চি, সি হো, তিং কুক, কুক, চিং, হা, রি, হং, চিক, চিক পুরেন শিদবগী য়াথংলে, হনফৈএ।

(লাই খুরম্বগী মতমদি, মঙাং, লুৱাং, খুমন পুংফম অহুমদা অমা য়াইএ।)

মীংখৈরোনদি

"কংলা য়াইখুরোক মৈতোন চীরেনবা কৌএ"

কংলা ৱাইখুরোক পাখঙবা কৌএ

১/ অমুবা মচুনে

২/ অতৈ মচুসু ।



- মীংখৈরোন অসুবা -

১। নুংবী য়াংখুবাসু কৌএ

২। হিংলাই তাওবী চিংচিবা কৌএ

৩। তুনাওরেন চিউখোংবাসু কৌএ

৪। কমথোং থোংইরেনবাসু কৌএ

৫। লাইরেন কনবী চীন্নাইবাসু কৌএ

লমিৎলোনদি :- খুমন সলাইগা মঙাং সলাইগা সলাই অনি পুন্না লাংবা মচুনি। কংলাগী শুরুং, লাইগী খোংলম তরেৎতা, নুংলোনদা শাথুপতুনা লৈএ। সলাই তরে তগী খাইখিবা তুবী লাইরেন পাখঙবনে, অয়ুবা লাইনে খংও, করিগুন্না মীনা থেংনদুনা লাইসক অসি ওক্লবা তারবদি, মীদু লাইচুএ, মশা কংএ, ঈনা ঈশিং ওনগনি, মতেক মতেক খামগনি, অমসুং মীদু লাংএ, ওক্লরবদি মখাগী থৌরমলোন অসি পাংথোকপীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- হৈচু হৈনাইবা ৩, চরৈ মচু অঙাংবা, অমুবা অমসুং অঙৌবা মচু অহুম অদু থাবীগনি। হৈথা লৈথারেনদি, চংবী লাতোন অহুম, চেংবী ফাহৈ ২, লাংথ্রৈদি খুমননে, লৈচুরোনদি ৩নি, হৈখনলোনদি মঙনি, মৈবী মৈরাদি ৩ ওইগনি, শেঙ্গা ৩ হাপকনি, মথক্কী পোৎলমশিং অদু লাইফম লাইরম মফম অদুদা নত্রগা মাইকৈ ওন্দুনা থাবীগনি।

লাইহনলোনদি :- উং, হুং, রি, রি, রি, খুমন য়াংবা য়োইহেনবা তুবী লৈশা নোংহাইতোন, য়াংবী ইখোন মরিকলৈ, সাথুপ সশরেন তুপথুপলোন লৈবী হিরেন ইখাইরোন, লাইকোন হুইসু পনশারোন য়ারেন মৈরোন চীনতাইবাও ফম্বালোনগী য়াৰানা নুংলোন মতাইএ। হে হয়া খিক মপুরেন য়াথংনি।

(পুংফমদি মতম অহুমদা থৌনিবীয়ু।)

"খামগোন সন্না কংলা শাকোকলেন কৌএ"

খামগোন স্না কংলা পাখঙবা কৌএ

১/ অঙাংবা মচুনে

২/ অতৈ মচুসু লাংগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১। তুবী শালাই কুমলোংবাসু কৌএ

২। কংয়াই লাসশারেনবাসু কৌএ

৩। চুংনাই পুংশুংলেম্বাসু কৌএ

৪। তুবী খংখোই কোকশারেনসু কৌএ

৫। লাইরেন লাংওন কোকনাইবাসু কৌএ

লমিংলোনদি :- মঙাং য়েকনি, কংলাগী লাইফমদা লৈএ, তাংজা হুপানবা ওইনসু পুন্না পুন্না চৎতুনা থোকএ। তুবী লাইসা তয়েৎ অসি নুমিৎ অফবা অচংবাদা থেংনরবদি মী অদু অফবা ফত্ত ওইএ। ময়েক মসোন অসি ইদুনা ঙকশমদা শিরবদি নিংথৌ মনাই মচানবা ফংএ। মীথোই মীহেনবসু ওইএ। লাইশক অসি অরুবা লাইনি, থৌওই ৱাইদবদি মশাদা তেংবাল্লি। নুমিৎ থবানলোন য়েংদুনা ইরাৎথৌ থৌপাংবদি অফবা ফল পীএ, খশা কোকপনে খংএ।

থৌখাইরোনদি :- হৈচুরোন ৭ নি, লৈখনলোন ৯ নি, চরৈ অঙৌবা ২ য়াওগনি। ক্কা মরু মনা ৩, থম্বাল মনা ৫ নি, লৈদি থম্বাল চামানিপাল ওইগনি। মৈবী মৈরা তরানিপালনি। শেনজোই ৫ য়াওগনি। মাইওনদি নোংপোক ওল্লগা হৈথারোন লৈথারোন তৌদুনা তুবীরেন লাইগী থৌরম থৌদারোন পাংলবদি, পুন্সি নুংশাংঙে, মশক নাইবা মীথোইবা ওইএ।

লাইহনলোনদি :- হে হয়াহে মপুরেন, সাকোই লমলেন শিলেনবা, য়াংবী ইহুন মীকোক য়াইকোইরেন চীংওইরেনবা য়ারেন খিলোই য়াংবও, থৌকা পুংদা, হৈথা লৈথারোন মতমজৈএ। ইকোক নোলনা মহাইজৈ। কুবিরেন শিদা লাংদাইরেন, মিতম সাকোক মওইবাবু নোংগী য়াৱা খোম্থোক্লা মতাইজনা কোকনোনজৈ, পুন্সি মীরেন হিপুমনা থৌকাং মাংজিন মাংওইনবা কুবীয়ুনে মপুরেন খৈনা য়াৱা তাইবীবু কোকনোজৈএ, তাইপংনা হে হয়া মপুরেন।

(অসুম থৌপাংও অফবা ওইএ, মঙাং, লুৱাং, খুমন মতমদা পাংবদা ফৈএ।)

মীংখৈরোনদি

"লাইদোংলেন য়াংবী তুবীরেন কৌএ"

লাইদোংলেন পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুনে

২। অতৈ মচুসু লাংগনিএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) খমলাং য়াংবা তুবীরেনসু কৌএ
২) ঙাংলোই পাংশা তুবীহনবাসু কৌএ
৩) তুবী শেনলোস য়াংকোনবসু কৌএ
৪) ঙাঙোই পৌখিবাসু কৌএ
৫) তুবী মৈত্রেং খোংদ্রেনসু কৌএ

লম্মিৎলোনদি :- খুমন সলাইরেন লাংওন লাংদাইরেন ওইরিবা তুবী তাইরেনবনি। লাইশক্তি সাকোক চিরেন নাইএ, অরুবা লাইনি খংও। লৈতাক শরুং কোকতাই খোং তুশাং পুবা লাইনি। সনা ফৈদি য়ারেন মপুংথোকনা নুংলোন লৈরোম খোংদাই পাৎকোই পুইএ, ইরম ইতাইখোং তঠইএ। থোংনদুনা চৈবী চৈথেং পীরবদি মীদু লাইচুইএ। তাওরোই ওইনা মমৈ কোনশিন্দুনা তুখোং ঈরম খোংদাসু লৈএ লাইচুবদি, মীদু কুচু মাংএ, হকচাং ঈশিং মরম সোকএ, নুংনা পানদা অইং- অশা খাইদানা নুংলোন খাম্বে মৈত্রেং ৰাইএ ।

থৌখাইরোনদি : থৌরমলোনগী চংবা থৌখাইগী পোৎতি, ক্বাকল ৭নি, চেংবী চেংজয় মুটথাং ৭নি, খুমন সলাইগী লাংথ্রৈ মতোন তরেৎ ওইগনি। মৈবী মৈরা খোইসু লৈখাম, তাইরেন পুংফাই সেনজয় ৩ য়াওগনি, লৈসু মখল ৩ হাপকনিএ, হৈচুরোন মখল ৬নি। হৈলুক ১, পান্না ১, য়াওনা মৈবী মৈরা ৩ থানখনি। মাইওনদি অৰাং ওন্দুনা থাবীগনি। নোংপোকনা থৌনিগনি।

লাইহনলোনদি : হুং, হুং, হুং তুরেল ইচিক য়াংচি, য়াংবীরেবাও, য়ারেন শিংথা শিলেম্বাও। খিগা য়াংবা খিংওইবাও, সাকোকতুবী মৈখ্রেংবা, চিনানা শাওং ইরিবাও। নোংগী য়াৱা মাংওইননা মপুরেনগী য়াৱানা খোরুম মঙমলেন মপাংজৈএ, হিয়েন পুংদা ইতমখোং, য়াংবী শিংলেন মতাইখোং, কু হুং রি উং শিদারেন মপুরেনগী য়াথংএ। ইচিক ইরেন খিকয়াং তুবী হনফৈএ ।

মীংখৈরোনদি

"কোরৌ খিংলোই নোংলৈ য়াংবা কৌএ"

নোংলৈ পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুদা লাংএ ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১) নোংলৈ য়াংবা তুংলোইবাসু কৌএ

২) কৌব্রি খোংতাস নাচিকলেনসু কৌএ

৩) লিংথাং য়াকু ফুমনাইরেনবা কৌএ

৪) তুবী শাকোই পীনাইরেনসু কৌএ

৫) পৌথিং কোনবা থমলেনবাসু কৌএ

লম্মিৎলোনদি :- তুবী লাইগী লাংদাইরেন সাথুপলোনদি মফম শিনবা থুংনা য়ৌনা লাংদাইরেন ওইএ। নুমিৎলোই লাংওন্দা লৈবনা নোংলৈ লাংদাইকোন মওইখিবা খোইয়ুম লাংওনদা, কোরৌ মালেম তাইএ। নোংলৈনা পুখৎখিবা চরৈ ফিবু হকচাং থোংফদে। নোংনা হকচাং ফুখ্রবসু লাইথুং তিনথুং ওইএ। নোংলৈ পাখঙবনা কোরৌ মালেম মতাইএ। নোংলৈগী শামিন ফংখ্রবদি তাইবং পানবগী নুংলোন য়াইদা সোর মরম শোকএ। হকচাং ময়েং তাগনি। পুন্সি তেল্লে, মখা থৌরম পাংবীয়ু ।

থৌখাইরোনদি : চরৈ ফী অমনা নোংপোক ওন্না থাগনি, মচুদি লুৱাংনি। হৈরা ৭, লৈরাং ৭, মৈবী মৈরা ৩ য়াওএ, চংবী লারোং ৩ তাবীগনি। হৈবী ফাহে ১ নোংপোক লাতোন থক্তা হৈগনিএ। সন্না কেঠ নয়াই, লুপা কোনয়াই লাংথ্রৈদি লৈহুন লাংথ্রৈ ওইগনি। উচান রৌ থান্দুনা সেনজোয় ৩ য়াওগনি, থৌনি থৌখাই পাংবদা মী ৩ না থৌপাংবীয়ু। মাইওন্দি নোংপোক ওন্না থৌনিজগনি। পুক্লিং অনি লোংফদেএ, অরুবা লাইনি।

লাইহনলোনদি : নোংদোন নোংলৈ ইহুনবা, শক্লে উদা মওইয়ে, মাইকৈ শিদা অঙানবা, কোরৌ মালেম ইতারেম্বাও লাংওন লাংদাইরেন সারোইবা, শকউরেন, খিংগোই ইহনবা কোরৌ খিংলোই ইতাবাও, নফমদা য়াংবা তিনবীকোন খোইরুম মায়োক মতমখিবা, নুমিৎ থক ওই, খারোং মতাইবনা, তুবী মশোং মকারে। কুবী হৈবা নোংলেম্বাও, মপুরেনগী য়াংবা মইজনা খোরুম লালুপ কাজেএ, তিনবাংননা মতাইবীয়ু শিদারেন য়াৱা মইজনা হুং কু কু থৌখাইরেনগী য়াথংএ ।

মীংখৈরোনদি

"কোনচিনরেম্বা নাকোন পুং য়াংবা কৌএ"

কোনচিরেম্বা পাখঙবা কৌএ ।

১। অঙাংবদা লাংএ ।

লাইহনলোনদি : হুং, হুং, হুং তুরেল ইচিক য়াংচি, য়াংবীরেবাও, য়ারেন শিংথা শিলেম্বাও। খিগা য়াংবা খিংওইবাও, সাকোকতুবী মৈখ্রেংবা, চিনানা শাওং ইরিবাও। নোংগী য়াৱা মাংওইননা মপুরেনগী য়াৱানা খোরুম মঙমলেন মপাংজৈএ, হিয়েন পুংদা ইতমখোং, য়াংবী শিংলেন মতাইখোং, কু হুং রি উং শিদারেন মপুরেনগী য়াথংএ। ইচিক ইরেন খিকয়াং তুবী হনফৈএ ।

মীংখৈরোনদি

"কোরৌ খিংলোই নোংলৈ য়াংবা কৌএ"

নোংলৈ পাখঙবা কৌএ

১। অঙাংবা মচুদা লাংএ ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১) নোংলৈ য়াংবা তুংলোইবাসু কৌএ

২) কৌব্রি খোংতাস নাচিকলেনসু কৌএ

৩) লিংথাং য়াকু ফুমনাইরেনবা কৌএ

৪) তুবী শাকোই পীনাইরেনসু কৌএ

৫) পৌথিং কোনবা থমলেনবাসু কৌএ



মীংখৈরোন অসুবা

১) কোরৌ পুংথিং য়াংবাসু কৌএ । ৪) কৌগ্রি পীফুরোংবাসু কৌএ ।

২) তালবী হ্রিক খোংজিংবাসু কৌএ । ৫) শারোং পীনাইরেম্বাসু কৌএ ।

৩) পিংলোই ঙাংঙোই হনবাসু কৌএ ।

লম্মিৎলোনদি :- খুমন লাই সলাই তুবীনি মুনা লাংএ, লমমিৎতি কোরৈ, তুশাং তুরেল অচৌবা, থৌবাল তুরেল, নম্বুল তুরেল, কোংবা তুরেল, মাকলং তুরেল, চিংগোই তুমাং, খুগা তুরে, সালাই খুমন, তুবী লাইজা ইরোনুংদা তাকতাইএ। তুবী শাংনা য়াতাবা, লাইরেন শাংনা য়াথোকএ, অনিনা পুন্নঠ্র পুন্না চৎলে। ইরম ইখোং তুরেল তুখাই পুবা তুবী হনবা লাইনে। থেংনরবদি থৌনি থৌখাই পাংলবদি মীদু অফবা ওইএ, চৈনা পীরবদি লাইচু তিনচুবা ওইএ, মী পুনশিদেএ ।

থৌখাইরোনদি : চংবী লায়াই মাপননি। ক্লাকলাদ ৭নি। লৈহৌরা ৩নি, চেংবী চুটথাং ১৮নি। চেংবী ফাহৈ ১ নি। হৈনাইবা ৩নি। কাকোই ৭, মাপননি, হৈখনলোনদি ১৮নি। সেনজোই ৩নি, লৈ মচু ৩, মৈবী মৈরা ৫নি, তাইরেন পুংফাই হিদেন ৭কী হনথবা ঈশিং য়াওগনি। অসুম নোংপোক ওন্দুনা [illegible]গনিএ।

লাইহনলোনদি : উং, রে, রে, খুমন সলাই শাকোকলেন, লমলেন তোরৈ তুশাংলেম্বাও, ইরিক হিরেন য়ারেনকোন, কোনফুং য়াইপুং ইতমলেন, য়াংবী চিনাই ইতাইখোং, খোংসু খোংলেন ইতমলেন। তুবী খুমন য়াংওইবাও, হিরেন খোংসা খোংজেনকোন, য়াংবী খোংনাই ইতাইখোংবাও। হি য়েন পুং ঙাংকোন, চিককোন য়াংকোন, য়াংবী মীরেন ইশমলেবাও মপু য়াব্রা নোংতেলোন ইতমলেলে লাইপুংকোন। হি রি কোন ইনাও শা, পোং লিরেন ইতাইপুং, হিং, কু, হুং, ফু, চি, চি, চি, মপুরেনগী য়াথংএ ।

মীংখৈরোনদি

"তরেং য়াইরেন চিরেন খৈরোইবা কৌএ"

তরেংবা পাখঙবা কৌএ ।

১। অঙাংবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) সুমলাই তাওবী য়াংখুংবা কৌএ ।

২) কোকশা শাগোই থেংবাবাসু কৌএ ।

৩) ইচিকখো য়াংবারেনসু কৌএ ।

৪)কৌব্রি লোংনাইরেম্বাসু কৌএ ।

৫)কাংখোই তুবী য়াংবাসু কৌএ ।

মীংখৈরোন অসুবা

১) ওনবী তাওবীরেনসু কৌএ ।

২) কৈখোং য়াংবা হনলোইবসু কৌএ ।

৩) কোরেল খিংগোইপোংবসু কৌএ ।

৪) খমলেংশোং ব্রাংব্রা কৌএ ।

৫) নুংয়াইপিনাইনুংতইবাসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- য়েক তরেৎ, সলাই মাপলনা থৌনি, থৌখাই পাংজবা য়াইফা পুন্সি থৌকাংবা নুংলোন পালোন পুরিবা অরুবা পাফননে খংও, লাইগী লাইফম খংনা থৌনি থৌপাংজবদি, পুরোন, পারোন, পীরোন, চুরোন, চারোন, সুথাং পুথাং কয়াদা য়াইবী নুংলোন খংনা থৌকাংবদি পোকলেনবা সলাইনা পুন্সি নুংশাংবা মাংচোক ফামেনদা অথোই- অহেন ওইফেএ। তাইবংগী অৱা- অনা লাইনা- তিন্না কয়াদা থৌপাংবা মহৈ য়াল্লে। মী লাই, নুংপান কয়াদা অফবা মতাইএ ।

থৌখাইরোনদি : চেংবী ফাহৈ ৭না, চংবী লাতোনগী থক্তা হৈগনি। লৈচু লৈ মখনলোন্দি ৭নি। হৈনাই হৈচুরেন্দি ৯নি। মৈবী মৈরা ৭নি। সেনজোইদি ৭ নি। মাইকৈ মরি চুকতারোন ৩গী লৈচুরোন ৩নি। লৈখারোন চরৈ অঙৌবা ২ মথাগনিএ। চরৈ অঙৌবগী মথক্তা লৈসুরোন সুনা হাপকনিএ। মৈবী মৈরা ৭ অমসুং ৯ ওইগনি, তাইরেন পুংফাইনা নাহৈরোন থৌখাই পাংবীদুনা মাইওন নোংপোক ওল্লগা থৌরম থৌখাই পাংগনি। য়াই থৌরম পাংজবা অফবা মওইএ ।

লাইহ্নলোনদি : পাফনলোন অসি থম্বালগী লৈনাদা ময়েক অসি য়েক্তুনা হকচাংদা পকচবদি মীওইবগী অৱা- অনা কোএ। থৌনিগী লাইতাইরোনদি : রি, হুং, চি, মওইএ । তুবী নোংমাই হেলোইবা, য়াংবা ইতাই খোংলেম্বাও, মপুরেন থৌকাং মওইলেলে। য়াংবী ইতম খোংলেম্বা, ইকোক নোলনা মতাইজৈ, হৈ হয়া য়াংওইবনা, ইনুং খৈনা মতাইবীও, য়াইবী নুংলেন হিরিকোন, পালোই ইচিক খমলেনবা, তিং, হি, হুং, রি, মা, মা, মা, ই রেলে, ফম্বাললোনগী য়াৱারেনিএ।

মীংখৈরোনদি

"কোচিনলেম্বা ইখম লাইপুরেম্বা কৌএ"

কোচিরেম্বা পাখঙবা কৌএ ।

১। অঙাংবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) মা খিংকোং তোলোইবা কৌএ।   ৪) তাওবী নোংখ্রং পোংয়াংবা কৌএ।
২) কৌথিংয়াই তাওবীহুনবা কৌএ।   ৫) য়াইবু ঙমলেংবা তাওবীরেন কৌএ।
৩)কুজীং য়াংবা কোজীনলেম্বা কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- ঙাংয়েক্লি, অরুবা লাইনি, য়েক তরেৎমকপু ইবুংঙোনা নুংলোন য়াইদগী মতাইখিএ। সাথুপ নাইবা ইবুংঙো মাগী পালোইনবনা সলাই তরেৎ মতাইএ, তাইবং পানবগী সলাই খাইরোন ৱাহৌপুংবু মতাইখিবা, নুংলোন পালোন লাংদাই ওইবনে। য়েক তরেৎ, সলাই মাপনগী য়াইবী নুংগী তারোইসু মতাইবনে খংও। তুবী মসোং কাংফনেএ। য়েক সলাই মাইএ। কংলা নুংলোন য়াইমী থোংতাই লোইফম খোং খোংলমদা মশা ওইদুনা লৈএ। উরগা সলাইনা থৌনি থৌখাই থৌ পাংজবদি মীদু অফবা ওইএ। মখাগী থৌরমলোন অসি ময়েংদুনা পংজগনিএ।

থৌখাইরোনদি : মাগী মাগী সলাইগী ফীচুরোন কৎতুনা থৌপাংজগনি। লৈসু সলাই মৈচরোন ওইগনিএ, মৈসু সলাই মৈথং লৌদুন কৎচগনিএ, হৈচুরোনদি সলাই ওইগনি। চেংবী চেংবা ফংহৈ হৈদুনা কৎচগনি। শেনজোই ৩ ওইনি, সলাই মাগী মাগী থাংনা পোৎ খুদিংমক শেম শাগনি। ঙারমসু সলাই ওইগনি। মখাদা পিরিবা লাইহনলোন হায়দু থৌনি থৌখাইরোন পাংজগনি, থৌরমলোন অসি পাংবা মতমদা কংলা ওন্দুনা মাইওন নোংপোক্তা থৌনি থৌখাই ওইগনিএ।

লাইহনলোনদি : হৈ হয়া মপুরেন, নোংগী য়াৰা খোম্হোক্না, সলাই পাউথাং লাংওন মতাইবীও, সলাই ময়েক শোইনাইরোই, নসু পোংবা পোংবী লাইফমকোই, সলাই ইকোক নোলনা মহাইজৈএ। তুবী য়াংবা ইরেন্না তুবী য়ারেনবাসু সলাইরেন্না মকোনবীও, ইনুং খৈনা মতাইবী, সলাই চাগোক ইতমলেন য়াইবী মীরেন অচংবা, থোংবী য়াংবী ইতমবী, হয়া লিরেন ইচাইরেন, পোংসা মীরেন ইতাইদা, হিচিং পুং সোই ইতমনা, য়রেন নাওকোন্না, য়াইবা সলাই মতাইবীও। নোংগী য়াৰা মইনজনা মপুরেন সলাই শিদবা ইকোকনা নোঞ্জৈ, নদাইরেম, সলাই চাগোক তোলোইবা, হেলোই ৰাংনা মতাইবীরম্মো, হৈ হয়া মপুরেনও।

মীংখৈরোনদি
"লৈনুংসনা শাথুপ খঙওইবা কৌএ"

লৈনুম্না পাখঙবা কৌএ ।

১। অঙাংবদা অতৈনা লাংএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) খঙকোই লৈশা তাওবীরেন কৌএ ।

২) খুংচিংপিনাই য়াংবাসু কৌএ ।

৩) পিথাং ঙাংঙোই তুবীহনসু কৌএ ।

৪) কৌত্রি লাই পীনাইরেম্বাসু কৌএ ।

৫) তুংলোই য়াংবা শাথুপলেনসু কৌএ।

লম্মিংলোনদি :- কংলা নুংলোন পাফন য়ুন্বীরেননি। কংলাগী য়ুম্ফমলোন নুংলোন য়াইগী তোংলবা নিপান মক্কী কংলা পাফন খাংখোংলেনসু মওইএ, কংলাগী অকোইবদা লাইফম নুংলোন পুবা য়ুন্বী য়াংবী নিপানগী ইনুংবা হিকোনবা পাফননে, অরুবা নুংলোনগী লাইনে খংও। লাংওন লাংদাইদা তাওরোই লাংওন মতাইএ, লাইসক খংনা সলাই পোংবা পোংবীনা ইসেং নুংশেং ইতাইনা পাংজবা থৌখাইদি য়াইফৈএ, মীগী লাইনা কোকএ, তিলম শেংএ, লাইরম লাইসেংঙে, মাগী থৌরমলোন অসি পাংবনা নিংজবা মখে পনজবনা অফবা ওইএ, থৌওইদ্রবদি মশানা মশা চাগনিএ, অমাংবা ওইএ।

থৌখাইরোনদি : সলাই খাইদেএ, মানা মানা কংচনিংবা হৈকং লৈকংলোন পীরিবা অসিনা থৌকাংগনি। লৈচুরোন মাপন (লৈ মরমনি) লৈখনলোন্দি মাপননি (লৈনা ওইগনি) লাংথ্রে লৈহুন ৭, ৯, ৪ নি, (অপুনবা ২১নি) হৈনাইবা ৩নি (হৈ মনম নাইবা) হৈচোই (হৈকন লাকননি), সনা কোনয়াই, লুপা কেঠয়াই ইপাক্তা হুনগনি কংলা লাইফম ওনগনি। চরৈ ফিদা অঙৌবা (অসোন ফী) অমা থাবীগনি। থৌখাই পাংজবা মতমদা মাইওন নোংপোক ওন্না থৌরম পাংফৈএ।

লাইহনলোনদি : হৈ হয়া তুবীরেম্বাও, কংলা য়াইবী য়াইসুকোন য়াংবী তুবীরোই, তুবী ইসোং কাংবদা, তুবী ইরাই ইয়ুক্না, নুংগী ৰাগী মৰাংখে, ঙমলেন পুংদা য়াইপুংলেন, থৌকাং মীয়েং ইতাইখিএ, নোংগী য়াৰা ইরমপুং য়াই লৈশা মতমঙৈ, য়ারমরেদি শিদবা, পোংবা পোংবী পানশাপুংদা ইতাইবীও খোনথোই মহাইরবদা হোয়াএ, তুবী কোকলেবা কংলা য়াইহেলোইবনা, কোরৌ হেল্লে, মপু য়াৰা ইকোক নোঞ্জনা তাং য়াংনা মখাইজৈ, কুবীরুদো য়াইপুরেন, পুন্সি নুংশাং মতাইবীও, থৌকাং মপুং মহাপীও, হৈ হয়া হরুম।

মীংখৈরোনদি

"শাথুপ ফম্বাল য়াংওইবা কৌএ"

ফম্বাল লাং পাখঙবা কৌএ।

১। অঙৌবা মচুনে।

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) য়াংকোই ফম্বাল তাওবীরেন কৌএ ।
২) শিংলোই ফমজেং য়াংবাসু কৌএ ।
৩) লুরাং থৌপুং খিংগারেম্বাসু কৌএ
৪) শান্নোং ফম্বাল চিনাইরেনবাসু কৌএ ।
৫) য়াংবী ফমলেন হনলোইবাসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- কংলাদা লৈএ, য়েক তরেৎ, শালাই তরেৎমক্কী ফম্বাললোন তাইবা, নুংপান ফম্বাল তঠইবা মচু লাই ৭না মতিক ফম্বাললোন, শুমদাই ৮গীবু পুবা লাইমে, থৌনি থৌখাই তৌজরবদি লৈপাক অমসুং মশাগী অফবা ওইএ।
থৌখাইরোনদি : চংবী লায়াই লাতোন ৫, চেংবী চেংবা ফাহে ৫নে, হৈনাই হৈকন লাকন ১৮নি, চরৈ অঙৌবা ২ মথাইএ, মৈবী মৈরা মৈথানগনি, মৈ শিংসু ১৮ওইএ, লৈচুরোনসু ৭ নি। হৈখললোনসু ৭নে, মখাগী লাইহুনলোন অসিনা লাইতাইএ ।
লাইহুনলোনদি : হুং হৈ হয়া মপুরেন, ইবুংঙোগী নফমদা হৈজবা হৈরাং লৈরাং ঙমজবা খরা কৎচরিএ, নহাননোংগী মতমদা ইবুংঙোনা হোয়াবীদুন্না, তাইবং পানবা পুন্নমকপু অনা- অয়েক কয়াদগী কোকপীখি। ঙসি কোরৌ নোংদি নমু তাইবং ওইবনা ইরাৎ থৌনি পাংজরি। মঙম পুংদা মথৌ পাংজরি। তরা অনি খিবিকপু কোকপীদুনা চানবী মীৎয়েং মীতমবীনা য়াইথৌবু থৌপাংবীয়ু ।

(অসুম্না থৌখাইলোন চুম্না পাংজরবদি অফা- নুংঙাই খিবিক মীৎয়েং ওইববু শাংখৈএ। মছাং, লুরাং, খুমন অফ পুংফম মওইএ ।)

মীংখৈরোনদি

"ফাংখোং শাথুপ য়ারেন কৌএ"

ফানখোং পাখঙবা কৌএ ।

১। অঙোবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) য়াংইরেন ফাৎচিরেন্বা কৌএ ।

২)পিরোংয়াং খমলেনবাসু কৌএ ।

৩)লিরেন পাংলোংলেন্বা কৌএ ।

৪)মিরেন পোং য়াংবসু কৌএ।

৫)কোশি মিরেন তোনবাসু কৌএ।

লন্মিংলোনদি :- অঙোম শলাইনি, মীরোনচন্দ্র পাখঙবসু কৌএ, পাফন য়ুন্বী নিপালমক্কী ফানখোংসু ওইএ, ফম্বলে লাং পাখঙবসু ওই। মীওইবনা নুংলোন পুবা শাথুপ খংনা থৌনি থৌখাইও, শাথুপ নুংদা পুজদুনা থৌপাংবদি মী লাইনা সোকপা ঙমদেএ, কংলাংগী পাখঙবনে, অরুবনে।

থৌখাইরোনদি : শালাই পাউথাবা লাইনে, নুংলোন পানলোই মতাইএ, লোইনাইদ্রবা মপুরেন লাংদাইনে, হৈনাইরোন ৩, চেংবী ফাহৈ ২ থোক্লা হৈকোক হৈসুনা, লৈখনলোন হাপ্লগা খান্বী মৈত্রেং অরাবা য়াওএ, চরৈ মচু নাইবা মঙাং, লুৱাং, খুমন ওইএ, খুরুমনা হাইজৈও।

লাইহনলোনদি : খোইয়ুম লৈঙাক মপুরেন নুংলোন পানলোই মপুরেন, নুংবু পানবু য়াংবীরেন, ইরিক ইখোং মতাইরেন, পানগী পানথোক লৈপুরেন, নুংগী নুংলোন মপুরেন তাওরোই য়াংবা ইতমলেন, নমু পোংবা পোংবীগী নুংলোন য়াইবীরেনম্বাসু লৈঙাক পানথোং মপুরেন, পাংগী ইরিক

য়াংবগী পনঙক ইচিক মতমদে, পুন্নমক ঙাকপাবা পুন্নমক কনবীবা ইচুংঙেগী শাথুপানি। কয়াংলোনসু ইপুনি, লৈঙাকলোনসু ইপুনি। পনঙাক পনথিং ওইবীনা পুন্নমকপু কনবীয়ু ।

(মঙাং, লুরাং, খুমন মতম তাইফেএ।)

মীংখৈরোনদি

"তুবী খিংলোই তুশাং য়াংবা কৌএ"

তুবী তুশাং পাখঙবা কৌএ ।

১। হিগোক মচুনে ।

২। অতে মচুনা লাংগনিএ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) তুশাং পীদুংলেন কৌএ ।

২) তাওবী খিংগোইবাসু কৌএ।

৩) কৌখিং পীনাইরেন কৌএ।

৪) থাঙৌ কৈউরেম্বাসু কৌএ।

৫) কৌবা শারোংহনবাসু কৌএ।

লম্মিংলোনদি :- খুমন শালাইনে, থৌবালখোং মরুদগী কোংবদা তারকপা মখা কোংবা য়োংলান লম্বী কোংবা মপান মমাংগী পাঙল তারিবা অদুগী মরক্তা লৈরিবা খোং অদুসু কোল্লে। অরুবা লাইনে ওক্লরবদি লাইচুইএ, পুক কংখৎলে, মীওই চাদেএ, মখাগী থৌরম থৌদা পাংবীয়ু ।

থৌখাইরোনদি : ক্বাকলা৭, লেচু থৌখাইরোনসু ৭নি। মকোনথা লুপা কোনথা থাদুনা ইরোন নুংদা মতাইএ। লৈসু লৈপুম ৭না, হৈবা হেনাই হৈসুবা হৈকোক য়াওএ, মৈবী মৈরা, চোংবী ফাহৈ ২ ওইএ। শেঞ্জা শেনকুপ ৩নি, লাংথ্রে খুমন ওইগনিএ, লৈপোপ ১৮ য়াওএ।

লাইহুনলোনদি : তুবী ইনুং য়াংবা খেরাইবাও, হয়া য়াংগোই ইনুংপুং পুংগোই মপুং মওইরেন, য়ারেন চিরেন য়াংবা মতাইখোং মখোংলেম্বাও, নোংগী খোম্থোক মওইরেন ইনুং য়াংবা নুংতাইকোন, কোনবা হিয়াং নমুকোন ইচি ইরেন পুংগোইয়াই, ইচিকলেম্বা শাকোইরেন তিং ক্রাক য়াংরিবনা শিদবা মপুগী য়াথংএ, নরেন মপুগী য়াথংনে।

(মঙাং, লুৱাং, খুমন মতমদা তাইফৈএ ।)

মীংখৈরোনদি

"খুমন য়াংরেন মৈচিংখোইরেম্বা কৌএ"

তাওরোইনাই পাখঙবা কৌএ ।

১। অমুবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) তাওবীরেন খাংজেং য়াংবা কৌএ ।

২) সোরা খাংকোইরেন্বা কৌএ।

৩) কৌহিং মৈচিং খোম্বা কৌএ ।

৪) কাংবী তাওরোই পীনাইবা কৌএ।

৫) খুলোই কৌজি পোংহনবসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- খুমন শালাইনে, তুরেল অচৌবগী নোংপোক লুখাই চিংয়া পাৎ কফুৎ, থৌবাল খমনিং, নিংথৌখোং চিংয়া, তুরেল খোংয়া মশাং অকোইবা লৈএ। ইকোপ য়ৌবাসু য়াওএ, ইকোপ মথক্কী অকোইবা পুবা লাইনে। থেংনরবদি লাইচুএ। ইরোং ফাওবা মখাগী পাখন তারিবা ময়াং ইম্ফালসু কোনবা লাইনে, মখাগী তৌখাইরোন পাংফএ।

থৌখাইরোনদি : চংবী লারোং ৩নি । ক্লাকলা ৭নে, করোক ফৌ মুটথাং ৭নে, হিনেন ১ শাইএ, লাফু তুংগা ওইএ, অঙাংবা, অঙৌবা লৈনা লিকলাং ওইনা লাইজদা তাওএ, শেনপুপ ২, শেনকোক ১, লাংথ্রৈ লাইহুন লাংথ্রৈ ওইএ, মৈবী মৈরা য়াওবীয়ু মৈথাং ৩ নি ।

লাইহনলোনদি : উং, কি, হৈ হুয়া নোংমাইরেন তৌবা তুবী য়াংখুরে। য়াংবী তেংগাই ইতোনবা তোনশ শাথুপ নোগাইরাংবাও, খৈরেন নোংদৈ পুংয়াংবনা মতাইকোনদা তাইরবদা তুবী ইখম পুংলেম্বাদু ইচিক কোনদা হনকএ। হুং, কুকু শালাইরেন শিদবগী য়াথংএ।

(মঙাং, লুৱাং, খুমন মতমলেনশিংদা থৌনি থৌখাই অফ মরু মওইএ ।)

মীংখৈরোনদি

"তুখুন লনারিং য়াইরেনবা কৌএ"

তুখুন স্নায়িং পাখঙবা কৌএ।

১। অঙাংবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) সনা থিংয়াং কংখাবাসু কৌএ।

২) খুনথোইরেন ৱাংবাসু কৌএ।

৩) কৌথিং তুবী হনলোইবাসু কৌএ।

৪) লৌচি পেগোইবাসু কৌএ।

৫) য়ারেন তুখুন তমরাংবাসু কৌএ।

লম্মিংলোনদি :- মঙাং য়েক ঙাংয়েকনে, নোংপোক নোংচুপ, লম তুশাং লিলোং তুরেন তুশাং তুরেল অহন্বী মচিন পাঙন তারিবা নোংপোক, নোংচুপ, চিংখম তুশাং তুখুনগী লাইদি মখাগী তুরেল মচিন ফাওবগী লাইনে ওক্লরবদি লাইচুএ, লাই পুথোক্তুনা থৌরম থৌদা পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি : চংবী লাতোন ৩গী লাথক্তা তাওরোই লাইগী শাওংবু লাইথিনা ওইএ। শেঞ্জা ১, হৈনাইবা ১, ঙানু চিনপাকপী মরুম ১, লাংথ্রেদি লাইগী লৈহুন লাংথ্রে ওইগনিএ। মৈরা ৭ থানগনিএ। তথৈইরেন পুংফাই য়াওএ। মখাগী লাইহুনলোন মহাইজগনিএ।

লাইহুনলোনদি : হুম, হুম রি য়েন তুবী তুশা শেমশা পাংলোংবা, ইখম খমদোং ইনা পুংওইবা, লমজেং লমগোন লমহোইবা, তুবী য়ারেন য়াইতাইবাও, নোংগী খোনস্তোক মতমএ, মপুশিস্থা মওইঙৈ, হোইয়ারেন্নথৈ মতাইখিএ। কোরৌ নোংনা য়াইফবা ইনুং খিকনা মতাইবা কোরৌ মওইরেনলে, খিক খিক হলো গুরুলেনগী য়াথংলেলে।

(অসুম থৌপাংও, মঙাং, লুৱাং, খুমন লতাই অফ মতম ওইএ।)

মীংথৈরোনদি

"তুবী খিংলোই চিংলেম্বা কৌএ"

তুবী তাওরোইনাই পাখঙবা কৌএ ।

১। অমুবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



মীংথৈরোন অসুবা

১) তুবী নারা পোংদোংবা কৌএ ।

২) মৈতোন চিরেনবা তুবীহন কৌএ ।

৩) থাংলাই মাংনাইবাসু কৌএ।

৪) পিনাই কোংলেনবাসু কৌএ।

৫) ইরেন কৈথোংবাসু কৌএ ।

লম্মিংলোনদি :- খুমন শালাই তাওরোইনাইনি, অরুবা লাইনে, তুরেল অঙৌবগী নোংচুপ থংবা তুরেল অহনবীগী লাইদি তুবী লাইরেন পাখংবা লাইনে, লাইশক অসি থেংনরবদি লাইচুএ, পোমখংপা হকচাং মুশিনবা,

ঈনা ঈশিং ওনলি খংও, মীদু মীওই চাদেএ, মখাগী থৌরম পাংও।

থৌখাইরোনদি : চংবী লাথক্তা ক্লাকলা ২ হাপনা চেংবী য়াংকুপনা মচু ৩ থোক্লা শাংনা লাইগী শাওং ওইগনেএ, লিকলাং অঙৌবা ২ শাএ, হৈনাই ২ য়ারেন তমএ, শেনকুপ ২, খুমন লাংথ্রে লৈতোন ১৪ হাপলগা, চেংবী মুটথাং ৭ য়াওনা খুরুমজা হাইজনা মখাগী লাইহনলোননা মতাইএ।

লাইহনলোনদি : উম হৈ হয়া নোংলোনবা তাওরোই য়ারেন য়াইথুংলেবাও, চিক য়ারেন চিরেনপুং, চিনাইয়াংবা য়াইখুবা খুলেন নোংলেন য়াইখুরেন, খুমন শালাই তুবীরেনবাও, নোংগী মপু শিদরেন য়ারা খোনথোক মতমলে ইতাই ফমলোই মতাইবীয়ু হৈ য়া মপুরেন শিদা য়া ইননশে হৈ কৃক হয়া হুম। (মঙাং, লুরাং, খুমন মতমলেন অমদা থৌরম অসি কায়দনা পাংজরবদি, অফবা মওইএ।)

মীংখৈরোনদি

"নোংখাং চিরেন চিনাইরেন কৌএ"

নোংখাং পাখঙবা কৌএ।

১। অঙৌবা মচুনে।

২। অতৈ মচুনা লাংগনিএ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) কুমথাং য়াংবাসু কৌএ।

২) কৌবী ঙাংলোং য়াংবসু কৌএ।

৩) থেংগুপ পৌশারেনসু কৌএ।

৪) কোংখাং কৌরিবাসু কৌএ।

৫) লুকলাং তাওবী ঙমলেংহনবা কৌএ।

লম্মিংলোনদি :- মুনা শাংবা খুমন লাই তুবী তাওরোইনাইনে, ৰাবগাই মখা লমখাই, লমজাও লাই মনাই লাংমৈদোং থৌনাওজম মখাগী লাইনি,

অরুবা লাইনে, ওক্লরবদি লাইচুএ, পুক কংখৎলি, কুচু মকশিল্লি শেমখাই শানা লাংএ। অনাবা লাইওং খংদনা নাইএ, পাৎ তুরেন তুশাংদসু লৈএ, মখাগী থৌরম থৌখাই পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি : চিংথ্রাও লৈগী লৈনা হাপকনি, ক্বাকলাদা লাইগী শাওংবু লৈপুং তরেৎনদি লৈশা শশইএ, হৈচুরোন ৭, লৈখনলোন ৭, শেনকোক ৭, লাংথ্রৈ লৈহুন লৈপোপ ৭ হাপকনিএ, মৈবী মৈরা থানগনি, অদুগা মখাগী লাইহনলোন হায়জদুনা থৌনীগনীএ।

লাইহনলোনদি : হয়া য়াংবা য়াংবীরেন তুবী লাই তাওরোই শাকোক শালাইরেম্বাও, থিক য়াংবা তুহনলো, তুশা ব্রাংলে ব্রাংতাইকোন, কোংবা চিরেন চিনাইকোন নংলেন তাইপুং মতাইপুং পুক য়াং তিং হি বু মপুরেন শিদরেন য়াথংলে, হন্না পুংলেন মতমগনিএ।
(মঙাং, লুব্রাং, খুমন মতম অমদা পাংফএ।)

মীংখৈরোনদি
"ঙাংঙোই লাইরেন চিনাইরেন কৌএ"

য়েৎনবা লৈএ
তুবী লাইরেন পাখঙবা কৌএ।
১। নাপু মচুনে।
২। অঙাংবা লাংবা।



মীংখৈরোন অসুবা

১) পিনাই খংগোই তোংহনবা কৌএ।
২) লাইরেন নাথারেনবা কৌএ।
৩) কৌহিংবা সনারেনসু কৌএ।
৪) চিংপুরাংবা তুবীরেন কৌএ।
৫) তুশাং ঙাঙোইরেনবসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- খাঙঙবোক্কী মনিং অরোং তুরেন্দগী ৱাংজীং তুরেন মথক ফাওবদা লৈবা লাইদি লোক্তাক কফুৎ তুখোং তুরেল ইরেন পুরীবা অরুবা লাইনে , খংও ওক্নরবদি লাইচুএ, অপোম অতং পোমখৎপা লাইওং ওইএ।

থৌখাইরোনদি : ঙাংয়েক লারাক ৭, হৈনাইবা ৩, হৈকন ৭, লোকমাই ৭কী কবোক শেনজা ৩, লাংথৈ্র মপোপ ৯- ৭, লৈনুং পোৎথাং ৭, চেংবী খুজোক ৩, মৈবী মৈরা ৭, নোংপোক মওন ওন্না মথাএ।

লাইহনলোনদি : হুং, রি, রি, য়ে, য়ে, উং তাওরোইস্না পাখংবাও, তুবী খংলোই য়াংবনা, শালাই ঙাংয়েক তাওরোইনা, তুবী নংবু মতাইঙৈ, নশোং নারাক তমববু তুবী নরাই লুকখিএ। পোংবা পোংবী তাইবংলেন্না তুবী হৈথা থাজদুনা কোকনোনজৈএ, তুবীরেন্না হোইয়াবী তিনথুং, লাইথুং মকোকপীয়ু, মঙাং শারেন পাখঙবগী য়াথংনে।

(অসি হাইনা খুরমজগনিএ। মঙাং, লুৱাং, খুমন মতমলেন অমবু থৌখাইএ ।)

মীংখৈরোনদি

"খারেন য়াংবা খমতাইরেনবা কৌএ"

খারেন পাখঙবা কৌএ ।

১। স্না মচুনে।

২। অতৈ মচুনা লাংএ ।



মীংখেরোন অসুবা

১) তুবী খাগোনবাসু কৌএ ।   ।
২) চিংফুলেন য়াংপুবা কৌএ ।
৩) লাইরেন তাওবী চিরিকপা কৌএ।
৪) শানাই চীংখ্রাই পোংবাসু কৌএ।
৫) ফুংগোইলাই পিনাইবসু কৌএ ।

লম্মিৎলোনদি :- অঙোম শালাইনে, অঙৌবা অমুবা মচুনা লাংএ, চানা ইংখোল ওকসু মরিন তারকপা লাই তুরেল কৌখরে, পুরেরোম্বা নোংমাই নিংথৌনা কোনবা লমনি। নোংচুপ, নোংপোক চিংয়া তময়া, কফুৎ ইরাং লবুক, শাওমবুং খোংনাং নোংপোক্কী অকোইবা লাইনে ওক্লরবদি লাইওং খংদবা নাবা অনাবা ওইএ, পুক কংখৎলে অথিং- অরেং ওইএ। মখাগী থৌরম থৌদা অসি পাংবয়ু।

থৌখাইরোনদি : চংবী লারোং লাখোক ওইএ, (য়াওএ) হৈনাইবা ৩, লৈসু লৈখন ৫নি, হৈসু হৈখন ৭, লাংথ্রে লৈহুন লৈপোপ ১৪, চেংবী য়াংকুপ নাইচোন শেম্লগা লাইজা ইপান্দা মৈবী মৈরা ১৮ থান্দুনা মাইওন নোংপোক তমনা খুরুমজনা মখাগী লাইহননা মতাইএ ।

লাইহনলোনদি : হুম, নিং ইখুংলেম্বাও, শোইমাং য়াংবী তুশাংকোন, কোনবী ইতাইখোং, য়াংবী লাইকোন্নুং নুংবী থৌদাংকো মপুং য়াংওই তাওরোইও, হি তিং য়াং তিং, হিরোই য়াংলোই মতাইখোং য়াংখোং ইচি খোং ইরাইখোং হনথফেএ, গুরেন মপুশিদবগী য়াথংএ।

(অসুম থৌপাংও, মঙাং, লুৱাং, খুমন লতাই অফ মতম ওইএ।)

মীংখৈরোনদি

"লুব্রাং তুশাং খিংখোইরেন কৌএ"

লুৱাং তুশাং পাখঙবা কৌএ ।

১। অঙৌবা মচুনে ।

২। অতৈ মচু না লাংএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) তুবী তুশাং তুম্বুরেল কৌএ ।

২) ঙাংলোই তাওবীরেনসু কৌএ ।

৩)কাওহিংপোং য়াংবাসু কৌএ।

৪) শাকোই লাইরেন পুরাবসু কৌএ ।

৫) পুমলাই চিখোং য়াংবসু কৌএ ।

লম্মিৎলোনদি :- শালাইদি লুৱাংনে খংও, অরুবা লাইনে। ককচিং খুনৌ নুরাথেল, ৱাঙু চিংয়া তময়া তুশাং কফুৎ ইরাং পাৎথি কোমথিদসু লাইনা লৈএ, ওক্লবা উরবদি লাইচুএ, শকওই চাদে য়াম্মা শোল্লে, শন্দংখোং নোংপোক নোংচুপতসু লৈএ, তুবী লাই অসিবু হকথেংননা থেংনরবদি মখাগী থৌরম থৌদা অসি পাংও ।

থৌখাইরোনদি : চরৈ অঙৌবা ২ লাইমাই লাইখোং মাইকৈ ওন্দুনা মথাইএ, হৈনাই ১, হৈচু লাইচোই হৈনাইবনা, চেংবী ফাহে ১, মৈবী মৈরা ৭ থান্দুনা লাংথ্রৈ লৈহুন লৈপোপ ১৮ য়াওগনিএ, অনাবগী মমিং- মথা য়াওদুনা মখাগী থৌখাই লাইতাইএ।

লাইহনলোনদি : ইং চি কি কোনফাবা নুংগী পানগী পানশাকোন, থকলোন মালোন নোংতাইকোন শেনকাই য়াংখাই য়াংহকোন, লৈনুং লৈশ তুবীকোন ইনা খুলেন খুদা য়াংপুংলেবাও, নোংগী খোঞ্জেন খিনোইবা, মপুরেন য়াংলেন্দি খিক পুং য়াং তিং হলোই কংলোই ইতমলে শিদবগী য়াথংলেননে ।

"সনা খারোং পুন্বরেন কৌএ"

লৈনুংরেন্বা পাখঙবা কৌএ।

১। অঙাংবা মচুনে।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১। তুবী পুন্বোইবাসু কৌএ।

২। সনা খিংখোই তুবীহনবসু কৌএ।

৩। ঙাংঙোইরেন খাংবোংবা কৌএ।

৪। কময়াং তাওরোই চিখিবা কৌএ।

৫। পিনাই লারোংবা কৌএ।

লম্মিংলোনদি: ঙাংয়েক্লি, নুংঙুবা ইরে, তাংজেং সুগনু চিংয়া তময়া পাখি- কোমথি কফুৎ ইরোংদা লৈবা লাইনে, ওক্লরবদি মীশি, মমিংদি লৈনুং কোনজীনলেন্বা স্না পাখঙবা কৌএ। লাইচুএ, ওক্লরবদি, মীওইচাদে, পুক কংখৎলে। মখাগী থৌরম থৌদারেন অসি পাংও।

থৌখাইরোনদি: থন্বাল মনা থমনা ১৮, চেংবী ফাহৈ ৩, চংবী লারাক ২, লাংথৈ লৈপোপ ১৮, হৈবী হৈনাই হৈনা য়াওএ। হৈরমলোন্দি ৭/৯ নি, লৈরমলোন ৭/৯ নে, মৈবী মৈরা মৈথাং ৩নে, ঙাঙৌ ৩ ওইগনিএ। শেঞ্জা শেনকুপ ২, মাগী লাইহনলোন পাংও।

লাইহনলোনদি: হুম রি হা তুবী লাইখুম শেমশাবা লাইরেন, য়েৎলোই নোংদমবা, নোংলেন শাফু য়ারেনবা ইতাই খোংদাই য়াইকুনোং নোংশা পুংদো মৈতাইবাও, নোং থিকলেন ইতম্বাও তুশা পালোই য়াইতাইবাও, হিরোই লাইরেন পাংশোইনফদেএ, গুরুলেন শিদবা লাইসেনা ইনফৈএ হুং রি কু কু॥

"সুপলেন তরাং সন্না য়াইপুরেন কৌএ"

স্নহন খা পাখঙবা কৌএ।

১। অঙাংবা মচুনে।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১। সুংলেন তরা য়াংবসু কৌএ।

২। কৌবী ফমগোইরেম্বা কৌএ।

৩। সন্না তুখম পোংয়াংবসু কৌএ।

৪। ঙাংজেং পোংয়াং ঙম্বসু কৌএ।

৫। লাইরেন ফৌগ্রি খিংবোইবসু কৌএ।

লম্মিংলোনদি: ঙাংয়েক্লি, অরুবা ফাংখোং নিপাল (৮) পুবা লাইনে, খা চকপি, ইরেন, থাংজিং খা পাখঙবা লাইনে, তু রেল অচৌবা খোং পাংচাও লোক্তাই ইশাইদসু তুবীনা থোক্কুনা লৈএ। থৌরম তৌদা খংনা থৌনিজরবদি ফৈএ। তুংওইনা তৌকাংলবদি লাইচুএ, মখাগী থৌরম থৌদা অসি পাংও।

থৌখাইরোনদি: তুংওইনরবদি লাইচুএ, অরুবা লাইনে, হৈরোংবা হৈফাংবা হৈচংবা ওইএ, চংবী লাতোন ৩, চেংবী ফাহৈ ২, লাংথ্রৈ মতোন ১৮, মৈবী মৈরা ১২, কবোকফৌ মুটথাং ৭ কী ওইএ। কবোক চাইদনা মখাগী লাইহনলোন্না হাইজগনিএ।

লাইহনলোনদি: লৈঙাকলে পুং য়াইখুপোং পোংশা তুবী লাইরেন তাওরোই, নোংগী নুংলেন পালোইবাও ইনুং থিকলোই য়াইওইবা ইচিক খোংদাই ইতমলোই, ইকোক নোলনা মনোলজৈএ, হয়া য়াংবা খোংথোকলোন হাইজ য়ারাই মহাইনা, হৈ হয়া মপুরেন পুন্নমকপু মতাইরেন। হি ই চিকনা কোনবীনা, ইয়া চিকলেন মনোনজৈএ। অসুন্না মঙাং, লুরাং, খুমন অমগী মতমগী থৌপাংবদা অফবা মওইএ।

"শাহিং ঙম্বা চিরেন পুংলেম্বা কৌএ"

শাহিং ঙম্বা পাখঙবা কৌএ।

১।

২।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১। নৈরিথাং ফিগ্রিংবসু কৌএ।

২। কুমলাই লোংশারেনবসু কৌএ।

৩।	শাহিং তাওবী হনবসু কৌএ।

৪।	কোথাং পোং ঙম্বা তুবীরেনসু কৌএ।

৫।	য়ারেন হুংলো কিংলাইবসু কৌএ।

লম্মিংলোনদি: মোইরাং শালাইনে, অরুবা লাইনে খংও, মচুদি শাংনা লাংবনে, কংলা মোইরাং য়াইবী পাওনম ইরেন, কেক্রু পাৎ চিংনাং খোংনাং থাঙপাৎ লফুপাৎসু লৈএ। কোনুং থাঙপাৎ অকোইবা, খেয়াং থাংস্না বিরেন পাখংবসু কৌএ। মোইরাং খেরি কৈথেল মোংবা কফুৎ তোরবু শেন্দ্রপাৎ খুগা তুরেন, ইরেন শিং মংকোইবা চীং, ইখুরোকপাৎ ইথাইচীং ইরেন নীংথৌজা ইরেনগা কংলাগা ৰাংবা মান্নেএ। কেক্রু পাৎতসু লৈএ। ওক্লরবদি লাইচুএ। থৌখাই অসি পাও, ফৈএ।

থৌখাইরোনদি: লাফু তুংগা মথক্তা চেংবী য়াংবনা লাইগী মচু মমেন য়েংদুনা মওইএ। লিকলাং মচু নাইবা ১ শিএ, মীংখৈ পীএ, হৈকন ৩, লৈসু ৭, চেংবী ফাংহৈ ২, শেনচোই ৪নি, মৈবী মৈরা ৫নি। শনা কোন্থদুনা লুপা কোন্নদুনা হাইজদুনা কোকনোনলে।

লাইহনলোনদি: উম না নাচিক চিনাই কিনোম্বা কিরাম কোলোই য়াইখুবা, য়াইসু লাইমাই ইতাখোং খোংবী খোংদা খোংশানোং, চিখোং লাইরে পাৎশখোং, লাইথি লাইফু লাইপাৎ য়াই য়াইখুরেনবাও, নোংগী মপু শিদরেনলে, হিকোন থা নামুংকোন ই চিরে য়াংখুবা চিক হুং তিং হল্লে মপুগী য়াথংএ।।

"কংলা য়াইবী কোইরেনবা কৌএ"

কংলা য়াইবী কোইরেন পাখঙবা কৌএ।

১।	অঙাংবা মচুনে।

২।	অতৈ মচু না লাংএ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১। পোংহন কোইরেনবসু কৌএ।

২। কংলা ঙাংলে তুবীহনবা কৌএ।

৩। লৈ শাকোন ইথিং য়াংবা কৌএ।

৪। ঙাংহুই পিদাইরেনসু কৌএ।

৫। কৌথ্রিং থারেংহনবসু কৌএ।

লস্মিৎলোনদি: নিংথৌজা ঙাংয়েক্লে, কংলা য়াইবী শোইলাইরেন, মোইরাং কৈথেল কোংবা তৌবুল খুগা তুরেলগীসু লাইনে, অরুবা তুবী লাইরেন পাখংবনে। ওক্লরবদি মীওই চাদে লাইচুএ। মখাগী থৌরম থৌখাই অসি পাংও।
থৌখাইরোনদি: থন্বাল ১০৮ গী থমনা ৩ গী মথক্তা, হৈনাইবা ১, চেংবী ফাহৈ ১, তাইরেন পুংফাংই লৈহৌরা মতোন ১, লাংথ্রে লৈহুন লৈতোন ৭, শেনচোই ২, হৈ মখল ৭, লৈরমলোন ৭, মৈবী ২ য়াওনা মকাগী লাইহনলোন অসিনা হাইজদুনা খুরুমজগনিএ।
লাইহনলোনদি: য়াংবী ইহুনবাও, খিক য়াং মওইরেন য়ারেন নোংখোং মতারেন, তোংবী ইতাইখোংদা মতাইরেম্বা মপুনা খোংদাইদুনা তাইরবদা তুবী লাইহনলে, শিনা নোংনা মপুরেন্না মতাইখোংদা মওইরে, হন্না য়াংবা ইতমখোং য়াইখু চিখু ইতমখোং লাইখোং মওইএ, হুং কি, চিক হল্লো মপুরেন শিদবগী য়াথংএ।

"লাইরেন তাওরোই শংখুরেম্বা কৌএ"

তাওরোই শাংখুরেম্বা পাখঙবা কৌএ।

১। অঙাংবা মচুনে।

২। অতৈ মচু না লাংএ।



-মীংখৈরোন অসুবা-

১। তাওবী খুমদিং য়াংবসু কৌএ।

২। লাইরেন পুমদিং কোনবসু কৌএ।

৩। ঙাংহুই পোংলিলেনবসু কৌএ।

৪। তাওরোই কোংখাবসু কৌএ।

৫। খারোন পোংহিরেনসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি: ঙাংয়েক্লে, অরুবা লাইনে, খংও শিংজমৈ মথক চীংঙা পীসুম মোইরাংখোম, পুলিসলেন হাপ্তা পাঙন, খ্বাইরম্বন্দ বোর সাহেবকী হাপতা, শেতু স্নপাৎকী তুশাং থাংমৈবন্দ খোংনাং অচৌবা চীংমৈরোং ফাওবা কোনবা লাইনে, ওক্লরবদি লাইচুএ। মখাগী থৌরম থৌদা অসি পাংও।

থৌখাইরোনদি: চংবী লাতোন মঙাগী মথক্তা চেংবী মুটখাং ৭ হাপ্পলগা হৈনাইবা ১ য়াওএ, শেনকুপ য়াওএ, লৈদি থম্বথৗল ১০৮ নি, হৈদি থমচেৎনে, মৈথাংনা ৭ কী ওইএ। অসুম্না নোংপোক ওল্লগা মপুংফাবা লেমনৈ মীতম ঙমু অমসু য়াওএ। মাগী লাইহনলোন অসি খুরুমনা হাইজৈএ।

লাইহনলোনদি: হুং রি না শাকোক পুংকোইবা, পুমকোই য়াংবা তুবীরেন, লৈশা নুংশা পালোইরেনবাও, ইনুং য়াংবা লৈশাপাৎ, ইথিল পুংলেন য়াংচুকোন, তুবী লৈশা লৈনিবাও, সে নেং কাওদে, ইতমপুংদা মখনলে, গুরুরেন শিদবা মপুরেন য়াথংএ।

তুবী লাইতাই ইখমলেলে, হুং রি কু কু ময়াথংনে

"শেন্দ্রাং পালোই ঙম্বা কৌএ"

সেন্দোং পাখঙবা কৌএ।

১। অঙাংবা মচুনে।

২। অতৈ মচু না লাংএ।



- মীংখৈরোন অসুবা-

১। চীংনাই ফৌদিকোনবা কৌএ।
২। ঙাঙোই পীনাইরেম্বা কৌএ।
৩। পিচি খোংদ্রেনবসু কৌএ।
৪। ঙামু য়াইরেনবসু কৌএ।
৫। ঙারেন পুমনাইবসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি: নিংথৌজা ঙাংয়েক্লে, মাইচৌ তরেৎনা লাংগোন্দা থুপখিবা, মাইচৌ ৭ না লোইরম্বা লাইনে, কোনোক থেংগ্রা, শামুকো য়ৌতিংগোন লৌরেম্বা খোংনাংথাবা লাঙ্গোল লুখোই, পোং নিংথৌ, মোইরাং শাথি, খোংঙাখুন, দেবিপা, মৈতৈ নিংথৌ কিয়াম্বা, চরাইরোংবা স্নহাক্তক্তা লৈএ। লাইসিবু ইরাৎ থৌনি থৌপাংজরবদি ফৈএ, ওক্লরবদি থৌনিবীয়ু অথোইবা ওইএ। মখাগী থৌরমলোন থৌখাইবা অসিনা মতাইগনিএ।
থৌখাইরোনদি: চংবী লাতোন ৭ নে, চরৈ অঙৌ হুইথাং ৩/৩ না অমমম ওইরগা মথাগনিএ, হৈসু হৈখন ৭ নে, লৈসু লৈনে ৭নে, শেনচোই ৭ ওইএ। মৈরা তরেৎ থানলে, লাংথ্রৈ লৈপোক ৭ য়াওএ। অসুম্না চংবী মথক্তা চেংবী ফাহৈ ৭ হৈএ। মখাগী লাইহনলোনসিনা খুরুমও।
লাইহনলোনদি: হুম মরেন ওংরেন মপুরেন লাংওন লাংতাই ইখমলেনবাও, মপু তরেৎ য়াংবনা লাংওন লাংদাই মওইখিবা, মালেম লৈশা ইরোন্নুং, লাংতাই ইরেন লাংওনবাও লাংতাই ইরি তৎফদেএ, ইকিকোন্দা লৈফাবা যুথুপ য়াংহু মতাইরেন ইচি ইহে নোংহৈ পুং শিদারেন মাইচৌরেন ৭ লাংহৈ ওইরেম্বাও মতাইএ, হৈ হয়াং , চিক কোন রে হি কু কু মপুগী য়াথংএ।

মীংখৈরোনদি
"তাওরোইনাই তুবী ঙারেনবা কৌএ"

তুবী পাখঙবা কৌএ।

১। অমুবা মচুনে।

২। অতৈ মচুনা লাংএ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) ঙময়াং তুবীহনবাসু কৌএ।
২) তাবীরেল হিরিংবা কৌএ।
৩) লাইরেন পৈখোলবাসু কৌএ।
৪) তুশাং ইপুং খিংওইবাসু কৌএ।
৫) তাংবারেন খৈগোনবাসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- খুমন শালাই তুবীনে, হিয়াংথাং মমাং হৈবোক চিংগোন্দা সুরু কফুৎ লৈএ, অকোইবদা লাইওই, মীওই, অমুদোন কৌবা য়াদবা চিংজিন্দগী মখা চিংগোন ফাওবা খুমনপোকপা চিংগোন পাৎ লবুক্কী নোংপোক নোংচুপ থংবদা নারন কোঞ্জিন পাৎ নম্বুলনা তারকপদুগী খোংলম্বী নোংপোক নোংচুপ শামুরৌ ফাওবা অকোইবগী লাইদি তুবী পাখঙবনে অরুবনে, ওক্লরবদি অথিন-অয়েক, পুক কংখৎপা, ওনিংবা তৌএ। মখাগী থৌরম পাংও।

লাইহনলোনদি : উম উমলেম্বা য়াংওই তুংইন ইরিকপা ইরিক লাইশেন নোংকোনবা, লৈনুং লৈশা পাংবাও য়ারেন চিকলেন মৈরেন খোইলোই ইখমলেনবাও, সে পুংলেন নগাই তুবী লাইকোন পাৎ, ইরেন ইথিল পাৎ লাইশশ লাইকোনপাৎ হং কিইতমলে, মপু লাংদা ইনবাও, হোইয়ারেন্না ময়ারে গুরুরেন শিদবগী য়াথংএ।

মীংখৈরোনদি
"খুমন খিংলাই খমপদবা কৌএ"

লুখমপাৎ তাওরোই পাখঙবা কৌএ।

১। অমুবা মচুনে।

২। অতৈ মচু না লাংএ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) খমলোই খাংলইবাসু কৌএ। ৪) লাইরেল পাংহারেনসু কৌএ।

২) তাওবী খিংগোইবসু কৌএ। ৫) তুবী হুইচি চীংনাইরেনসু কৌএ।

৩) খময়াং তাওরোইনাইসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- খুমন শালাইগী তুবী পাখঙবনে, হৈঙাং, কোন্থা পাৎ গুরংদা য়েলাং পাৎ লাইকোন, অচানবীঙৈ, মাইবা খুন, কোইরেংঙ্গৈ হফেন কৈরেনবী মাগী মারু মকোক্তি চিরিক লুখমপাৎ, নিলাকুথি, খোরিখুন পোৎশংবম ৱাবগাই লৈশিনথাবী সেকমাই লাংজিংরেন, অম্বীরোক লাইখুন লৈএ। তিংগ্রিং খুমন তুরেল পাৎ লাই পাৎ হৌজীক লৈএ, অরুবা লাইনে। ওক্লরবদি লাইচুইএ। মখাগী থৌরম পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- ক্ষাকলা ৭, হৈনিং হৈক্রু য়াওএ, হৈনাইবা হৈপুম২, চেংবী ফাহে কবোক মুটথাং ৭ নে, মৈবী মৈরা, খুমন লাংথৈ য়াওএ, শেনকুপ শেঙ্গা হাপনা মখাগী লাইহনলোন্না হায়জদুনা খুরুমও, লাইহনলে।

লাইহনলোনদি :- উং রি চিং তিং তিং রে রে তাওরোন তুবী মৈরোম্বাও, মৈনেৎ মৈতাই নীখুরেনবাও চিনা নোংলেন থাকলেম্বা, য়ারেন য়াসু য়াইখুবা, লাইকোন পাংতা চানিংবা, লাইশি পাং ইতমপু লাইকোন নুংকোন কোনগাপুং পুংলেন য়াংবা তাওরোইও, নোংগী শিদা য়াংরেম্বা ইনুং খৈরবদা তুবী লাইখুন খুম্হোকথৈঙে, ইনম শানম মশাথৈঙে তিং য়াং পি সি কু হুং উং মপু য়াথংএ ।

মীংখৈরোনদি

"সলাই তুবী য়াংখুরেম্বা কৌএ"

সালাই পাখঙবা পাখঙবা কৌএ।

১। মচু ৭নি লাংবা



মীংখেরোন অসুবা

১) তুবী সালাই শখুবাসু কৌএ।
২) সালাই কামদিংলেম্বাসু কৌএ।
৩) পুংয়াং তেমহৈবসু কৌএ।
৪) তাওবী হংগ্রিবাসু কৌএ।
৫) সালাইচুংতাইরেনবসু কৌএ।

লম্মিংলোনদি :- মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা ঙানবা, লৈশাং শারাং, শালাই তরেৎমক্কী তুরেল লাইরেন তাওরোইনে, অরুবা লাইনে খংও, পুমলেন লোই লাইকোন পাৎতা চাক্তদুনা অহুমনা লৈএ। মরিদি লোক্তাক্তা লৈএ, ওক্লরবদি লাইচুইএ।

মখাগী থৌরম থৌদা পাংও।

থৌখাইরোনদি :-শালাই তরেৎকী হৈথারোন লৈথারোন মঙাংলা, লুৱাংলা, খুমনলা, অঙোমলা, খাবালা, মোইরাংলা, লৈশাংলা, হৈ লৈ শেঞ্জা তরেৎ, হৈনাইরোন ৭, চেংবী ফাহৈ লাতোন ৭ তা হাপকনিএ। মৈবী মৈরা লাই অমদা ৩ থানগনি। লাংথ্রৈ লৈপোপ ৭/৭ হাপকনি। চরৈ মচু তরেৎকী ফীসুনা কৎকনিএ, অদুগা মখাগী লাইহনলোন তুবী লাইদা হাইজদুনা খুরুমজনিএ।

লাইহনলোনদি :- হৈ, য়া, এ, এ, রি, এ, এ, এ, না, এ, এ, এ, তুবী শালাই শাকোকলেন, লাংলেন কোইরেন নোংহিকলোন লাইকোন নুংতাই পানওইবাও, তিনবী তিনকোক তিনপুরেনবাও, নোংগী মঙম পুংগোইবা মতমখোংদা ইতাইরেন হৈ ই খোংদা লাইকোংপুং ইতমলে শালাই পোংদি মপুংলেলে শিং, না, হুং, তিং, রি, এ, য়ে, য়ে শালাইরেন শিদবগী য়াথংএ।

মীংখৈরোনদি
"লাইরেন তুশাং চুনাইবা কৌএ"

লাইরেন তুবী পাখঙবা কৌএ।

১। অঙৌবা মচুনে।

২। অতৈ মচু না লাংএ।

মীংখৈরোন অসুবা

১) লুনাই তাওবীরেন কৌএ।

২) তুশাং লাইরেন শাজিংবা কৌএ।

৩) কৌখ্রিং হিরোই য়াংবসু কৌএ।

৪) লাংহৈং তুশাংতম্বা কৌএ।

৫) লাইরেন হিচোং য়াংবা কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- য়েক ৭ তুবী লাই পাখঙবা লাংওননে, নিংথৌ খোং তুশাং শেন্দ্রা লোক্তাক ইরিল তুরেল তুশাং পাৎ, কোংবা মৈরোনবী, তুশাং পাৎ চীংখোং চীংয়া লাইরেন ওই মীওই লম্মাং তুমাংদা য়াথোকএ। থৌনিজরবদি অফবা ওইএ, তুবী লাই লাংওনবা থেংনরবদি লাইচুইএ। মখাগী থৌরম পাংও।

থৌখাইরোনদি :- অরুবা লাই তাওরোইনাইনে, চরৈ ফিশাং ১ য়াওনা, চংবী লাতোন ৭, হৈথারোন ৭, লৈথারোন ৭, লাংথ্রৈ শালাই খুমন, লাই লাংথ্রৈ তাইরেন কোকপা ৩, লৈশাং ৭, মীতম ঙানু ২, চেংবী ফাহৈ ১ শেনচোই ৪, হৈপুম ২, মৈবী মৈরা ৫নি, লাইকোন মাইকৈ ওন্দুনা লৈএ, ওইরোমদা নমথাইএ।

লাইহনলোনদি :- তিং হুস শালাই পোংবাও, নোংখিবা নোংনাইবা, ইচিক নাহুই নাইরেবাও, তুংশা তুংকোই পোং ওইবা পিরোম, চিরেন তুবী শংকোইবা, চিকোন য়াংবা তুরেথাং য়াংবা চিকোন লাইতাইবাও, হি পুংলেন তুশাং লাইখোং খোংদাই শাকোই ইতমলে, চিক, থোং, হি থোং শালাই য়াংওইবগী ময়াথংনে। (অসুম হাইজদুনা খুরুমজগনিএ)

মীংখৈরোনদি
"ৱাংব্রেন সনা তুবী ঙানলোইবা কৌএ"

তাওরোইনাই ৱাংব্রেন স্না ঙানবা
পাখঙবা কৌএ ।
১। অমুবা মচুদা লাংএ ।

মীংখৈরোন অসুবা

১) খমকোংলেন ঙালোইবা কৌএ। ৪) পুমজুম নচিককোনসু কৌএ।
২) ঙাংচিক পোংদোংবাসু কৌএ । ৫) কৌদ্রিং খাংগোইবাসু কৌএ ।
৩) কেগ্রিংবা য়াংখুরেন কৌএ ।

লম্মিৎলোনদি :- লাইশক্তি নিংথৌজা মঙাং য়েক ঙাংয়েক্লি । খুমন য়েক্লা তিন্নবা সালাই তুবী পাংবগী লাংওননে খংও, অরুবা লাইনে, কৌব্রুদগী সুগুনু ফাওবা তুরেল তুখুন তুশাং লাইনি। তাওরোইনাই ৱাংব্রেন সনাঙানবা পাখঙবা ঙাংয়েক খুমন অনি তিনবনে। তাওরোইনাইনা

পাখঙবনে। থেংনরবদি লাইচুইএ খংও, পুকথিনবা, কোক ঙাওবা, কুচু ওনবা লাইওং লাইথেক মফম খংদবা ওইএ, হকচাংগী কুচুদা অমুবা পাক্লা পাক্লা লাংগনিএ, মীৎ ঈ থাংনা কাগনি। মখাগী থৌরমলোন অসি পাংবীয়ু অফবা ওইএ ।

থৌখাইরোনদি :- কবরং লংলম তরেৎ : হৈচুরোন তরেৎনি, লৈচু তরেৎনি, হৈরমলোন মাপননি, চংবী লাতোন তরেৎনি। চেংবী চেংবা ফাহৈ ৩নি, লাংথ্রৈ লৈপোপ ১২, মৈবী মৈরা ১৮, হৈনাইবা ৩নি। কবোক নাচন ৭নি। হুপতোন ৭, তৌতোন ৭নি। লৈ অঙৌবা পরেং ১, সেনজোই ৩নি। উতং পরা ৭নি, য়াওনা লাইগী লাইফম ওন্দুনা পোৎলমশিং অসি থাদুনা মখাগী লাইহনলোন অসিনা থৌনিগনি।
লাইহনলোনদি :- উং, চি, রি, হুং, হুং তুবী ঙাংঙোই ইখমবা য়ারেন চিরেন সাকোইবাও, কুমথা য়াংবা ইচিকখোন থোনথোক লৈন মতাইথোং, ইরিক খোংলোই ইতাইরেন নোংগী খোম্থোক ময়ারে। হৈথারোন লৈথারোন মঙম পুংদা মখনজে। য়াংবী নাইহুই মওইরেনা মতাইখোংদা মতাইএ । তিনশেং লাইশেংলোনা, তিনকোক লাই, লাইকোক লাইসো তিনশেনা মকোকফৈএ। হুং নিং পুং, য়া, হি, তিং, কুক, কুক, ঈ, নুং, সেৎ মপুরেন শিদবগী য়াথংএ ।

মীংখৈরোনদি

"লৈনুং কোঞ্জিলেম্বা কৌএ"

লৈনুং কোজিনরেম্বা পাখঙবা কৌএ ।

১। অঙাংবা মচুদা লাংএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) কোজিনা খাংগোইবা কৌএ

২) ঙাঙোই তুবী ঙমলোনবা কৌএ ।

৩) কৌগ্রিং ঙাংলোই য়াংবা কৌএ ।

৪) খোংখ্রি পোংহাইবা কৌএ ।

৫) লৈনুং লৈশা তাওবীরেনসু কৌএ ।

লম্মিৎলোনদি :- নিংথৌজা ঙাংয়েক্লি। অরুবা লাইনি। কংলাগী অকোইবদা লৈএ। তাওরোইনাইনি। কংলাগা অকোইবাবু সালাই তরেৎমক্লা কোইশিন্দুনা লৈএ । কংলা য়াইবী নুংজেং লৌকমাং সুরু লৈনুংদা লৈএ। সালাই লাংওন তুরেল হনবনে। নুংলোন পালোন অনিদা লাংদাই পুংগোই পুরেনবা তাওরোইনাইনি। থেংনরবদি থৌনি থৌখাই পাংজরবদি পুন্সিএ, মীথোই মীহেন ওইএ, তাথিরবদি লাইখুং তিনথুং পাল্লে খংও ।

থৌখাইরোনদি :- থম্মা ৭, লৈকোন ১, সনাকোনয়াই, লুপা কোনয়াই, চেংবী ফাহে ৩নি, হৈনাইবা ১, লাংথ্রৈ মখল ৩নি, চরৈ অঙৌবা ৩, মীতম মহুৎশিনবা মৈতৈ ঙামু ৩, লাইফদিবী ৩, লাইফিদোন ৩, শেনজোই ৩, লৈরমদি ৭নি, হৈরালোন ৭নি। লফোই চংথোকপা ১, য়াওনা মখাগী লাইফমলোন অসিনা থৌনি, থৌখাই পাংজরবদি অফবা ওইএ, লাইচু-তিনচুবা কোকএ খংও ।

লাইহনলোনদি :- হুং, নিং, রি, রি, রে, রে, রে, য়াইপুং লোইরেন তুবী য়াংবাও, খোংলেন খোইরেন শিংলেন নোংখাইরোন, শাথুপ পুংঙোই য়ংবনা মতাইখোংদা মতাইরবদা ইনুংখৈনা হোয়ালেলে। নোংগী খোঞ্জেন মইননা তিচা, তিনশেং লাইশেং তিনতাই -লাইতাই, লাইথুং- তিনথুং, ইরিক- ইসেন মতমবীনা অকোকলোনা মকোকপীও, অসেংলোনা মশেংবীও, মঙাং, ফম্বাললোন শিদবগী য়াথংএ।
(লাইহনলোন অসি হায়দুনা কোকনোঞ্জগনিএ)

মীংখৈরোনদি

"লোইনাই শাথুপ মাংবারেনথা কৌএ"

য়োইনাই মান্বা পাখঙবা কৌএ ।

১। অমুবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুনা লাংএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) মৈরেন কৈথোং য়াংহুবা কৌএ ।

২) কাংবি হুরেন য়াংবসু কৌএ ।

৩) য়াংবী কোংলেন ঙমলেনবাসু কৌএ।

৪) কৌখাং তাওবী খংলেনবসু কৌএ ।

৫) মোমলাং তাওথিংখোংবাসু কৌএ ।

লম্মিৎলোনদি :- খুমন সলাইনি। লমমাংদোংদগী লক্ষ্মিপুর য়ৌনা ফাওবা লাইদি লাইরেন পাখঙবা তাওরোইনাইনি। মফম অকোইবা, লমমিৎলোন পাফননি। অদুবা লাইনি। লাইরেন সলাই তাওরোইনাইনি। নুংলোন পালোন লাংওন লাংদাইরেননি। খোইরুম লাইদি লাইশক লাইওংদি খুমননি, মুনা লাংএ মচু নাইবনে। ওক্করবদি থৌনি থৌরমলোন পাংজরবদি মীদু পুন্সি নুংশাংএ, তাথিরবদি লাইচুদুনা পুন্সি কোনবা ওইএ, মখাগী থৌরম থৌখাই অসি পাংজরবদি তিনকোক লাইকোকএ ।

থৌখাইরোনদি :- ক্বাকলা মাপন মাপননি হৈনাইবা হৈসুরোন মাপন অমসুং তরেৎনি। খুমন সলাই ওইখিএ, কবোক ফৌ নচন তরেৎনি, অমসুং মাপন ওইগনি। পুংলেন তরেৎকী লৈশশনা লাইগী শাওং শাগনিএ, পুমনাল মনা তরেৎ পানবা অমা য়াওগনি। শেনজোই তরেৎনি।

মৈবী মৈরা তরেৎ য়াওগনি। লাইফম মাইওন ওন্দুনা হৈথা লৈথারোন থাবীদুনা কোকনোঞ্জদুনা খুরুমজগনিএ। অফবা ফল ওইএ ।

লাইহনলোনদি :- শাথুপ নুংলোন পালোই তুবী তাওরোই শাওইরেম্বাও, ফম্বাললোম্বা ইখমলেন, নোংহাই পুংগী লাইকোননুং, নোংলেন পুংবা য়াংবী ইচিকখোন, খোংখাই য়াংবা মপুরেনগী য়াথংলেম্বা হোইয়া ইখমলেলে। মওইরেন পুংলেন ইচিকোন কোনথা পুংগোই ইপুংলোন, হুং য়াংবা মপাংলে। তিং, খোং, চাই, হি, পুং শাকোক নাইরেন চিরেনবা, মৈত্রেং য়াংলোই শাথুপাও, ইরিক কোনথা ইতমলে, হনফরে হোয়ারে শালাইরেন শিদবগী য়াথংএ ।

মীংখৈরোনদি
"শনাহন হিঙম পুংলেম্বা কৌএ"

স্নাহন হিঙম্বা পাখঙবা কৌএ ।

১। হিগোক মচুনে ।

২। অতৈ মচু না লাংএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) হিঙম সন্না য়াংঙম্বাসু কৌএ ।

২) কৌগ্রি পুংজেং য়াংখুরেনবাসু কৌএ ।

৩) ফমলে শাথুপ পুংগোইবাসু কৌএ ।

৪) চিরেন পোংহৈরোনবাসু কৌএ ।

৫) লিরেন শারোনবাসু কৌএ ।

লম্মিংলোনদি :- লাইশক্তি খুমন য়েক সলাইগী তাওরোই পাখঙবনে, মোইরাং খোরি কৈথেল, শেন্দ্রপাৎ, তুরেল ইরেন পাৎ তোবুং,

খুগানচিংবা শিজখোং, ইখাই ইরেল, নিংথৌজা ইরেনদসু লৈএ, অরুবা লাইনি, হায়রিবা লাইফমশিং অসিদা থেংনবা থোক্লবদি মীদু লাইচুইএ। থৌনি থৌখাই পাংজরদি মী অদুগী অৱাবা অমসুং লাইচু তিনজুবিবা কোকএ, থৌনি, তৌজবনা অফবা ফল ওইএ। মখাগী থৌরম থৌদা অসি লাইফমগী মাইওন ওন্দুনা পাংথোকপীয়ু। হাইজা নোঞ্জরবদি পুন্সি নুংশংঙে।

থৌখাইরোনদি :- চংবী লাতোন ৩নি, হৈনাইবা ১, চরৈ অঙৌবা ২ য়াওগনিএ, লৈ পরেং অঙৌবা ১, লৈ পরেং অঙাংবা ১, ফাংখোংলেন হৈফারোন ৪ নি, চেংবী ফাহৈ ৪, লৈসুরোন লৈখন ৭নি, হৈচুরোন হৈখন ৭নি, মৈবী মৈরা ১৮নি, লাংথ্রেনা খুমনগীনি, সেনজোই ৫নি, লাইগী লাইফমদা লাইকোন্দা হৈথারোন লৈথারোন অসি থাবীগনিএ। অসুম্না হৈথারোন হায়বদা মখাগী লাইহনলোন্না খুরুমজগনিএ।

লাইহনলোনদি :- তাইরেন পুংফাই পাইদুনা অসুমনা লাইহনলোনবু কোকনোঞ্জগনিএ, রি, উং, হুং, তিং য়াংপুরেনবাও, শাথুপ শানাই শাকোকলেনবাও, তাওরোই য়াংবী ইখুলেবাও, তুবী শেংনা মকাংলবা নোংগী খোন্থোক মতমলবা, ইচিক খোংলোই তুবী মৈরেম্বনা, তুবী য়ারেনবাবু চিকলেন ক্রক ক্রক চিকলেলে, পোংলেন লাইকান মতমখিএ, তুবী মসোং মহননা লাইরেন মতে ফমলেন মতাইখিএ লাইকোন য়াংবা মগাইরেন, নুংলোন য়াংথোং মওইখিএ, মঙম পোংদা মথৌ মখজরবদা, হলোইরেনদা হনফৈএ, ফম্বাললেন শিদবগী য়াথংএ।

মীংখৈরোনদি

"খুমন খিগোই দামো পুংঙম্বা কৌএ"

দামো পাখঙবা কৌএ ।

১। অমুবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ ।

মীংখৈরোন অসুবা

১) তুবী খিংগোই ঙমলেম্বাসু কৌএ।

২) মুবীরাং তাওবীহনসু কৌএ।

৩) কমদেং লৈফুং করাবাসু কৌএ।

৪) লমফুয়াং তুহনবাসু কৌএ।

৫) কৌগ্রেং পিহ্‌রেনবাসু কৌএ।

লম্মিংলোনদি :- খুমন শালাই তুবী পাখঙবনে, লাইকোন অমা লৈএ, কংঙপুঙ য়ৌবা ফাওবা কোল্লে। সমুকোন, মোরে তুমু, চন্দোন পোকপী য়ৌনা লৈএ, খেরাথোং চীংদা লৈএ, লৈম্মালোক্তা চাক্তদুনা লৈবা লাইনে, অরুবা লাইনে, ওক্লরবদি লাইচুএ। মখাগী থৌরম থৌদা পাংও।

থৌখাইরোনদি :- অরুবা লাইনে খংও, লোংশাং ১ শাদুনা, লাইগী শাওংদি, চেংবী য়ামনা শাদুনা শওং ওইনি। হৈথা লৈথাদি সনা কোনথা, লুপা কোনথা, ক্বাকলা ৭, হৈনাই ৩, চেংবী ফাহৈ ৩, শেঞ্জা শেনকুপ ২, লাইফিদোন ২, তুংগা ফী ১, লাফু তুংগা ২ কক্তুনা লাইনা ফমদেংগনিএ, মৈবী মৈরা ৭ য়াওএ।

লাইহ্‌নলোনদি :- হুং, নিং, য়াং রি, রে, রে, রে, নোংলেন খোংলোই ইতমলেম ইহু পুংবা য়াংবাও, ইচিক খোংলোই মতমলেনগী খোনথোক্লে, য়ারেন চিরেন মওইঙৈ, নোংলেন খোংতাই মওইরবদা মপুরেন শিনথা মওইখিবাও, ইনুং খৈনা মতাইএ, উং, চিং, হুং, হুং।

(অসুম্না হাইজদুনা খুরুমজগনিএ।)

মীংখৈরোনদি

"লিকসনা লিরেন ইচিকরেম্বা কৌএ"

লিকসনা পাখঙবা কৌএ ।

১। ম্লা মচুনে ।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) লিরেন তাওবীহনবা কৌএ ।

২) লাইরেন কুমতাইরেনবা কৌএ ।

৩) তাওবী শেনকোই য়াংকোইবসু কৌএ ।

৪) চিংলাই তুবী পোংহবাসু কৌএ ।

৫) খোংলাই ইংখুরেম্বাসু কৌএ

লম্মিৎলোনদি :- খুমন শালাই লাংওননা তুবী পাখংবনে খংও, শুগুনুরোমগী নুংহৎ ফাওবা চিংগী লোক তাই, চিংশাং তুরেল অকোইবগী লাইনে। অদুবা লাইনে, শলাইদনা খাবা ঙানবা শালাই পাখঙবা তাওরোইসু লাওনবনে, ওক্লরবদি লাইচুএ। মখাগী থৌরম থৌদা পাংবীয়ু ।

থৌখাইরোনদি :- উতোং মচা ৭, হৈবী হৈনাই হৈসুবা, হৈনিং হৈত্রোই, হৈখা, হৈরি হৈনাইবা লৈচরেন লৈখন ৯/৭ মওইএ, কবোক ফৌ মুটথাং ৯/৭ নি চরৈ মচুদি নাপুনি, লাংতোন চংবী ৭ নে, শেঞ্জা শেনকুপ ৫ নে, থম্লা লিকোন ৩নি। চেংবী ফাহে ১ ওইএ, মৈবী মৈথাং ৭ নে। মখাগী লাইহুনলোন অসি হায়না খুরুমজৌও।

লাইহনলোনদি :- চিংবী য়াংবী য়াংলাইরোন, হিংলোন, য়াংলে য়াংপুরেম্বাও, শোংগী তুবী মৈরেনবা, খমলেন পুংদা মকোইরেন, য়ারেন মৈতোন মৈনাইরেবাও, ইনুং য়াংবরেন ইখুমলেন, খোঞ্জেন রেন্না মৈ ওইবা, তাংগী ইহুন মতমশেন নোংলোন খোনঙোকলেম্বাও, হিদোং য়াম্বা মপুরেন হি, চিক য়াং খুরেন শারারেনগী ময়াথংনে হিং কি হুং তিং তিং ।

(অসুন্না হাইজদুনা খুরুমজগনিএ ।)

মীংখৈরোনদি

"কৈথোং য়ারেন তাওরোইনাই কৌএ"

কৈথোং তুবী পাখঙবা কৌএ ।

১। অসংবা মচুনে।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।

মীংখৈরোন অসুবা

১) থোংগ্রি পাংমাইবসু কৌএ।

২) লোকলাই চিমেংবাসু কৌএ।

৩) য়াংফু খোংলিবাসু কৌএ।

৪) কৈথোং তাওবীনাইসু কৌএ।

৫) তুবী মিথিং য়াবাসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- লৈশাং শালাইগী লাংওনবনে, অৱা লৈপাক্কী নোংপোক্কী লৈশশং লাই লাইগী তুমু লোকচাও, মনাই তুবা খামপাৎ নিংথিলোকতাই তুখুল তুশাং চিংনুং লাইদি ফুরা ফৈয়োং তুবী লাইরেননে। অরুবনে লাইচুএ। মখাগী থৌরম থৌদা পাংও ।

থৌখাইরোনদি :- লৈহৌরা ৩, ক্বাকলা ২, লাইগী শাওংদি লাই নুংগী লৈশারোন লাইথিরোন্না মওইএ, ঙারমদি ৩নে, অঙৌবা ওইএ, হৈনাইবা ২, ঙানু মরুম অনি, লাংথ্রৈদি লাই লাংথ্রেনে, চেংবী ফাহে ১ চরৈ শংলৈবা হুইকাপ ৩ শাংবা ১ , শেঞ্জা শেনগোই ২, লাইগী লাইকোন মাইওন ওন্না খুরুমও।

লাইহনলোনদি :-উং চিং উং চিং উং তিং তিং, ঙারেন হুরেন তুশাং পালোই তুবী ইখমবাও, নোংলেন খোনথোক মতমএ, শাথুপ শারেপ শানাইরেন, নোংলিক ইরেন পুংগোইবাও, হন্না পুংলেন য়াংখেবনা, মতাই খোংদা তাইরবা, তুবী ঙারেন হুরেন য়াংবনা ময়ালেএ, পোংদা মঙম মপাংলে, তিং হুক, হুক হুক ।

(অসুম্না হাইজদুনা খুরুমও, অফবা হায়বদু ওইএ।)

মীংখৈরোনদি

"লিকলাই সনা মুখাঙন্বা কৌএ"

লিকলাং সনা থাবা পাখঙবা কৌএ ।

১।



মীংখৈরোন অসুবা

১) তুবী লিকলাই ঙন্বা কৌএ।

২) কুমলাং শাকোইবাসু কৌএ।

৩) তাওবী খাংগোই কাংলুইসু কৌএ।

৪)তিনগোং তুবী লাইহনবসু কৌএ

৫)খাংগোন মুখাংলেন্বাসু কৌএ ।

লম্মিৎলোনদি :- খুমন শালাই তুবী পাখঙবনে, লাখিপুর জিল্লা, কছাড় ময়াং লৈপাক লাই খিবিক নাগম্মা লিকলাইশনা থাবা তুবী তুশাং পাং তুরেল পুবা লাইনে, অরুবনে ওক্করবদি মীদু লাংএ, অঙৌবা পকএ, লাইওং খঙদনা নাইএ, লাই অসে নাগম্মাসু কৌএ ।

থৌখাইরোনদি :- লৈনুং লৈশা পোৎথা ৫, চিকোং লাইগী তুবী শাথুপপু চেংবী য়াম্মা মওইএ, ক্বাকলা লাথা ৩গী মথক্কতা থমগনিএ, লৈসু লৈনা ১, জিবা মিতম ঙাম্মু ১ য়াওএ, লৈচু ৭, হৈচু ৯, মৈবী মৈরা মৈথাং ৭ ওইএ। শেঙ্গা শেনকুপ ৩নে, ফীমু ফিজেৎ তমগনিএ, মখাগী লাইহনলোন্না মহাইফমদা হাইজ খুরমও।

লাইহনলোনদি :-তিনবী তিনকোং চিনাইরেন, তুবী তাওনা ইপুংলেন, নুংলোন, লৈশা মপুংলেন ইচিক লাইজা ইখমলেম, মৈনা মৈতোন নোংতাইরেম্বাও, নোংলেবা পুংলোই য়াংবনা খোংচিক খোংলোই ইতম ফু, নোংমাই হি চিং কোংবাও পুংলে য়াংবা মওইরেন, শিদরেন য়ারানে, খোংদা লাইপুং মওইবীও, উং, হি তিং, তিং, রি, উ, উ, উ ।

(লাইহনলোন অসি হাইজদুনা খুরুমজগনিএ ।)

মীংখৈরোনদি

"হংকোক সারা য়াংঙমলেম্বা কৌএ"

হংকোক সারা পাখঙবা কৌএ ।

১। অসংবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) হংকোক পীনাইরেম্বা কৌএ।

২) হাংথাং সাৱা কিনাইবাসু কৌএ।

৩) হংকোক কুমথাবাসু কৌএ।

৪)পুংলোই য়াংবরেনসু কৌএ।

৫)তুশাং হংকোক সংকোইবসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- হংকোক লাইনে, শালাই হংকোক লাংওনবা লাইনে। শালাইদি খা ঙানবা ওংদাইনে, মঙাং শালাইদসু লৈএ, চিংখোং চিংয়া উখ্রুল, তৌশেম, শিংহাৎ, চুরাচান্দপুর টাংখেং লোকতাইদা চাক্তুনা লৈএ, উদুনা চৈনা পীখ্রবদি মীদু সোর মরম শেক্লা নাইএ, মখাগী থৌরম পাংও অফবা ওইএ ।

থৌখাইরোনদি :- লৈশাৎলোনদী চিংথ্রাওনে, হংকোক লাইওংদি মুনা লাংএ, তুরেল লাইশশ লাইথিগা খোং অহুমগী লৈশা তিন্নদুনা শওং ওইগনিএ। হৈচু ৩, হৈচুরোনসু তরেৎনে, চেংবী ফাহে ৩, হৈত্রোই, হৈনিং, হৈখানি পানাও শিনাও, শেঙ্গা ২, মৈবী মৈরা য়াওএ।

লাইহনলোনদি :- রি, হি, পুং না চিংখোংলোন, চিরিক খোংনাইবা য়ারেন তোংবা মতাংলেন, কুপশা শাকুপ তুবীরেন কংকোক কোনাই কোশাবাও, খোংলোন য়ারেন পুংকোই য়াংবাও, তিং, হি, নোংহি, নোংপানবাও, ইতুংপোংলে, হিতাইরোন, খোংখাং য়াংবা মপুরেন হচিকোন থাংলেন ইহুচিক চিকপখোং য়াংখোং হিপুরেনবাও, তিং, তিং, হুক, রি শিদরেন মপুগী ময়া থংলেনে ।

(অসি হাইদুনা খুরুমজগনিএ ।)

মীংখৈরোনদি

"তোসনা হংকোক ঙমলেম্বা কৌএ"

অতোম্না হংকোক পাখঙবা কৌএ ।

১। অঙৌবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।

মীংখৈরোন অসুবা

১) হংকোক সনা কোকশারেন কৌএ।
২) হংকোক খিৎলু কুমথাবাসু কৌএ।
৩) কৈবীরোং কৈখুবসু কৌএ।
৪) কৌদিং হংকোক ঙমলেম্বাসু কৌএ।
৫) কৌগ্রাই হংকোক য়াংবসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- অঙোম শালাই তুবী লাইরেল তাওরোই পাখঙবনে, অরুবনে খংও, খ্বাইরমবন্দ থোংগী মাধব ঠাকুরগী লৈকাইদা লৈবনে, তুবী লাই হংকোক্কী জাৎনে, হৌফমদসু লৈএ, পাৎথি কোমথি, নম্বুল মপান্দা লৈগনিএ। লাইচুরবদি মী শিএ, মখাগী থৌরম পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- লাইগী লাইওং লাইথেক লাইচুবু তুরেল তুশাংগী লৈশানা লাইথিনা ওইএ। লৈচু হৈনা ৯/৭, হৈনাইবা হৈকোক ৩, হৈকন হৈরী হৈনাইবা, চেংবী চেংবা ফাহে অহুমনে, শেনগোই ২, লাংথ্রৈ মতোন ১৮, হৈকন লাকন হৈসুবা, মৈবী মৈরা মৈথাং তরেৎ, লাতোন লারাক ৩, লাইগী শুরুক্রং (লাইখুন) দা চংবীয়ু লাথা নাইনা থাগনিএ।

লাইহনলোনদি :- অঙোম শারেন হাইহুংবাও চিংকোক য়াংবা, খোংবা য়াংহু মীরেন মতাইখোং শাকোক য়ারেন ইচিখোংলেম্বাও উং হিরেন, হুং য়ারেং, হি খোংলেনবাও, নোংগী য়ারা ইরিককোনা মঙম পোংলেনদা মথৌ পাংলেলে মপু শিদা য়াংবগী মঙম পোংলেন মতাইরে। হে, ই, খোংনা মতাইএ, শিদরেনগী ময়াথংএ।

(অসুম্না লাইহনলোন অসি হাইজদুনা খুরুমও ।)

মীংখৈরোনদি

"মীরেন সাকোই য়াংইচন পুংকোই কৌএ"

পাখঙবা মহিরেন কৌএ ।

১। মচু অহুমনা লাংএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) মীরেন খুময়াংলেন্বা কৌএ।

২) কৌশি মীরেন য়াংবা কৌএ ।

৩) কৌব্রিং তুশাং মীয়েল কৌএ ।

৪) তুশাং মীরেন য়াংনাইরেনবা কৌএ ।

৫) য়াংবী মীরেন লাইরেন্বাসু কৌএ ।

লম্মিৎলোনদি :- লাইফমদি চীংখৈদা লৈএ। য়েক সলাই অসুবনে। অরুবা লাইনে খংও, কংলাদসু লৈএ, পাখঙবা লাইকোন সলাই লাইকোনদা লৈএ, থাংলেনসু কংলা মেন পাখঙবনে। থৌনি থৌখাই পাংজরবদি পুন্সিএ। য়েক তরেৎ সলাই মাপননি, মালেম খুথোকঙৈদা মপুরেন শিদবনা মালোম লৈঙাক পুংমরোন মতাইঙৈদা মপুথোকএ। য়েক তরেৎ, সলাই মাপননা থৌনি খংলবদি মীদো মীথোই মীহেল্লে। শকনাই মী ওইফৈএ, মখাগী থৌরম থৌদারোন অসি পাংথোকপীদুনা, থৌখাই মাবু খংজরবদি লাইনা তিনা কোকফৈএ।

থৌখাইরোনদি :- চংবী লাতোন মাপননি, হৈনাইবা মাপননি। চরৈ অঙৌবা ১, হৈরমলোন মাপন, লৈরমলোন তরেং, লৈ অঙৌবা, অঙাংবা মচু অহুম য়াওগনি। চেংবী ফাহে মাপননি। থোংলোন মাপন তগ্রওরোইনাইনি অরুবা ফম্বাল লাইনি। সেনজয় তরেংনি, মৈ চংবা পোৎলম কৎপদি মহে য়ানফদেএ, মৈবী মৈরা তরোংনি, তাইরেন পুংফাই য়াওগনিএ, লাংথ্রেদি লৈছন লাংথ্রে ওইগনিএ। মাপন, তরেং অমসুং মঙানি। কংলা লাইফম মাইওন ওন্দুনা থৌনি পোৎলম পুন্নমক থাফেএ।

লাইহনলোনদি :- উং, হৈ, রে, য়ে, রে, হুং, হুং ফম্বাল নোংগা কংলা য়াইপুং খোংলোই য়াংবনা মতাইঙৈএ। তাওরোই য়াংবনা মথোনজেন য়াংনা খোনথোক মতমঙৈএ। চকলোন য়াংবগী য়াৱারেন পুংদা মঙম পুংলেলে, মপুরেন ফাংখোং মতাইঙৈগী ৱানে, ফম্বাল তাইঙৈ য়াৱানে, সলাই খুথোক হালোই য়াৱারেনি। উং হৈ তিং (হায়জদুনা কোকনোলনা খুরমজগনিএ।)

উচান মৈরা ১০৮ কৎতুনা থৌনিবা নিংজবা থুংএ।

মীংখৈরোনদি

"হংকোক কীংনাইবা পুরৈরোম্বা কৌএ"

হংকোক কীংনাইবা পুরৈরোম্বা পাখঙবা কৌএ।

১। স্না মচুনে।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) পুরৈ য়াংবা হংকোইবা কৌএ ।

২) বীবাই হংকোইরাবসু কৌএ ।

৩) থৌগ্রি হংকোই পীনাইবসু কৌএ ।

৪) মৈথিংকোই হংকোক পীনাইবসু কৌএ ।

৫) হংকোক মিরোনখোম্বাসু কৌএ

লম্মিৎলোনদি :- লাইশক্তি অঙোম শালাইগী পাখঙবগী নুংলোন য়াইফবী ওইরকপা অরুবা লাইনে। হংকোক লাইনে। সলাই পুম্বা ওকফৈএ। লমমিৎতি, পুরৈলোম্বা খোংনাংখোং, চেকোন তুরেল অহুনবী, ৱাংখৈ বামোন লৈকাই, কোনুং থাঙ্গাপাৎ পুবা লাইনে। ওক্লরবদি মী লাইচুইএ, থৌনি থৌখাই পাংজরবদি মীথোই মীহেলে, মশাদা চৈথেংবীবদি মীদু চাহি ওনফদেএ। লাংওন লাংফাই পুংকোই হনবা হংকোক লাই য়ারেন মৈরেন হনবা অরুবা ওইনে খংও, থৌরমলোন অসি পীংবীয়ু ।

থৌখাইরোনদি :- লাতোন তরেৎনি অঙোম লা ওইগনিএ, কবোক অফাবা মুটথাং তরেৎনি। হৈরম ৩, লৈরমলোন ৩, পুকয়ু ৱাইয়ু, সনা কোনথা, লুপা কোনথা, চেংবী মুটথাং ৭, চরৈ অঙৌবা ১, লৈচু লৈখন তরেৎনি। হৈচু মখল তরেৎনি, শেনজয় তরেৎনি, মৈবী মৈরা ১৮, তুবী লাই হংকোক লাইওং লাইখুনদগী লৈপাক্লা শাওং শারগনিএ, লাইরেন লৈফমদা হৈ লৈ পুম্বা পুদুনা মখাগী লাইহনলোন অসিনা কোকনেঞ্জগনিএ, অসুম তৌদুনা থৌরম তৌদা পাংগবদি অফবা ওইএ।

লাইহনলোনদি :- হংকোক হংলেন য়াওইবাও, খোংলা খোমাং খুদুমলেন, মৈথাং য়াংবা তুবী হংকোক মৈনাইবাও, চিং, হুং, হি, য়ে, য়ে, নোংলেন খোংপোক য়াংহুবা সলাই ইখম পুরেম্বাও, ৱাংলেন পুংদা হিরেম্বাও, নোংগী হংলোই ইচিকোন, ইহুন তাইরেন ইখমলেন, পুরৈখোম্বা য়াংসুরেন, চি, হুং, রি কুক কুক মতাইখোং, লাইচি হিকোন মনাইফম সলাই পোংহি হংকোক য়াই, তিং য়াং হি কুং এ এ এ শিদবা সলাই মপুগী য়াথংএ ।

(অসুম হায়দুনা খুরুমজনা থৌনিজগনি)

মীংখৈরোনদি
"চিং, নুং চিংতাই খুরেম্বা কৌএ"

চিংনুং পাখঙবা কৌএ ।

১। অমুবা মচুনে ।

২। অতৈ মচুসু য়াওগনিএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) চীংলাই খুরেম্বাসু কৌএ ।

২) কৌথিংবা চিং তাইরেম্বা কৌএ ।

৩) পারুম্বা পোংনাইবাসু কৌএ ।

৪) খিং গ্রিং তাওবীরেনসু কৌএ ।

৫) মোমলেন য়াংখুবাসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :- লাইশক্তি লুৱাং সলাইগী লাওম্বা লাইনি খংও, চীংখোং চীংয়া, লোক্তাই, লাইখুন্দা চাক্তগাদুনা লৈবা তুবীলাইনে। নোংঙদা, চীংখোং, ইখোং চীং, পুরুম চীং য়াংবী চীং, নুংথোং চীংদসু চাকক্তগাঞ্জুনা লৈএ, করিগুম্বা মীনা ওক্লরবদি মীদু লাইচুএ, পুক কংখৎনি, মাহ-মিৎ হাগৎলি তোইনা অরেং-অথিন তৌই, মশশদা অচিকপা হৌগনি। কুচু মুশিল্লি , ময়াংকংএ, তোইনা কোক ঙাওবা হৌগল্লি, মথাগী থৌরমলোন পাংথোকপীয়ু। থৌনিরবদি অদুগী অফবা ওইএ ।

থৌখাইরোনদি :- চেংবী য়াম মকুপনা লাইগী শাওং শাগনিএ। খরাই পুখনাল অমসু শাবীগনিএ, লাতোন্দি অহুমনি। চংবী লা ওইফৈএ, ক্বাকলা ৩ য়াওগনি। লৈহৌলা ৩, হৈরম ৭, লৈরম ১০নি, চেংবী ফাহৈ অহুমনি। হৈনাইবা ৩, ঙানু চিনপাকপী ৩, চরৈ মচু অঙৌবা ১, মৈবী মৈরা তরেৎনি। ঙাঙৌ মচা ২, লৈ অঙৌবা পীরু শেনজয় ২ য়াওনা মখাগী লাইহনলোন অসিনা কোকনেঞ্জনা থৌনিগনি। লাইফম মাইকৈ ওন্দুনা পোৎলম অসি থাবীগনিএ।

লাইহনলোনদি :- সাকোক নাই শওইবাও, তুবী খমলেন ইখমলেনবাও, য়াংবী লাইকোন সুংলোনপুং পোৎলম মঙম মপাংলে, ইচিক লোংলাই য়াওইবা হিরোন য়াংবা তাওরোইবাও, নোংগী খোনফম মতমলে। পুংদা খমলেন লাইরেন মীনাও উরুবনা হোয়ারেন মপুং মওইএ। নোংলোন মপুং মতাইলেলে। মপু য়াথংলেন মখঞ্জরে। হুং, তিং, তিং, রি, রি মপুরেন শিদবগী য়াথংএ ।

(অসুম হায়দুনা কোকনোঞ্জনা খুরুমগনিএ)

মীংখৈরোনদি

"লাইরেন ঙাংবা কোকতারেন কৌএ"

লাইরেন কোকতাবা কৌএ ।

১। অঙাংবদা অতৈনা লাংএ ।



মীংথৈরোন অসুবা

১) কোকতাই লাইরেন ঙাংবসু কৌএ।
২) শামৈ কোকনাইবসু কৌএ।
৩) হংলোই কংখুরেনবসু কৌএ।
৪) কৌব্রি পাংয়াংবসু কৌএ।
৫) পোংবী হিসুরেল্নসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :-অৰাং কৌব্রু লাইখা, অসুপা, ব্রাংব্রেন, মোইরাং থাংজিং, কোইরেন লাই, কাইকুমৰাং পুরেন, কৌব্রু লৈখ্বা, সনাহন লোকচাউ, মাকলং, তুরেল তুশাংলোয়ারকপা কোইকোন, লাইতুজম পাৎ, ওদিংখোং তুশাং পাৎ ইরোইশেম্বা, চিংজিন নম্বুল তুরেল তুশাং সলাং বাজি ইরেল চীংমৈরোং মেরাখোং পুবা লাইনে, তুবী লাইরেন লাংওন্দা, তুবীনা ঙারেন ওন্দুনা ঙাগী শকওংদা লৈবনে। অরুবা লাইনে খংও, শাথেংনখ্রবদি মীদুনা হৈ লৈ থৌরম থৌখাই পাংজরবদি অফবা ওইএ, নত্রবদি মীদু লাইচুগনি। পুক্তা পোন্বা, লেংবা থিনবা হৌগনিএ।

থৌখাইরোনদি :- অরুবা লাইগী লাংওননি। ক্বাকলা চংবী লারাক অহুমনি, লাইজা নুংগী লাইখুং লাইথিনা লাইগী শাওং মশাগনিএ, ঙারম অহুমনি, ঙাঙৌ ওইগনিএ কবোক অফাবা খুজোক ৩ য়াওগনি, হৈরমলোন ৭, লৈরমলোন তরেৎনি। চেংবী ফাহে অহুনি, কবোক খোইদুম তরেৎনি। লাংথ্রে মতোন তরেৎনি। মৈবী মৈরা তরেৎনি। খোইজু লৈখাম, সেনজয় ৩ হাপকনি। মখাগী থৌরম অসি পাংথোকপীয়ু।

লাইহনলোনদি :- হুং, নি, রি, তোং, য়ে, য়ে, য়ে, তুশাং য়াংবী লাইকোন খাখোং লাইতাই তুবী তাওরোই ঙারমখোই, চিংজম, ইরিক নুংলোন পুংলেবাও, নোংগী য়াৰা ইচিকলেবাও, নোংনা খোম্থোক মতাইঙৈএ, খৈনা নোংনা মতাইরিএ, ইরিক খোংদাই য়াংওইবা ঙাচিক

খোংয়াই ইচিরেবাও। হুং, তিং, য়ে, হি, তিং তিং সেং খিক ইতম পুংদা হনফৈএ, লাইকোন নুংদা লৈফৈএ, শিদারেন মপুগী য়াথংনি।

(অসুম হায়দুনা খুরুমজনা থৌনিজগনি।)

মীংখৈরোনদি
"খঙলোই য়াংবা ঙাংরেনবা কৌএ"

শলাইরেননি



মীংখৈরোন অসুবা ঃ

(১) ঙারেন তাওবী ঙমলেনবা কৌএ

(২) লাইরেন থারোংবসু কৌএ

(৩) চিরিফোন খোংগাইবসু কৌএ

(৪) ঙামৈ তাওবীরেনসু কৌএ

(৫) খাংকোই য়াংখুমসু কৌএ

লম্মিৎলোন্দি ঃ- অৱাং কৌক্রু লাইখা, ৱাংব্রেন, মোইৱাং থাংজিং, কোইকুৱাং পুরেন, কৌক্রু লৈখা, সনাহল লোকচাউ, মাকলং, তুরেল তুশাং লোয়ারকপা কোইকোন, লাইতুজম পাৎ, ওদিংখোং তুশাং পাৎ ইরেইশেন্বা. চিংজিন নম্লুল তুশাং সলাং বাজি ইরেন চীংকৈরোং মেরাখোং পুবা লাইনে, তুবী লাইরেন লাংওন্দা, তুবীনা ঙারেন ওন্দুনা ঙাগী শকওংদা লৈবনে। অরুবা লাইনে খংও, শাথেংনখ্রবদি মীদুনা হৈ-লৈ থৌরম থৌখাই পাংজরবদি অফবা ওইএ, নত্রবদি মীদু লাইচুগনি। পুক্তা পোন্বা, লেংবা থিনবা হৌগনিএ।

থৌখাইরোনদি ঃ- অরুবা লাইগী লাইওংনি। ক্বাকলা চংবী লারাক অহুমনি, লাইজা নুংগী লাইথিনা লাইগী শাওং মশাগনিএ, ঙারম অহুমনি, ঙাঙৌ ওইগনিএ কবোক অফাবা খুজোক ৩ য়াওগনি, হৈরমলোন ৭, লৈরমলোন ৭ নি। চেংবী ফাহৈ অহুমনি, কবোক খোইদুম ৭ নি। লাংথ্রৈ মতোন ৭ নি। মৈবী মৈরা ৭ নি। খোইজু লৈখাম, সেনজয় ৩ হাপকনি। মখাগী থৌরম অসি পাংথোকপীয়ু ।

লাইহনলোনদি ঃ- হুং, নি, রি, তোং, য়ে, য়ে, য়ে, তুশাং য়াংবী লাইকোন খাখোং লাইতাই তুবী তাওরোই ঙারমখোই, চিংজম, ইরিক নুংলোন পুংলেবাও, নোংগী য়াৱা ইচিকলেবাও, নোংনা খোঙ্ছোক মতাইঙৈএ, ইরিক খোংদাই য়াংওইবা ঙাচিক খোংয়াই ইচিরেবাও। হুং, তিং, য়ে, হিয় তিং তিং সেৎ খিক ইতম পুংদা হনফৈএ, লাইকোন নুংদা লৈফৈএ, শিংদারেন মপুগী য়াথংনি।

(অসুম হায়দুনা খুরুমদনা থৌনিজগনি।)

মীংখৈরোনদি

"কৈরেন লাইরেন তুবীবা কৌএ"

লুৰাংনা অঙোম মতাইবা শালাই তুবীনে
কৈরেন লাইরেন তুবীবা কৌএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) তুবী কৈথোং কুপলাবা কৌএ । ৪) তাওবি কুমথিং য়াংবাসু কৌএ ।
২) চিরেন মৈরোম তাওবী কৌএ । ৫) য়াইখু মীরেনবসু কৌএ ।
৩) লাইরেন কৈথোংবসু কৌএ।

লম্মিৎলোনদি :-মিনুথোং ৰাকম পম্থোং, তারেন খোং, গুরু লম্পাক তুশাং লাইরেন পাখঙবা, বামোন লৈকাই, খোংমন সংসাইপাৎ, খানা চাউবনা কোনবা লম, তুশাং কোনবা তুরেল অচৌবা থাঙাপাৎ পুরৈলোম্বা, নোংমৈবুং, ৰাংখৈ লৈকাই, নিংথেম পুখ্রি পুবা লাইনে খংও, তুবী তুশাং তাওরোইনি, মতিক ময়াই লৈএ, খোরুম লাংওন লাংদাইরেন, হিয়াং হিরেন তুবী তাওরোইনাইনি, থেংনদুনা লেংথেরকপদা মৈবী চৈথেং বিরবদি, মীদু কুমজা ওনদেএ, থৌনিজবদি অফবা ফল ওইএ। মখাগী থৌরম অসি পাংবীয়ু।

থৌখাইরোনদি :- অরুবা লাইনি, তুবী য়ারেন য়াতমনা তাওরোই হিরেন পুং লাইনি। চরৈ অঙৌবা ১, হৈরাং মরম ৫নি, লৈ অঙৌবা ৯নি। সেনজয় ৫ নি, হৈনিং হৈক্রু ৭/৭ নি, সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াই, চেংবী ফাহৈ ১ হৈবীগনি, লাতোন ৩নি। মৈবী মৈরা মৈথাং তরেৎনি। কবোক অফাবা মুটথাং ৭নি। খোইজু লৈখাম উচান য়াওবীগনি। থৌরম থৌদা পাংজবদা নোংপোক ওন্না লাইফম মাইওন তমগনি।

লাইহনলোনদি :- উং, ও, ও, ও, রি, রি, খিক, ও, ও, ও, রি, রি নোলাই সাকোক ইনুং লাইও, তুশাং পাংলোই ইচিকলেন, খোংবা য়াংবা ইতমলেন, কোনফু সনা য়াংওইরেন, নোংফু লৈরোই নোংহেনবাও, পুংলেন য়াই মপুংলে। তুবী য়াংবা ইতমলেন, হনফিং রাইরেন মতাইখোং তুবী তুশাং য়ারেনবাও, শিদারেনগী পাওতাকথেহোর হি মতমফৈএ, নোংগী য়াবা কাওফদেএ, হি, চিং, না, রি, তিং তিং সলাইরেনগী য়াথংএ।

(অসুম হায়দুনা কোকনোঞ্জনা থৌনিজগনি।)

মীংখৈরোনদি

"ঙাংবা মৈতোন চিরেন শঙ লাইরেন কৌএ"

মঙাংনা খুথদা লাংদাইবা শালাই তুবীনে।
ঙাংবা মৈতোন চিরেন শঙ লাইরেন কৌএ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) চিরিক মৈতুং তাংবা কৌএ।
২) পুময়াং তাওবীরেনবা কৌএ।
৩) য়াংসি খুয়ুংবাসু কৌএ।
৪) ঙাংলেন পোংবাসু কৌএ।
৫) তুবী শঙলাইরেন কৌএ।

লম্মিংলোনদি :-পাওনম ইরেন, কেক্রুপাৎ চিংনাঙ খোংনাং মনিং, লফুপাৎ তেরা অকোইবা পুবা লাইনি। পাৎ তুরেল তুশাং তাওরোই লাই পাখঙবা লাংওননে। তুবী লাইরেন শাকোইরেন, ইথুপ নুংলোন মালেম লৈশারোন খোংলম তুশা পুইএ। অরুবা লাইনে খংও। মীনা চৈথেং পিরবদি মী ঙাওএ, অনানা লাইওং লাইথেক খংদনা নাগনিএ ঈশিং মরিদা অনাবা লাইওং ওইএ, পুকথিনবা লোইনগনিএ। অপোম অতং নাইগনি, কুচু ফুৰ াওনগনিএ, মখাগী থৌরমলোন অসি পাংথোকপীয়ু ।

থৌখাইরোনদি :- লৈহৌরা ৩ লারোং তরেৎনি, লৈচুরোনসু অহুমনি, হৈনাইবা অহুমনি, চেংবী য়াংকুপী খরা, লৈসু সলাইগী ওইগনি, লৈখনলোনদি তরেৎন । তৌতোন তরেৎনি লুৰাংতৌ ওইগনিএ, লাসেৎ হৈকাই ১৮নি, লৈনা লৈচুরোন ১৪নি। চেংবী মুটথাং ১৪, মৈবী মৈরা ১৮, শেনকুপ সেনজয় তরেৎনি, লাইতাস লাংথৈ ১৪নি, সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াই য়াওনা পোৎলম অসি মাই কৈওন্দুনা লাইফমনি খন্দুনা থাবীগনি।

লাইহনলোনদি :- উ, রৈ, রে, রে, রে, উ, য়ৈ, রে, রে, রে, তুবীরেন খোৰুম শাথুপলেনবাও, ইচিক ইখম নোংতম্বা, সনা চিরেন চিংখুবা য়াংবী তুবী খোংহিরোই, নোংগী ইচিক ইরেনখোক, য়াৰা খোনজেন মখোনথোক, হোয়া পুংদা ময়াএ। পোংবা/পোংবী তুবী কংলেন শাকোকনা ইরিক ইহুন মতমঙৈদা মিতা মীরেন হৈকাংএ। তিনসু লাইচুইএ, মঙম পোংদা ইরাং থৌকাংজরিএ। তিনথুং লাইথুং মকোপীও। ফম্বাললেন শিদবগী য়াথংএ । (অসুম কোকনোঞ্জদুনা হাইজগনিএ, লাইথুং কোকএ খংও ।)

মীংখৈরোনদি

"তুবী তাওরোই সংনাইরেনবা কৌএ"

খুমননা অঙোম শালাইদা তাইবা তুবীরেননে ।
তুবী তাওরোই সংনাইরেন কৌএ ।



মীংখৈরোন অসুবা

১) তুবী ঙারোইহনবা কৌএ ।
২) তাওরোইনাই কিজিংবা কৌএ ।
৩) খিংলেন কুপলাবা কৌএ ।
৪) তুশাং খমলোংঙম্বা কৌএ ।
৫) নুংগ্রেং য়াংগোইবা কৌএ ।

লম্মিৎলোনদি :-মোইরাং খোরি কৈথেল মোংবা কফুৎ, তোয়বুং সান্ত্র পাৎ, খুগা তুরেল, নিংজপোক ইরোং পাৎ, ইথাইচিং, ইরেন নিংথৌদাইরেন, খোদ্রাক পুবা লাইনে। পাৎ, ইরেন পুং লাইকোন পুব লাইনি। তাওরোইগী লাংওন লাংদাই ওইখিবা তুবী লাইনে। করিগুম্বা লাইসক অসি থেংনবা তারবদি, চৈবী চৈথেং পীখ্রবদি মীদু লাইচুইএ, মশাদা অঙৌবা পকএ, অপোম- অতং, ফুগ্রি- ফুগ্রাং থোকএ, মশা ময়েং য়াম্না তাগনিএ। কুচু ওনগনিএ, পুন্সিদেএ, মখাগী থৌরম অসি পাংথোকপীয়ু ।

থৌখাইরোনদি :- সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াই হৈনাইবা অহুমনি, চংবী লাতোন অহুমনি। ক্বা মরু- মনা অহুমনি। লাংথ্রে লৈপোপ ১৪, চেংবী য়ামনা লাই পাফন অনিগী ঙানু চিনপাকপী ময়ুমদা হৈ নাই থক্কী মাংওইননা মথমগনিএ, সেনকুপ অহুম, মৈবী মৈরা তরেৎনি। লোকমাই তরেৎকী কবোক য়াওগনি, নোংপোক ওল্লগা পোৎলমশিং অসি লাইফম মাইকৈ ওন্দুনা থাবীগনি। মখাগী লাইহনলোন অসি হাইদুনা খুরুমজগনি।

লাইহনলোনদি :- হিং, না, রি, উং, উং, হুং, হুং, য়ে, য়ে য়ারেন খেরেন খৈরেন তুশাং তুবী হিরেন পাংয়াংবাও। মঙন পোংলেন লাইকোন নোংথাং য়াংনা তিং খুপশা পুংওইবনা মতাইএ। ইচাং খোংদা ইতাইফমদা হোয়লেলে। উং, লা, হি, রি, রি, থৌকাং মপু ওইরেনবনা মতাইপুংদা মতাইএ, তুবী

লাইশা নুংলোন ইনুংবা য়ারেন খিংনাইবা নহনফমলেন মতাইও, তুবী নশোং মকাংদা লাইরেন নতে হনফৈএ, হুং, সে, মিং, তিং মপুরেন শিদবগী য়াথংএ ।
(অসুম কোকনোঞ্জদুনা হাইজগনিএ, লাইথুং কোকএ খংও ।)

"মঙাং সলাই লৈঙাকলোন পাফন"



"মঙাং অপোকপা"

নিংথৌচা লাইনি

মঙাং সলাই অপোকপা অপোকপী অনি সলাই খাইনা মতাইঙৈনি। ইঙাগী ১৫নি থনিল শাগোলশেল নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবদা মাংকোকই। মচুদি অঙাংবনে, ঈশিংদি নুংজেংনি, লাদি থম্ম খেঞ্জোংনে, লৈদি থম্বাল অঙাংবনে। হৈদি থমচেৎনে। মৈদি মৈথাং তরেৎনে। থাংদি চাকথাংনে। নাহৈদি উরুমনে। নুমিৎ অসিদা মঙাং য়েক সলাইনা অপোকপা অপোকপী অনিবু সলাইগী হৈকৎ- লৈকৎ তৌদুনা তৌরম থৌদা পাংবদি। সলাই

অদুগী পীব অমসুং নিঙোল পুন্সি শাংঙে, চাকলোন কৎচবনা পনাও শিংনাও তাইএ, চহিগী থৌরম পাংবনা মাংতোক ফামেন নাইএ ।

"লুৱাং সলাই লৈঙাকলোন পাফন"





"লুৱাং অপোকপা"
সলাই মপুরেন

লুৱাংগী অপোকপা অপোকপী অনিনা মীৎ পাংবা থাবুমদি, ৱাকচিংগী ১২নি পানবা ইরাই নুমিৎ চীংখৈ হুনবদা পোকই। মচুদি অঙৌবনে, ঈশিংদি লমফেলনি, লাদি লয়াইনি। লৈদি মেল্লৈনি, হৈদি কিহোমনি, শিংদি হৈক্রুনি, ঙাদি শরেং অৱাওবনি। থাংদি তোংদুমবনি। মৈদি খোইজুনি, নাহৈদি উখোক মতোননি ।

লূৱাং য়েক সলাইনা অপোকপা অপোকপী অনিবু চাহিগী হৈকং লৈকৎপা অমদি সরেন চাক কৎতুনা থৌরম পাংলবদি সলাই পুন্সি নুংশাংঙি, মাংচোক ফমেন নাইবা ওইএ, মীথোই মীহেন ফংএ, সাগৈ চাওখৎপা য়াইফা নুংঙাইবা ওইএ ।

"খুমন সলাই লৈঙাকলোন পাফন"





"খুমন সলাই অপোকপা"

খুমন লাই অপোকপা অপোকপী অনিনা মীৎপাংবা থাদি শাজিবু থাগী ১৫নি পানবা লৈপাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা পোকএ। মচুদি অমুবনে। লৈদি লৈসং ক্বাকলৈনি। হৈদি হৈবোংনি, লাদি চংবী লানি। ঙাদি শারেং অমুবনে। শিংদি চাওখোংনি। থাংদি তোংককপা, ঈশিংদি পুমলেননি। নাহৈদি পুংকাইনি।

খুমন লাই অপোকপা অপোকপী অনিগী থৌরম থৌদাবু খুমন য়েক সলাইনা পাংজবদি, লাইনা তিন্না, লাইথুং তিনথুং কোকএ । সাগে সলাই মাংচোক ফামেন নাইবা ওইএ। অয়েং- অকাই লাংফম কোকএ, সাগৈ সলাই নিঙোন পীবা মশক থংবা ওইএ। পুন্সি নুংশাংবা ওইএ। পুরোন পারোন পীরোন মচু মগু শোইনাইদে এ ।

"সলাই তরেৎকী য়েলহেনবা পোৎলম"

মঙাং সলাইগী য়েলহেনদি	:	সেবোৎলিনমানবী অমসুং অঙৌবা ঙারিননি ।
লুৱাং সলাইগী য়েলহেনদি	:	উচেক্লা লমখুনুনি, মনা মশিংদা কবোকংনি।
খুমন সলাইগী য়েলহেনদি	:	তেরানি।
অঙোম সলাইগী য়েলহেনদি	:	অঙোম য়েনসিনি।
মোইরাং সলাইগী য়েলহেনদি	:	মোইরাং খানমনি। উচেক্লা সেন্দ্রাংনি।
খাবা ঙানবা য়েলহেনদি	:	মনা মশিংদা কৈসুমলা মোইরাং খানমনি।
সরাং লৈসাংথেম সলাই য়েলহেনদি	:	উচেক সঙ্গাইলাবা অমসু চাংখ্রংনি।

"অশি-অনা অমসুং সলাই চুকসা মোইথেমলোন"

মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা ঙানবা, সরাংলৈাংথেম। য়েক তরেৎ অসিগী করিগুম্বা য়ুমমাংবা অশি- অনা থোকপা লৈত্রিবা পীবা। সাগৈগী মৌ অদুগী মথৌ মঙম লোইদ্রিফাওবদি পাও ফংলবা (হায়বদি তারবা) সলাই অদুনা চাকহেন ঙাহেন পাংথোকপীগনি।

করিগুম্বা চাকহেন ঙাহেন পাংথোকপিদ্রবদি, পীবা মখা তাবা সাগৈ অদুদগী মচা মগু, সাগৈগী মৌশিংনা পাংথোকপিদ্রবদি, সাগৈ অদুগী মাগী মাগী অপোক লাইদা হৈকৎ লৈকৎ পাংবদা মহাক মহাক্কী ধশা লাংফমগী লাইগী থৌরম পাংথোকচবা ফল লৈতে।

সাগৈ সলাই অদুনা অপোকপদা কংপদা ফল লৈতে চহি অহুমদি, তাইবং পানবা মীওইগী থোংলোন ৯ শোকএ, নুপীনা ঈরম ৭ তা অকাইবা নংএ। পীবা মচা- মশু পুন্সিবা ৱাংলে, ধশ মিতু ওইএ।

করিগুম্বা সাগৈগী পীবা অমসুং সলাই অদুদা ওংলকপা মৌশিং মচা মশুশিং কয়া খংহৌদনা সলাই অমদা থোকলবদি, সলাই ৭কী হৌনবা মৈতৈ ঐখোয় ইপা- ইপু হাক্তগী চৎনরকলবা থৌদোক ৱাথোক কয়া মীশি- মীনা থোক্তনবা চুকশা মোইথেম পাংথোক্লে। অয়াম্বদি খংহৌদনা মীশি- মীনা থোকপদা পাংথোকপা থৌরমনি। চুকশারোন্দা য়াওবা মরুওইবা পোৎলম অমদি সলাই অদুনা য়েলহেন ওইগনি, মতমদি চহি অমনি। হায়রিবা চৎনরোন অসি সলাই ৭কী ইপা- ইপু হাক্তক্তগী চৎনবক্লবা লিচৎনি ।

"অঙোম সলাই লৈঙাকলেন পাফন"





"অঙোম সলাই অপোকপা"

অঙোম অপোকপা অপোকপী অনিনা মীৎপাংবা থাদি ইঙেনগী ১২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা অঙোম পোকএ। মচুদি নপুনে। ঈশিংদি কোংবা মৈরোন্বীনে, লাদি লয়াইনে, লৈদি থরো অঙৌবনে, হৈদি

হৈবোংনি। ঙাদি শরেং অঙৌবনে। শিংদি উপননি। মৈদি মৈবা চিংলগা লৌগনিএ। থাংদি পুককপনি।

অঙোম য়েক সলাই ময়েকচাগী অপোকপা অপোকপী অনিগী থৌরম থৌদা তৌদুনা থৌকাংজবা সলাই অদুদি, সলাই য়াইফকোন থক- খা খাইবা ঙমএ, সলাই পনাও- শিংনাওদা অসোই অঙাম য়াওফদেএ ।

"মোইরাং সলাই লৈঙাকলেন পাফন"





"মোইরাং সলাই অপোকপা"

মোরাং য়েক সলাই অপোকপা অপোকপী অনিনা খোইরুম মীৎ পাংবা থাবুলোন্দি লমতাগী ১২নি পানবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা মোইরাং অপোক য়াথোং তমএ। মচুদি অঙাংবনা লাংবনে। ঈশিংদি লোকক্তানি। লাদি খাংগ্রনি, লৈদি য়েরুম লৈনি। হৈদি কাংগ্রৌনি। ঙাদি সারেং নাপুনি। শিংদি কুহিনি। মৈদি মৈথাং অহুমনি। থাংদি য়েনবা তোকসাবনি। নাহৈদি নাওহিংনি।

মোইরাং অপোকপা অপোকপী অনিবু মোইরাং য়েক সলাইনা থৌরম থৌদা কয়াবু পাংজবা সলাইদি পীবা ফমথোন ফংএ। সাগে সলাই য়াইকা নুংঙাইএ। পীবা নিঙোল ফম ফংএ। অপোকপা অপোকপী অনিবু লৈচন্দুনা থমলবদি সলাই ময়েং তাই, মীশিং মীনা নংএ।

"খাবা ঙানবা সলাই লৈঙাকলেন পাফন"





"খাবা ঙানবা সলাই অপোকপা"

খাবা ঙানবা অপোকপা অপোকপী অনিনা খোরুম মীৎপাংবা থাবুমদি কালেনগী ১০নি পানবা অয়ুক্তা মীৎপাংবীএ। মচুদি মাংগ্রা মচুনি। ঈশিংদি লৈতাংনি। লাদি লৈহৌরানি। লৈদি লৈসংনে। হৈদি হৈবানি। শিংদি চীং য়েলশিননি। মৈদি লৈখামনি। ঙাদি শরেং ঙাঙবনে। থাংদি চিনাইবনে। নাহৈবদি নাপি নাসোন্নে।

খাবা ঙানবা অপোকপা অপোকপী অনিবু সলাই চাশিংনা মঙম পোংদা মথৌ খনজবদি। অপোকপা অপোকপী অনিনা য়াইফ থৌকাংএ। নিঙোল পীবা খাইনা চাদা নাওদা পীবনা সাগৈ চাহোং ঙাহোংঙে। অপোকপা থৌবু থৌকাংদ্রবদি সাগৈ ময়েং তাইএ। ফমেন কাদা মতাইনিএ। পুন্সিদেএ খংও।

"সরাং লৈশাংথেম লৈঙাকলৈন পাফল"



"সরাং লৈশাংথেম অপোকপা"



সরাং লৈসাংথেম অপোকপা অপোকপী খোইবুরেম্বী অনিনা মীৎপাংবদি ফাইরেনগী ১৬নি পানবা য়ুমশাকৈশাগী অয়ুক্তা মীৎপাংবীএ। মচুদি অসংবনে। ঈশিংদি তারেননে। লৈদি লৈসংনে। হৈদি হৈ মনম নাইবনে। থাংদি খুন্থোং থাংনে। শিংদি নোংলৈসংনে। মৈদি মৈথাং মঙানি। নাহৈদি নাপি শিংবীনে। লাদি চংবী লায়াইনি। ঙাদি সারেং ময়াংলেন অসংবা কাবনে।

সরাং লৈসাংথেম অপোকপা অপোকপী অনিবু কুমজা মঙম মথৌ পাংজবদি সলাই পুন্সি ফুনাংএ। মাংচোক ফামেন নাইবনা মীথোই মীহেনবা মওইএ। অপোকপা লাইনা থৌকাংএ।

"সরাং নৈশাংথেম লৈঙাকলোন পাফন"
"হকচাং য়াংবী তাওরোই"



মীহুন ১০৮ (তাওরোই ১০৮) হকচাং কয়াৎলোন য়াংবী
তাওরোই নুংলোন ফীদুপ ।।

"য়াংবী তাওরোই মীংখৈরোন"

মিং তাওরোই ৬
১। মি নহা
২। পোং নহা
৩। হিং নহা
৪। লুং নহা
৫। তরু নহা
৬। লাং নহা

নাতোন তাওরোই
৬
১। লৈখুতোন
২। য়াইখুতোন
৩। সুলোনতোন
৪। নাওহিংতোন
৫। ইনুংখোং
৬। লিরেনতোন

থাজিন তাওরোই ৫
১। তাওবীরেন
২। থাংবীরেন
৩। খাংরোক
৪। লাইখিংলোন
৫। লৈশিংখোং

খোই তাওরোই ১৮
১। সনা
লৈরিককোন
২। লৈফুরোন
৩। নুং তাই পুং
৪। ইরিককোন
৫। কোনথাপুং
৬। য়াইরিকোন
৭। সারিকোন
৮। মিকোন পুং
৯। পুংয়াইকোন
১০। নারিকোন
১১। হিকোনকোনপুং
১২। খোইপুং
১৩। পুংথাপুং
১৪। লৈরেনপুং
১৫। হিরিকোন
১৬। লৈনাপুং
১৭। চিরিককোন
১৮। লুরেনপুং

খুজেং মথক তাওরোই ১
১। সুবুম য়াংওইবা

খাখোং ৬ তাওরোইনাই
১। খলাই
২। ইনুংলাই
৩। কোংবী লাই
৪। হিকোন লাই
৫। নুংকোন লাই
৬। পোংবী লাই

ফৈগন তাওরোই ৬
১। ফৈচুকোং
২। তোংবী কোং
৩। হুয়াই কোং
৪। লাংজিকোন
৫। খুংজিকোন
৬। তিংবীকোন

খুউ তাওরোই ৩
১। খ্বাংকোই
২। ইপোংসা
৩। তোংলৈ
খুউনিং মথক তাওরোই ৪
১। চিরিককোন
২। লাইরিকোন
৩। সাহিকোন
৪। মিচিকোন

লাইলেনফু ৬ তাওরোই
১। লেনফু য়াই
২। পুংফুকোন
৩। তুং কোইকোন
৪। চিংপুকোন
৫। হুইরেনকোন
৬। লিরিকোন

না তাওরোই ৬

১। নাচিসু
২। পুংসু
৩। পিয়াংসু
৪। হিয়ুসু
৫। লিকোসু
৬। তুংসু

য়াং তাওরোই ৬

১। লৌয়াং
২। পৌয়াং
৩। হিয়াং
৪। লিয়াং
৫। পোংয়াং
৬। তাওয়াং

খুয়া থম্বাল তাওরোই ৪

১। য়াইবীসু তাওরোই
২। নুংফুসু তাওরোই
৩। হিয়ুপুং তাওরোই
৪। লিরিসু তাওরোই

চিন, তাওরোই ৪

১। হিলুকোন
২। হুমুকোন
৩। পোংচিকোন
৪। লিসুকোন

খুজেং তাওরোই ৪

১। লি চিফু
২। চাই রিকোন
৩। য়াংপিকোন
৪। খুংলিপোং

খোরি তাওরোই ৬

১। খৌথাং
২। পোংখাং
৩। লাংচং
৪। নালোং
৫। চাংলাং
৬। ইং লাই

লাই খোং তাওরোই ৬

১। লাচিতোন
২। পুংসুতোন
৩। তোংপান
৪। লাংহুই
৫। লাংকুই

সেগ্রাক তাওরোই ৬

১। সেংগেং
২। পোংলেন
৩। ইংগেন
৪। পোংচি
৫। লাংকি
৬। চিংকি

খউউ মখা তাওরোই ৫

১। চিথাংকোন
২। নারি পুং
৩। হিতাংপুং
৪। কোংবী কোং
৫। খ্বাংফুকোন

য়াংবী তাওরোই ১০৮ (চামা শুপনা নিপাল) না নুংলোন মিহুনলোন ১০৮ পীএ, তাইপং খোংতাই ৯ না লোইনবা ১০ গা পুল্লগা ১৯ সুইএ, ১৯ গী নুংলোন য়াইদা মাগী মাগী তাওরোই সাথুপতুনা লৈএ ।

১। মিং তাওরোই ৬ নি । ২। নাতোন তাওরোই ৬ নি। ৩। থাজিন তাওরোই ৫ নি। ৪। খোই তালরোই ১৮ নি। ৫। খুজোং মথক ৬, তাওরোই ১ । ৬। খাখোং তাওরোই ৬ নি । ৭। ফৈগন তাওরোই ৬ নি। ৮। খুউ তাওরোই ৩ নি। ৯। খনিং তাওরোই ৪ নি। ১০। লৱাইলেনফু তাওরোই ৬ নি। ১১। না তাওরোই ৬ নি। ১২। চিন তাওরোই ৪নি। ১৩। খৌরি তাওরোই ৬। ১৪। সেগ্রাক তাওরোই ৬ নি। ১৫। য়াং তাওরোই ৬ নি। ১৬। খুজোং তাওরোই ৪ নি । ১৭। লাইখোং তাওরোই ৬ নি । ১৮। খুউ মখা তাওরোই ৫ নি । ১৯। খুয়া থম্বাল তাওরোই ৪ নি।

য়াংবী তাওরোই ১০৮ না তাইপং পানপগী নুংলোন তাওবীরেননি। মাবু চৈথোং পীবদি, মী পুন্সিদেএ, লেংফদ্রবা মিহুন কাংলোন পুবা নুংলোন য়াংবী তাওরোইনাইনি খংও।

মরুওইবা : লাইরিক অসি য়েংদুনা পাবীবা মতমদা মখাগী য়াৱাসিনা লোইশিনবীয়ু। চাকমাং ফিমাং ফমুং মথক্তা পাবা য়াদে । লোইশিনগদবা য়াৱদি,

তুবী নসোং কাংবীগনু, তুবী নয়াই লুকফৈএ হ, র, স, ময়েক ৩ না তাইরবনি। (লাইপক ৩ কৎফৈএ)

কংলৈপাক লম্মিংলোন

১। ইম্ফাল ঃ খৃ ৪২৮ দা পানাবা নাউফংবা সনা হাক্তা কংলৈ পুংমায়োম্বা কংলা ইরিককোন ফম্বালবু লমলেন মদাইমাবু ইম্ফাল হায়না কৌখি।

২। চুরানচান্দপুর ঃ ইনিংথৌ ইবুংঙো চুরাচন্দ মহারাজনা খারেকোন্দা মনাই মশনগা লোয়নদুনা মফমলেন অদুদা থুংখি। মফম অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না মফম অদুবু মহারাজগী মমিং লৌদুনা চরাচন্দপুর হায়না থোনখি।

৩। তমেংলোং ঃ লাইরেম্বীগা চরৈ-চরৈ ফীবু লোল্লংগা লাইজ ঈরোল্লুংদা তাউদুনা লৈএ হায়দুনা ইনিংথৌ ইবুংঙো চন্দ্রকৃতিনা লমলেন মাবু তমেংলোম কৌখি।

৪। সেনাপতি ঃ খৃ ৮৫০ ইনিংথৌ চন্দ্রকৃতিগী ফমনাইবশিংবু সেনাগী য়ুম শাদুনা মফম অদুদা লৈখি হায়না সেনাপতি কৌখি।

৫। উখ্রুল ঃ নোংপোক হী শাননবা ইনিংথৌ ইবুংঙো চীংখোম্বা মহারাজনা মনাই মশনগা লোয়ননা খোংলেংলকপদা উনা-উনা অদু য়ৌবদা তমই হায়না উখ্রুল কৌখি।

৬। চান্দেল ঃ খৃ ৮৭৬ দা পাম্বা চন্দ্রকৃতি সনা হাক্তা মনাই মশনগা লোয়ননা শাবা লমথোকপা খোংশাল্লমই। ইনিংথৌনা মফম অদুদগী উনা অমা হেক্তনা চাবা অদু মনাইশিংনা উরমই। ইনিংথৌদা হঙ্গৎচখি ইনিংথৌনা খুমখি - চাদে হায়না। লমলেন অদুবু চান্দেল হায়না কৌখি।

৭। অরোং ঃ লৈপাক অনিগী মীয়াম্না লাইজ ঈশিংনা ঈমায় অনি লোংবনে শঙনা শঙমাই অনি লোংবনে মফম অদুবু অরোং কৌখি।

৮। অয়াংপল্লি ঃ খৃ ৮২১ দা মৈতৈ লৈপাক্কী নিংথৌ অয়াংবা পানবা মতমনি। নিংথৌগী য়াথংদগী মীয়াম্না থোনখি অয়াংপল্লি হায়না নিংথৌ অয়াংবা মমিং লৌদুনা খংনখি।

৯। অরাপ্তি ঃ খৃ ৭৭৫ দা পানবা ইনিংথৌ ভৈগ্যাচন্দ্রনা থৈবোং পানবা হৈরুক পানা, লৈশু কৎতুনা ব্রক্ষনা অরাতি কৎখি। লমদম অদুবু অরাপ্তি কৌখি।

১০। অপোং ইঙ্খোল ঃ পোং লৈগাক্পী মীওই খরা লৈরমই হায়বগী মফম অদু পোং ইঙ্খোল কৌখি।

১১। অকাম পাৎ ঃ লাইনিংথৌ পাখংবনা ঈফু কোমদগী কাম্না কাম্না পাৎ তম্না কারকই হায়বগী অকামপাৎ কৌখি।

১২। অহোঙ্গৈ ঃ লৈপুংশানা ফৌয়াম অদু কৈ শারগা হৈজিন্দুনা অহোং অচাউনা পৈশিন্দুনা থমএ হায়দুনা অহোঙ্গৈ কৌনখি।

১৩। ইকৌ ঃ মবুংগী মচন থেম্বীনা য়ুমদা লৈথোকপা ওমদ্রদুনা মথংলেন মমান মচাবু কৌ কৌদুনা চেল্লে হায়বগী ইকৌ কৌখি।

১৪। ইকোপ ঃ কাওরেন ২ চীয়েনববু মচি কোপ্পা ইরম লমলেন ফেলচীকোপ হায়বদু ওইরে। ঙারনববু ইকোপ কৌখি।

১৫। ইচাই ঃ মশাদা চোৎলিবা হুমাং ফীনা লামদুনা তৈথোককি হায়বগী মফম অদুবু ইচাই হায়না কৌনখি।

১৬। ইথোই ঃ থেম্বীনা চেন্না চেন্না শান্নরমই হায়বগী ইথোই কৌখি।

১৭। ইহাং ঃ ইতোমতা ঙাইরে, কনা অমত্তা লৈত্রে হায়না কপ্পা কপ্পা শোল্লমই হায়বগী ইহাং কৌনখি।

১৮। ইঙেল চীং ঃ মুন্না য়েংবদা লৈরমই হায়বগী লময়েং চীং হায়রম্বদগী ইঙেল চীং কৌখি।

১৯। ইতম ঃ মশানৌগী ৱাদু তাবদা খুমুরোম অয়াংবদো শাওবা য়াওদুনা মখুৎশু তানা ইয়াইদু কয়া লুবগে থেন্ত্র য়েংরমই মফম অদুবু ইতম কৌখি।

২০। ইঁয়ে ঃ ফৌওইবীনা শাওদুনা চৈশুনা ইয়াইদা য়ৈরমই হায়বগী ইঁয়ে কৌখি।

২১। ইথাই ঃ ফৌওইবীনা তেংথা নাওইখি হায়দুনা ইথৈ হায়রম্বদু মমৈদা ইথাই কৌখি।

২২। ইথাই পুনম চীং ঃ মপুল ইথাই কাইরেম্ববু লোংনা নমদুনা হাৎখি হায়দুনা ইথাই পুনমচীং কৌখি।

২৩। উত্রা ঃ হুয়া হাপ্পা থোংদু উত্রা হায়বদগী মফম অদু উত্রা কৌখি।

২৪। উরুপ ঃ ইরিন তুরেন্দা চীংদুনা থৈবোং পাম্বীদো খংহৌদনা ঈশিংদা লুপখি। উ অদুবু লুপখি হায়দুনা উরুপ কৌখি।

২৫। উচিৱা ঃ উচিনা তোংবদগী চৈশু ৱানা হৌখি হায়বগী উচিৱা হায়না কৌখি।

২৬। ওকশু ঃ লম্বীদা শোইনাইদুনা ওক্লরবদা মখোয় ৬ না মথৱায় নুঙাইতনা ওক্লমদ্রে হায়বগীদমক ওকশু কৌখি।

২৭। কংলা ঃ ঈশিংনা পাক্লা মালেম পুন্বা লুপশিগ্রবদ পুংমায়োন অদুদি ঈশিং কংলে হায়বগীদমক কংলা কৌখি।

২৮। কোংবা ঃ ওক য়েন্না চাক চাখোক্লবগী ৱাংখৈ ওক থিয়াম খুলনা মখোয়গী অরৈবা য়োংতেক থাংতেক পুরকপবু কোংই হায়বগী মফম অদুবু কোংবা কৌএ।

২৯। কাংদাবী ঃ চরৈ ফী কংদবা ফী অসি কাংদা কৌশি হায়দুনা নোংপোক নিংথৌগী ৱাদুদগী মফম অদুবু কাংদাবী কৌখি।

৩০। কারোং ঃ লৈমা লৈনাওতাবীনা ৱামনখিদুনা লোংখাক লোংনা ময়া কানা হীপ্পী হায়বগী কারোং কৌখি।

৩১। ককচীং ঃ পোরাংনুবীনা মশম কক্লা খাংহৌই হায়বগী ককচীং হায়নসু কৌখি।

৩২। ককয়াই ঃ অহেন্বা মতাং ককথৎতুনা ঐখোয়না পায়রিবা চৈসু অসিগা শাংবা মান্নহনখি ঙাংনদুনা অহেন্বা মতাং অদু ককথৎখি হায়বগীদমক ককয়াই কৌখি।

৩৩। ককৱা ঃ হায়নখিবা মতুং ইন্না পুরুমশুনা লাইতোং পুৱাংশুগী মঙক ককখি হায়বগী ককৱা হায়না থোনখি।

৩৪। ক্বাকৈথেল ঃ নুমিৎ অদুগী ক্বাক তান্বা লোয়রবা ফাওবদা কৈথেল কাখি হায়দুনা ক্বাকৈথেল কৌখি।

৩৫। কৈথেল মানবী ঃ মফম অসি য়েংলুবদা কৈথেল মাল্লি হায়দুনা কৈথেল মান্বী কৌখি।

৩৬। কারাম ঃ খুমনগী লমবু মৈতৈ নিংথৌনা লম কারামদুনা লৌশিনখি হায়বগীদমক লম অদু কারাম হায়না কৌখি।

৩৭। কাইনা ঃ লময়েন অসিনা খোং খোংদুনা ময়ুম মায়কৈ পাংখি। লাংমাই ফুরাদু অৱাৎ অপা লৈতনা ফাদোং চীংদা মরাং কাইনা পানখি হায়বগী মফম অদু কাইনা কৌখি।

৩৮। কাইরং ঃ লম খঙনবগীদমক কাইরম পান্বী থারম্মী হায়বগী মফম অদু কাইরং কৌনখি।

৩৯। ক্বাক্তা ঃ কৈনা শিরবদা ক্বাক ময়াম পাইরক্তুনা তাৰৈ হায়বগী

মফম অদু ক্কাক্তা কৌনখি।

৪০। কৈরাও ঃ কৈগী মরাইবক্তা থাংদা কৈ অদু খংদুনা লাউ খোংদুনা চেনখি হায়বগী মফম অদু কৈরাও কৌনখি।

৪১। কোন্থা ঃ নুরাগী সনা মখুদোপ্তু কোমদুনা তারে কোম-তা হায়নবদগী মমৈথংদা মফম অদু কোন্থা কৌনখি।

৪২। কোংবা ঙাচৈথেল ঃ লেমলৈ ঙানা চোংজবা অদুবু মাবু লক্করিবনি খন্দুনা শাউদুনা ঙাবু চৈরম্মী হায়বগী মফম অদুবু কোংবা ঙাচৈথেল কৌনখি।

৪৩। ক্যামগৈ ঃ মৈদিংভু ক্যাম্বগী তরা চেঙ্গৈ লোইমোম ফৌগৈ শারম্মী হায়বগী ক্যম্বা নিংথৌগী মমিং লৌদুনা মফম অদু ক্যামগৈ কৌনখি।

৪৪। কোকচাই ঃ মাগী মকোক অদু চোইনা চোইনা তারে হায়বগী মফম অদু কোকচাই কৌনখি।

৪৫। কৈরেল ফাবী । কৈবুল ঃ মৈতৈ নিংথৌ খুমোম্ববু মখোঙ মখুং পুন্দুনা খুনুশেম চীংলক্তা থমই। মৈতৈ নিংথৌবু পুল্লি হায়বগী কৈপুল হায়নবদগী মমৈথংদা কৈবুল কৌনখি।

৪৬। কোইচীং ঃ খুলায় পায়রগা ফুগদবগী চীংয়া কোইনা তান্নে হায়বগী মফম অদুবু কোইচীং কৌনখি।

৪৭। কারোংথেল ঃ লৈমা লাইনাউতাবীনা লোংনা ময়া কানা থেন্দুনা হিপ্তুনা লৈখি হায়বগী মফম অদুবু করোংথেল কৌনখি।

৪৮। কৈতোং ঃ কৈগী মবুক মনুংদগী চোংথোরক্কুনা চেনখ্রগা উদা কাখৎতুনা উতোন্দা তোংদুনা লৈখি হায়বগী মফম অদু কৈতোং কৌনখি।

৪৯। কাওরেন ওন্থচীং ।ষনলাউ মচীংলেন ঃ কাওরেলনা চীংদগী ওন্থে হায়দুনা মফম অদুবু কাওরেল ওন্থচীং কৌনখি।

৫০। ফৈশিচীং ঃ চীংমায়দা কৈ অমা শিদুনা লৈরম্বদু উবদা মসিদি কৈ শিবা চীংনিনা হায়বদগী মফম অদু কৈশিচীং কৌনখি।

৫১। কাংশোইবী ঃ মফম অদুদা ঙাকচ্রৌ ফারগা ঙা কাংশোই চামিন্নখি হায়বগী মফম অদুবু কাংশোইবী কৌনখি।

৫২। কল্লা শমজিলমদাইথেৎ ঃ লালোই তরেৎকী মশম পুল্লিবদা থোক্কুনা শমদোন পুন্সিন্নরগা তাখোল্লা ফুদুনা হৌদোল্লগা মঙক কক্তনা

হাৎখিবা মফম অদুবু কক্লা শমজি লমদাইথেং কৌনখি।

৫৩। কোকপতা ঃ নোংবান কোকপা ঙাংবনা লাইজ ঈশিং ঈপাক্তা ঈরোইদুনা শান্নবদা লাইনা লৌদুনা শিখি। কোকপনা তাদুনা শিখি হায়বগী মফম অদু কোকপতা কৌনখি।

৫৪। ক্যাং ইঙ্খোল ঃ ক্যাং লন্মী লৈরন্মী হায়বগী মফম অদু ক্যাং ইঙ্খোল হায়নসু খঙনৈ। নোংপোক ইঙ্খোল, অপোং ইঙ্খোল অমসুং ক্যাং ইঙ্খোল মফম অমত্তনি।

৫৫। কবো লৈকায় ঃ কবো লন্মী ময়াম পুন্না লৈমিন্নদুনা লৈকায় লিংদুনা লৈহনখি হায়বগী মফম অদু কবো লৈকায় কৌনখি।

৫৬। খরদোক ঃ লমলেন খোরি অমসুং নোঙ্গা অনিগী মমিং লৌদুনা নৌনা তৌরিবা খোং তাদুম্বগী মমিং কেগে খোরিতাক মোইরাং নোঙ্গাংখোং কৌনরবগী ঈশিংবু খোপ্পা তাক্লা পুথখি হায়দুনা মমৈথংদা খরদাক কৌনখি।

৫৭। খাবী ঃ ঙাদি চংদনা থরোই নিংখাবী ঙাক্তা চঙই হায়দুনা মফম অদু খাবী কৌনখি।

৫৮। খাবী থানফমলেন ঃ খাবী য়াইতম্বীবু তুম্মুবদগী হৌগৎলকপগুম হিংগৎলকই হায়বগী মফম অদু খাবী থানফমলেন কৌনখি।

৫৯। খয়োল তেশা তেনৱা ঃ পাঙ্গল চাং য়েংনবদা খঙনরদুনা মমৈথংদা মখোয় অনি তেনা—নৌননা ৱারোইনখি হায়বগী মফমদু খয়োল তেশা তেনৱা কৌনখি।

৬০। খারমমান (খারমলান) ঃ মীচং শঙ্গঁন নাইনদুনা লান ওইনা খৎনরন্মী হায়বগী মফম অদু খারমলান হায়নবদগী মমৈথংদা খারমমান কৌনখি।

৬১। খুগা ঃ তুবি মঙাইরোই, লাইরেন মহিকশাং পুম্নমক্কা লোয়নননা চীংলক লাইজ অখুবদা ইন্না খুনা কাখি হায়বগী মফমদু খুকা কৌনরম্বদগী মমৈথংদা খুগা কৌনখি।

৬২। খোইজুমান ঃ অখোয়বা তৌদ্রিদু খোইজু তোল্লোং মৈ থাবদা হান্নগী তৌদ্রিগুম মশক মান্না চুমই হায়বগী মফম অদু খোইজুমান কৌনখি।

৬৩। খোম্বীতোক ঃ শেলোই লংমাইনা অশিববু তোৎপা কৌই খোঙনা

অশিববু তোৎলম্মী হায়দুনা খোঙতোৎ হায়নবদগী মফম অদু খোম্বীতোক কৌনখি।

৬৪। খোংজি য়াইরোক ঃ শেলোই লংমাইনা মৈবুল পায়রগা পুং য়ৈদুনা খোং লাউরদুনা তান্নরকই হায়বগী মফম অদুবু খোংজি য়াইরোক কৌনখি।

৬৫। খোংজোম ঃ তলা পামেল অরোংবনা থেংদুনা উশিং লাউবগী মখোংদা শোকই হায়বগী মফম অদু খোংঙশোক হায়নবদগী মমৈথংদা খোংজোম কৌনখি।

৬৬। খোময়ান ঃ ফৌয়ামদু উবদা চাউরা শারেপ ফরে, খোংক্রুম ময়ামদু হেক্লগা ময়ুমদা পুরক্লে। ইরক্তা মরি চৎতুনা খোংক্রুম য়ান্দুনা পালম্মী হায়বগী মফম অদু খোময়ান কৌনখি।

৬৭। খুমুজাম্বা লমজাউ ঃ মখোয় ময়াম্না খুন্দাদুনা লৈবা লমজাও অদুবু খুমুলৈরিজাম্বগী মমিং লৌদুনা মফম অদু খুমুজাম্বা লমজাও কৌনখি।

৬৮। খুরু খুল ঃ পলেম মমালৈমা য়াংদৌবীনা নাউরাগী মখোয়বু মখুৎসু থাংনা খোইরি লেল্লি হায়দুনা মফম অদু খোইরেল খুল হায়বদগী খোরি খুল কৌনৈ। হৌজিক্লা মফম অদুবু খুরুখুল কৌনরি।

৬৯। খাগেমপল্লি ঃ নিংথৌগী য়াথং মতুংইন্না থোনবা পল্লিনি হায়দুনা নিংথৌগী মমিং লৌরগা খাগেমপল্লি কৌনখি ।

৭০। খ্বাইরম্বন্দ ঃ খ্বাই মীয়াম্না লমদমদুনা লেপ্তুনা কুম্মৈগুম য়েংনখি হায়বগী মফম অদু খ্বাইরম্বন্দ কৌনখি।

৭১। খোংমন ঃ হান্না চেল্লম্বা তুরেল মরীলদু থিংখিবদগী খোং অমনবা ওইরে হায়বগী মফম অদু খোংমন কৌনখি।

৭২। খোংক্লাংতক ঃ অথৌবা অনিনা মানা মানা পায়নরিবা মখুৎসু তেমেন তাগী খোক্লাং তাংমিৎ তাক্লখি হায়বগী খোংক্লাং তাক কৌনখি।

৭৩। খোংহাম্পাৎ ঃ মৈদিংঙু খোংতেকচা য়োইরেনবদা অথৌবা মনাই হুমফু মাথোইগা লোয়ননা কোরৌ নোঙ্গামিন্নখি হায়দুনা হায়রবদা মখোং হাম্মি হায়দুনা মফম অদুবু খোংহাম্পাৎ কৌনখি।

৭৪। খুরাই ঃ অতিয়াসিদবনা নমু তাইবঙ কনা খঙহন্দনা লোন্না থুপ্লা শানথুপ্লগে খল্লদুনা অখুবা মফম থিবদু মীয়াম্না ইরাই লাইনা উখি হায়বগী মফম অদু খুরাই কৌনখি।

৭৫। খুৎতেকপী ঃ শামু খুৎফাংতোনবু থেক্লা মশাবিবু ঙাইরমই হায়বগী মফম অদু খুৎতেকপী কৌনখি।

৭৬। খোইনাই তাইবিলৌ ঃ পুকচেল খোয়জেল তিন্নবা নুঙাইনা পানমিন্নখি হায়বগী মফম অদু খোইনাই তাইবিলৌ কৌনখি ।

৭৭। খুললৈতাই ঃ নুপী ময়ুমদা য়াওং ইন্দুনা লৌরিবা মানা মতু--মচা কায়নদুনা ওন্থোক্লগা মীশি চাদনা শিরিবশি খুল অসিদা অতাংবনি হায়নবদগী মফম অদু খুসলৈতাই কৌনখি।

৭৮। খুলদিনবী ঃ অঙকপা থৌওং অদু য়েংবা চৎকদবগী খুলগী মীয়াম খুলদিন্নখি হায়বগী মফম অদু খুললৈতাই কৌনখি।

৭৯। খোংঙাখুল ঃ ঙায়াম অদু নুপী অঙাং পুম্নমক হৌদুনা ঙা হোল্লি হায়বগী ঙাহোন খুল হায়বগদী মমৈথংদা খোংঙাখুল কৌখি।

৮০। খোকঙা তাংজপুং ঃ খরা চৎলগা মখোঙ থাংদুনা চৎপা ঙমদদুনা তাখোক্তা শৌরগা তাংজা মায়থোং লুক্লা লেপ্তুনা লৌখি হায়বগী মফম অদু খোকঙা তাংজপুং কৌনখি।

৮১। খাম্রন ঃ খাম্রন মীয়াম খুন্দাদুনা লৈ হায়বগী খাম্রন কৌনখি।

৮২। খোক্লাং তাংঙাপুং ঃ মখুৎসু খোক্লাং তানা ফাবা পুংনি হায়বগী মফম অদু খোক্লাং তাংঙাপুং কৌনখি।

৮৩। ঙানপী থোং ঃ মফম অদু মনপ মপি থোং হায়নবদগী লেমলৈ, ঙায়ামসু ফাই হায়দুনা ঙানপিখোং কৌনখি।

৮৪। ঙারং য়ান ঃ শেলোই লংমাইনা শারংবু ঙারংকৌই শারং য়াল্লম্মী হায়বগী মফম অদু ঙারংয়ান কৌনখি।

৮৫। ঙারিয়ান ঃ খুমন্না ঙা য়াল্লম্মী হায়বগী মফম অদু ঙারিয়ান কৌনখি।

৮৬। ঙাংলৌ ঃ লান্দা ফুনাল তেলহৈবগী তেলনা পান্দুনা তাউথিংমাংগী খোইরি লিনশাং থোক্লা ঈনা ঈঙাং ঙাংনা লৌখোংগুম চেল্লে হায়বগী মফম অদুবু ঙাংলৌ কৌনখি।

৮৭। ঙাইতে লৌকোননুং ঃ লাইরেম্মা ৭ না মখোয়গী মফি অদু পীয়ু হায়দুনা মুংয়োং চাউবগী শুমাংদা ঙাইদুনা লৈখি । হায়বগী ঙাইতে কৌখি। নুমিৎ অদুদগী মফম অদু ঙাইতে লৌকোননুং কৌনখি।

৮৮। ঙাহাপুং ঃ পুংগী ঙায়ান অদু লম্বীদা চৎপা মীশিংদা ঙা হাদুনা য়োল্লম্মী হায়বগী মফম অদু ঙাহাপুং কৌনখি।

৮৯। চীঙ্গৈই ঃ লম্মখাংদা তরা চেঙ মচং তেক্তবা হুইয়া মানবা চেঙনা চেঙবুং শানা পৈরম্মী হায়বগী মফম অদু চীঙ্গোই কৌখি।

৯০। চীঙ্খো ঃ লৈত্রে হায়দুনা শেলোইদা মাগী য়োৎকী চৈশুনা লৈপাক্তা য়ুংলগা চীংগী ঙমখৈ থনম্মী হায়বগী মফম অদু চীঙ্খো কৌখি।

৯১। চরাংপাৎ ঃ চরাং খুলগী মীনা পাৎশেন থিদুনা পাৎ চাই হায়বদগী চরাংপাৎ কৌনখি।

৯২। চন্দ্রখোং ঃ থুমখোং তৌইহল্লগী থুম শুমহল্লি হায়বগী থুমখোংদু মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রগী মমিং লৌদনিা চন্দ্রখোং কৌখি।

৯৩। চীংঙারেন ঃ ঙাংনা ফজে শোন্নবদগী চীংঙু ঙাংশাবগী মমিং লৌদুনা মফম অদু চীংঙারেন কৌনখি।

৯৪। চেক্লা পাই ঃ য়েংবদা কায়রম্মে হায়বগী তেক্লাপাই হায়নবদগী মমৈথংদা মফম অদু চেক্লা পাই কৌনখি।

৯৫। চীংমৈরোং ঃ চীং নাপোম অসিনা লোংবনে চীংমৈরোং হায়বদু ওইরে হায়বদগী মফম অদু চীংমৈরোং কৌনখি।

৯৬। চোংজিং (কক্‌চিং চোংজিং) ঃ লাইরেন মকোক অককপা চোংথোক্লুনা তাখিবা মফমনি হায়বগী চোংজিং কৌনখি।

৯৭। চজিং ঃ শায়দুনা ইল্লম্মী হায়বগী মফম অদু চাকশাইচীং হায়বদগী মমৈথংদা চজিং কৌনখি।

৯৮। চাইরেল ঃ মাগী মমিং লৌদুনা পুং অদুবু চাইরেনপুং হায়নবদগী পুংনা কোল্লিবা মফম অদু চাইরেল কৌনখি।

৯৯। চেংলৈ উনুংতা ঃ মফম অদুদা তারক্কদ্রা চীংনদুনা লৌখোং তৌরিবা মনাইশিংনা মঙক লৈনা চেপ্পা য়েংই হায়বগী মফম অদু চেংলৈনুংতা কৌনখি।

১০০। চাঙৌপুং ঃ তরা চয়োম অদু পুংগী মথক্তা থোক্লুনা চাবগী চাক অঙৌবা অদু ঙৌরোক ঙৌনা তারম্মী হায়বগী মফম অদু চাঙৌপুং কৌনখি।

১০১। চাইনপুঙ ঃ মানা মনা পুনরকপা পুকয়ু অমদি তরা চয়োম লান্নদুনা থকমিন চামিন্নবগী তা চায়নখি হায়বগী মফম অদুবু চাইন পুঙ কৌনখি।

১০২। চোথে নুংশুকচীং পানবী নাউথেম চীং ঃ হয়েং ঐনা ৱাংলসি হায়বদা নতিক নথৌনা উৎনা নশোং কাংদুনা ৱাংখৎলু হায়না মপারি মমোম কৌর কৌরদুনা নাউথেম্মী হায়বগী মফম চোথে নুংশুকচীং পানবা নাউথেমচীং কৌনখি।

১০৩। তাখোক ঃ মায়য়োক্লরগা মানা মানা পায়নবা তাখোক্কী হৌরকফম তাক্লরগা চায়নৈ হায়বগী মফম অদু তাখোক কৌনখি।

১০৪। তাংখম ঃ লোইমোম ফৌওইবী লাইরেম্বীনা হৈবী হৈনাইদবদা

তাংথরম্মী হায়দুনা তাংথরম হায়বগদী মফম অদু তাংখম কৌনখি।

১০৫। তাংখম লিৱাপোক ঃ কোংয়াং চৈশুদু মালেম লৈমায়দা য়ুংলম্নদু মনৌ উশোই চোংদুনা ৱা পান্নী ওইনা হৌরক্তুনা ৱাপল ফারে হায়বগী মফম অদুবু তাংখম লিৱাপোক কৌনখি।

১০৬। তরাউ টীংফৈ ঃ খান্বী মৈ হৌগৎতুনা মৈ য়াইবদা মখদাংনা মখুদা শৌদুনা মমায় মমিৎ ঙাংনা তরাই তরাউ খাংলমই হায়বগী মফম অদুবু তরাউ চীংফৈ কৌনখি।

১০৭। তাংজেং ঃ ওল্লকপা চহিদা ঈশিং কংদুনা য়েংলুবদা তাদু ঈয়াইদা মখ্বাং চেংনা লৈরম্মী হায়দুনা তাচেং হায়বদগী মফম অদু তাংজেং কৌনখি।

১০৮। তেন্দোংয়ান ঃ লিরুং তেন্দোংবু তলা পামেল উশাদা য়ালম্মী হায়বদগী মফম অদু তেন্দোংয়ান কৌনখি।

১০৯। তোনসেন ঃ করম্লা লাইনা করম তৌনা শেল্লন্লিবনো হায়না তোইনা তোইনা শোল্লম্মী হায়বগী মফম অদু তোনসেন কৌনখি।

১১০। কোরোফাই ঃ কেগেনা অঙাংবু তোরো কৌই। অঙাং ফারে হায়বগী মফম অদু তোরোফাই কৌনখি।

১১১। তোরবুং ঃ অককপা মকোক থম্বা পুংনি হায়দুনা তোরোপুং হায়বদগী মফম অদু তোরবুং কৌনখি।

১১২। তৌবুল ঃ ঈপোম নাইনা চেন্থরকপদা উপাল ৱাপাল তৌশিংনাং য়াক্তুনা তাউথরকই হায়বদগী মফম অদু লৌতাং তাও কৌনবদগী মমৈথংদা তাউথোং কৌনখি।

১১৩। তাকয়েল ঃ খুদোম্বীনা থিন্দুনা তাকপা লম্বীদু নিংথৌনা য়েংই হায়দুনা তাকয়েং হায়বদগী মফম অদু তাকয়েল কৌনখি।

১১৪। তাকয়েন পুককানবি ঃ মচা পোকপা ঙমদ্রবী পুককংবী নুপী অমবু মৈতৈ নিংথৌ হোংনেম য়োইখুঞ্জাওনা মখোঙনা কানথোকপিখিবা মফম অদুবু তাকয়েন পুককানবি কৌনখি।

১১৫। তোপ লৈরক ঃ ময়াং লম্মী অমসুং খাগী লাম্মীনা নোংমৈ তোপ শাবা তম্বীরমই, কৈশামথোংদা তোপ শাখিবা লৈরক অদুবু তোপ লৈরক কৌনখি।

১১৬। তোপ চীংথা ঃ তোপ পুরগী চীংদুনা চাংয়েং তৌনবী থাদুনা থম্বা মফম অদুবু তোপ চীংথা কৌনখি।

১১৭। তুমুরাকপাচীং ঃ মোইরাং ঙাইদুনা মতম খরা লান খাংদুনা লৈখি।

তুমুরাকপনা লৈবা চীং অদুবু তুমুরাকপাচীং কৌনখি।

১১৮। তেনগৈখা ঃ লিরি ওইবা তেল অদু শাবা লোয়রগা ফৌ হাপ্পা কৈগী মথক্তা ঙাদুনা থনম্মী হায়বদী তেনকৈঙা হায়বদগী মমৈথংদা তেনগৈখা কৌনখি।

১১৯। তেনথা ঃ শগোলগী মখাদা তেলনা পানবদা তেনচৈ তেক্তুনা তারকই হায়দুনা তেনতা হায়বদগী মফম অদু তেনথা কৌনখি।

১২০। তেকচম ঃ খ্বাই নোংজেংবগী অতেকপা তেনমৈ অদুনা জম লাউবা মখোলগা লোয়ননা লৈপাক্তা তারকই হায়বদগী মফম অদু তেকচম কৌনখি।

১২১। তুমু ঃ অশিবগুম মুসুক মুনা তুমদুনা লৈরমই হায়বগী মফম অদুবু তুমু কৌনখি।

১২২। তোকপা য়েনফৈ চীং ঃ মোনসু লাইবক চাউবীনা কপ্পা কপ্পা মানা পুরকপা চয়োমদু লোইবী চীংথক্তা থারে। তোকপা য়েনফৈনা য়োম্বা তরা চয়োমবু চীংথক্তা থারম্মী হায়বগী মফম অদু তোকপা য়েনফৈচীং কৌনখি।

১২৩। তৈতুপান ঃ কৈদু মবুক তৈনা (থন্না) চারে হায়বগী মফম অদু তৈতুপান কৌখি।

১২৪। তরা কোন্নচীং ঃ চেনখিবা মখোয় তরানা চীংদা কাখৎলগা কোন্নদুনা কপ্পলম্মী হায়বগী মফম অদুবু তরা কোন্নচীং কৌনখি।

১২৫। তাতপুং ঃ শামুগী মথক্তা হাপ্তুনা পুরকপা তিমেন তা ময়ামদু তাহৌবা মফম অদু তাতাপুং কৌনখি।

১২৬। তরাখং ঃ থিবদা ফংদ্রবদা মাবু পোকপা মপানা তরানিশুবদা থিবা ফংই হায়বদগী মফম অদু তরাখং কৌনখি।

১২৭। তুগম ঃ নিংথৌ য়েল্লাংবনা মাগী নুপী লাইস্না থানবীগা লাকপদা শমদুনা চৎলি হায়বগী মফম অদু তুসম কৌনখি।

১২৮। তখেল ঃ তখেল মীয়াম্না লৈ হায়দুনা মফম অদু তখেল কৌনখি।

১২৯। তখেল খোং ঃ বামোন লৈকায়গী নহাবমদা লৈরিবা খোং অদু তখেলগী মীশিংনা তৌবা খোংনি হায়বগী মফম অদু তখেল খোং কৌনখি।

১৩০। তেখাও পাৎ ঃ শিংজমৈ কৈখেলগী মখা থংবদী লৈরিবা পাৎ অদু তেখাওগী মীশিংনা তৌবা পাৎনি হায়বগী মফমদু তেখাও পাৎ কৌনখি।

১৩১। তরাউ লৌচিংফৈ ঃ খুকউদা শৌরগা নিক্তুনা নিংথম্বা খাংবদা মশাদু

ফৈনা ফৈনা চীংলম্মী হায়বগী মফম অদু তরাউ লৌচিংফৈ কৌনখি।

১৩২। থাঙ্গ ঃ কেগেনা মোইরাংনা হায়নবদা মখুৎসু থাঙলেন অথৌবদু খাইবা কৌই। থাঙলেন অথৌবা পায়রগা ঙাইখি হায়বদগী মফম অদু থাঙ্গ কৌনখি।

১৩৩। থোঙ্গ্রাংবী ঃ কংফান্দা চোংখৎলি হায়দুনা থোঙ কারনবী হায়বদগী মফমদু থোঙ্গ্রাংবীকৌনখি।

১৩৪। থোপমরৌ ঃ ঙা ফারবসু ঙা থোকপদা চঙবা হৌনদে থোপ মরৌ লৈরমগনি শোন্নরম্মী হায়বদগী মফমদু থোপমরৌ কৌনখি।

১৩৫। থিঙ্গাংফাই ঃ কোরৌ নুমিৎ তরেৎনি থিংনা ফাইনা মুক্রা শান্নে হায়বগী মফমদু থিঙ্গাংফাই কৌনখি।

১৩৬। থাঙ্গ শোই ঃ ঙাদি কাদনা থাংদুম কাই হায়দুনা থাঙকা শোই হায়বদগী মফমদু থাঙ্গ শোই কৌনখি।

১৩৬। থৌবাল ঃ মীয়াম্না থৌইদা অথৌবা নুমিৎ নমাইবু করম পানবনো করেম্মখি হায়দুনা থৌপান হায়বদগী মমৈথংদা মফমদু থৌবাল কৌনখি।

১৩৭। থোংজু ঃ খুমন্না খোঙবু খোংও মকৌএ, উ চিংলিবা খুমনগী মীয়ামগী মখোঙ লৌদুনা তুরে হায়নবদগী মফমদুবু থোংজু কৌনখি।

১৩৮। থাংমৈবন্দ ঃ পলগুম ঙাক শেল্লি হায়বগী চিংঙু কোলোয় মথৌদা খোয়ুম মিংলেন লৌরগা মফম অদুবু থাংমৈবন্দ কৌনখি।

১৩৯। থোংঙাম ঃ তেকপমক্তি তেক্তনা খাংই হায়বগী মফমদুবু থোংঙাম কৌনখি।

১৪০। থাংমৈকোল ঃ য়ু পুন্নমক্তগী থোইও হায়না শোল্লম্মা হায়বগী মফম অদু থোইদুম হায়না কৌনখি। মমৈথংদা কেগে অশৈবনা থাংমৈবন্দ থোনখি।

১৪১। থিংবা ঃ লোক তম্না কুমথরকপদা লোক্কী ঈশিং ঈচেলদু নুংনা পল শাদুনা ঈশিং থিংলম্মী হায়রৈ মফমদুবু থিংবা কৌনখি।

১৪২। থাঙজমপাৎ ঃ কবো লান্মীশিংবু হাৎপগী ঈ তৈরবা থাঙবু পাৎতা কুমথারগা চাম্মী হায়নবদৈ মফমদুবু থাঙজমপাৎ কৌনখি।

১৪৩। নোংমৈবুং ঃ নোংমৈ খিন্দুনা কাপখিবা হায়নবদৈ মফম অদুগী মমিংবু নোংমৈবুং কৌনখি।

১৪৪। নম্বল তুরেল ঃ লমমুন লমদা চেনবা তুরেলনি হায়নবদৈ লমমুন তুরেল কৌনখি। মমৈথংদা নম্বুল তুরেল কৌনখি।

১৪৫। নম্বোল ঃ য়োইমোংবা তাউথিংমাং মচিন মনাওনা মোই ঙাকপদা ঙায়াম য়ামনখিদুনা পুবা ঙমদবদুনা ঙবোংদা য়োল্লগা মনঙ্গন্দা থোঙ্গত্তুনা ঙায়াম্বু পুই হায়বৈ মফমদুবু নম্বোল কৌনখি।

১৪৬। নহাবুং ঃ মীঙোন্দা ঙাবু হাদুনা য়োল্লি হায়নবদে মফমদুবু ঙাহাপুং কৌনবদে মহাবুং কৌনখি।

১৪৭। নিংথৌখোং ঃ নিংথৌগী মচানুপাবু থোংদা নমশিন্দুনা হাৎখি হায়বদে মফমদুবু নিংথৌখোং কৌনখি।

১৪৮। নুংকোল ঃ লৈমা লাইনাওতাবীনা নুংজাও কোল্লগা কপ্লম্মী হায়বদে মফমদুবু নুংকোল কৌনখি।

১৪৯। নাচৌ ঃ লফু পাম্বীশিংগী মরক্তে অমনা কা হেন্না চাউই শোন্নরম্মী হায়নবদে মফমদুবু লাচাউ কৌনখি। মোইরাং অশৈবনা কাইনথংদা নাচৌ কৌনখি।

১৫০। নিংথৌদা ঃ নিংথৌনা কুমদুনা ঈশিংদে চয়োম লৌখৎলি হায়বদে মফমদুবু নিংথৌদা কৌনখি।

১৫১। নোংশাখাম ঃ য়োইময়াই অঙানচনা নুংশা মঙাল খাম্মী হায়বদে মফমদুবু নোংশাখাম কৌনখি।

১৫২। নোংয়াই ইরাওখু ঃ লাউবদা মখোল খুরে হায়নবদে মফমদুবু নোংয়াই ইরাওখু কৌনখি।

১৫৩। নোংয়াই লৈকৌবুং ঃ লৈপুঙদা কাখৎলগা কোইনা লৈনা য়েংলে হায়বদে নোংয়াই লৈকোইবুং কৌনখি।

১৫৪। নুংগৈ ঃ মশা মশানা পায়নরিবা তাজিন্না ইন্নরম্মী হায়বদে নুংই কৌনরম্মী। মমৈথংদা নুংগৈ কৌনখি।

১৫৫। নুরা খোমলেনচীং ঃ নুরাগী খোল্লাং মচিন লেমদুনা মলেমবক্তা তাখি হায়বদে নুপা খোমলেনচীং কৌনখি।

১৫৬। নুরাথেল ঃ হৈজীং খরাই পুগদবগী নুরা ময়াম্না থেন্দুনা লৈনখি হায়বদে নুরাথেল কৌনখি।

১৫৭। নাউরেম ফাইবোকথোং ঃ নুপী অমনা থোং লানবাদা মচা ফাইবোক অনী পোকখি হায়বদে নাউরেম ফাইবোকথোং কৌনখি।

১৫৮। নুংগোইবী ঃ মী শা চংঙমদবা নুংনা ইকোই কোইশিল্লী হায়বদে নুঙগোইবী কৌখি।

১৫৯। নুংজেং ঃ নুংনাংবা কোক্তুনা পুক্নীং মকা লাপ্লে হায়বদৈ নুংজেং কৌখি।

১৬০। পাঙ্গৈ ঃ নোং ঙাল্লবদা তুমিন্নবদী থাদোক্লদুনা চেংলৌ খবাং পাংয়ান্না হৌগৎলকই হায়দুনা ফাংয়াং য়াকোনফম হায়নবদৈ মফমদুবু মমৈথংদা পাঙ্গৈ খণ্ডনরকখি।

১৬১। পাৎশোই ঃ নুমিৎ থোরক্লফাও মশাবী লাকত্রে, ৱা শোইনরে হায়না লৈমা শুদিং ঙানবীনা তেংথা নাউওইরম্মী হায়বদৈ পাৎশোই কৌনখি।

১৬২। পুখাও ঃ তরা চাক লাপ্লে ঈশিং খৌরাংলে পুক খাউসিদা করিমত্তা তাদ্রে শোল্লম্মী হায়বদৈ পুকখাউ কৌনখি।

১৬৩। পোইরৌ ঃ কপমিন্নরগা ময়ুমদা চাক চাবা চণ্ডদনা পোইরৈ লমদম তাম্না তুরোই ঙামলোই চৎমিন্নখি হায়বদৈ পোইরৈ কৌনখি।

১৬৪। পুমলেন ঃ চারিক ময়াম ফুমজিল্লি হায়দুনা ফুমলেন কৌনবদৈ পুন্লেন কৌখি।

১৬৫। পৌরাবী ঃ লুহোংবা থিনবদা লোইবী হাওপাখংগা মৈতৈ পাখংগা অওং-অউন পোৎয়ামদু খুৎশিন্নবদা পৌরা মশিং থিদুনা শিন্নে হায়বদৈ পৌরাবী কৌনখি।

১৬৬। পুকশ্রি ঃ মমোমগী মবুকপু লীরেন লীনা শীনবা থুংনা পুনশিললি হায়বদৈ পুকশ্রি কৌনখি।

১৬৭। পাঙল সিফাই ঃ পাঙল সিফাই ময়াম থম্মী হায়বদৈ পাঙল সিফাই কৌনখি।

১৬৮। পাউবিতেক ঃ ইলগী পৌরা তেকখি হায়নবদৈ পৌরাতোক কৌনবদৈ পাওবিতেক কৌনখি।

১৬৯। পান্থা লৈময়ায় ঃ হুইয়াই কোংজিংনু অহনবীবু পল্ল-পল্লদুনা কপলম্মী হায়নবদৈ পান্থা লৈময়ায় কৌনখি।

১৭০। ফয়েং ঃ ফৌওইবীদি ঈরানবা ঙমদদুনা হল্লকপদা -রদুনা নুমিৎ নীনি ফাইদুনা লৈখি হায়বদৈ ফয়েং কৌনখি।

১৭১। ফোইজীং ঃ থাঙ্গা শোকচোম্বীগী মথবাক্তু শেগায়রগা ফোইবদুনা চায় হায়বদৈ ফোইজীং কৌনখি।

১৭২। ফৌবাকচাও ঃ লৌফমদা হৌবা ফৌ পাম্বীনা ফৌকা ফবা মচেং

পাকপা হেল্লি হায়বদে কৌকাচাউ হায়নবদে ফৌবাকচাউ কৌনখি।

১৭৩। ফুমলৌ ঃ থরোরোংবা চনুনা ঙা ফারুরগা হল্লকপদা মচানুপা অনীদু লৈরমদ্রবদা করম্বা লাইনা ইচাবু পুন্মাং মাঙহল্লিবনো কপলন্মী হায়বদে মফমদুবু পুংলৌ কৌনবদে ফুমলৌ কৌনখি।

১৭৪। বাশিখোং ঃ ঈশিং, ঈচেন্দা মনাওনুপানা য়াংহনববু কুদা হাপচিন্দুনা থাদরকই। কু কুয়ালোকী মনুংদা বাঁশি খোংলদুনা তুরেলদা তাওথরকই হায়বদে বাঁশিখোং কৌনখি।

১৭৫। বিষ্ণুপুর ঃ পোং নিংথৌ খিকখোম্বনা মৈদিংঙু কাম্বদা সল ক্বাগোক্তা থপ্পুনা পিরকপা বিষ্ণুদু লাইশঙ শাদুনা শাখি হায়বদে বিষ্ণুপুর কৌখি।

১৭৬। মিনুথোং ঃ মেনু লুহোংবদা লান্নবা শাবা থোংনি হায়বদে মিনুথোং কৌখি।

১৭৭। মোইরাংখোং ঃ মোইরাংগী লান্মী খরা লানফা ওইনা ফারগা পুরক্লগা হাংখিবা মফমবু মোইরাংখোম কৌখি।

১৭৮। ময়াং লাংজিং ঃ মৈতৈ লান্মীগা ময়াং লান্মীগা ময়োক্লনা অকনবা লান চিংনৈ হায়দুনা ময়াং লাংজিং কৌখি।

১৭৯। লান্দা ফারকপা ময়াং লান্মীশিং ময়ুমদা হঞ্জররোই হায়বদে য়ুমফম পীদুনা ময়ুম শাহনখিবা মফম্বু ময়াং ইম্ফাল কৌখি।

১৮০। মুরাপাৎ ঃ নোংপোক নিংথৌনা পান্থোইবীবু লাকপ্রা মুনা মুনা য়েংলন্মী হায়বদে মফমদুবু মুরাপাৎ কৌনখি।

১৮১। মোইরাং খাংবনচীং ঃ মোইরাংনা লান খাংই হায়দুনা চীং নাপোমদুবু মোইরাং খাংবনচীং কৌখি।

১৮২। মোইরাং লান্মী খরবু পাৎখি কোমথিদা নমশিন্দুনা হাৎখি হায়বৈ মোইরাংকোম কৌনখি।

১৮৩। মোইরাং ঃ লাইনিংথৌ মোংবহনবনা মালেম লৈমনা য়াইকোয়নুং ঙাঙোই য়োইরেন মপুংয়াইদা মুন্দা লৈতাদুনা মরানয়াই ওইখিএ।

১৮৪। মানতক ঃ খুৎচুপ চৈমিয়াংনা লোইবী হাও পাখঙশিংবু মুক্লা শান্নবদা থান্নবা চরৈফি তক্লা লৌই হায়বদে মানতক কৌনখি।

১৮৫। ময়াংখাং ঃ খুল হোংলকপা ময়াংশিংদু লন্বী থিংবদগী চৎপা য়াদদুনা –না খাঙলন্মী হায়বৈ ময়াংখাং কৌখি।

১৮৬। মকু লোক ঃ লাইনা কুবিবা লোকনি হায়বৈ মকু লোক কৌখি।

১৮৭। মাকলং ঃ ঈশিংদা লংনা কাউথরকপা হৈবু লোকই হায়বৈ মাকলং কৌখি।

১৮৮। মোলশাং খুলেন ঃ ঈশিং, ঈরানবদা ঈশিং মনুংদা নুং অশাংবা অমা থেংনবদা মোল্লিদা হায়না মাদুনা য়েংলম্মী হায়বৈ মোলশাং খুলেন কৌনখি।

১৮৯। মোনখাংলম্বী ঃ মোনখাং লমদা মীয়াম্না লম্বী থোন্দুনা চৎনখিএ। লম্লেন মোনখাংলমদা শেম্বা লম্বীনি হায়বৈ মোনখাংলম্বী কৌনখি।

১৯০। মরাম ঃ পোইরৈতোন্না ইল্লিবা ফিবু লাইনাওতাবীনা য়াল্লদুনা পাইরগা চীং অঙম্বা কাখিএ হায়বদৈ মরাম কৌখি।

১৯১। মরিং খুনবিরোক ঃ খাম্বী মৈ লিংদুনা ঙাইরম্লী হায়বৈ মৈরিং কৌনখি। মফমদুদা মরিংনা খুন্দারকখি হায়বৈ মরিং খুনবীরোক কৌনখি।

১৯২। মোংবহনবা উমং ঃ পান্থোইবীগী মবুং মোংহনবনা উ তাদুনা থল্লিবা উয়োক কোলবু মোংবহনবা উমং কৌখি। পামহৈবনা হনুমান মুর্তি শারগা লাইশঙদা লাৎখিবদগী মহাবলি উমং কৌনখি।

১৯৩। লফুপাৎ ঃ লৈমা লাইরেমফাবীনা মশাবীগী হকচাংদি চংবী লফুগুম শিনা ফংলে হায়বদৈ লফুপাৎ কৌনখি।

১৯৪। লমফেল ঃ লমফেলহনবা লমফেলখুবী মতৈ মনাওগী খালৈ লৌতাফমনি হায়দুনা লমফেল মপিলৌ কৌনবদৈ লমফেল কৌনখি।

১৯৫। লমফেল কুমদমশোই ঃ চহী খুদিংগী কুমগী পোং লাকপদা লেমলৈ ঙা কা–অকুম ফাদুনা শোই চাই হায়বদৈ লমফেল কুমদমশোই কৌখি।

১৯৬। লম্মাংদোং – অহোং কুম্মেদা মীয়াম্না শরিক খিংদুনা লাউ খোংদুনা হরাওবদা লমদু য়াম্না লাংঙি হায়বদৈ লমলাংদোং কৌনবদৈ লম্মাংদোং কৌখি।

১৯৭। লমলোংগৈ ঃ ফওইবীনা ইল্লম্বদা লু–াং খাবা তুগদবগী লোংনা নিক্কুনা খাঙই হায়বৈ লোং–নিক হায়নবদৈ লমলোংগৈ কৌখি।

১৯৮। লাংজিং ঃ থাঙ্গা কম্বোংনা লাংলম্মী হায়দুনা লাংবচীং হায়নবদৈ লাংজিং কৌনখি।

১৯৯। লাংথবান – সেলোই লংমাইনা চুংবু লাংকোই । লাং তারম্মী হায়দুনা লমলেন লাংতাবা হায়বদে লাংথবান কৌনখি।

২০০। লানশোনবী ঃ কৌবা অঙাংঙানা মখুৎসু তাবু খুবাক তিল্লাই মেনা লম্মখাংদা লাইরা শা হুয়েল লানবু ওক্লগদ্রা হায়না মচিন্দা শোন্না শোন্না কেগে মোইরাং পাংলকই হায়বৈ মফমদুবু লানশোনবী কৌখি।

২০১। লিলোং ঃ শাগী মখোই মরিল লোংই হায়দুনা মরি-লোং হায়বদে মফমদু লিলোং কৌনখি।

২০২। লৈশাংখোং ঃ লৈশাম্বনা তৌবা খোংনি হায়দুনা মাগী মমিং লৌপগা লৈশাখোং হায়বদে মফমদু লৈশাংখোং কৌনখি।

২০৩। লুৱাংই ঃ লুৱাংশিংনা ওক্তুনা ঈ হায়না শোল্লম্মী হায়বৈ লুৱাংই কৌখি।

২০৪। লৈতাং ঃ ঈপাকথক্তা সেলোই লংমাই মীয়াম্না তাক্লা উরে হায়দুনা লাইজ তাক হায়বদে লৈতাং কৌনখি।

২০৫। লুৱাংশংবম ঃ লুৱাং সলাইগী কাংবুনা খুল লীংলগী মফমদুদা নিংথৌ ওইদুনা পালম্মী হায়বৈ লুৱাংশংবম কৌনখি।

২০৬। লোইজিং ঃ ফওইবীনা মতাশিংনা খোংনাং ময়াং লমদা চৎসি হায়না ৱা লোইনরম্মী হায়দুনা লোইজিং ৱা হায়বদগী মফমদু লোইজিং কৌনখি।

২০৭। লোক্তাক ঃ লৈশাপাম্বনা লুম্লুশুগী তাংজ লুরেন পুরগা মোইরাংগী ঙা ফাবশিংদা উত্তুনা নখোয়গী লুম্লুসু অথৌবদি ঐনা লোক্লে হায়না তাক্লম্মী হায়বৈ মফমদুবু লোক্তা কৌনখি।

২০৮। লোক্তাক ৱাংবরেন ঃ নিংশা স্বর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা থৱায় তৎকদবগুম ঈরানখি হায়বৈ লোক্তাক ৱাংবরেন কৌনখি।

২০৯। লিৱাপোক – তাংখম লিৱা পোকই হায়বৈ লিৱাপোক কৌনখি।

২১০। লাইকোই ঃ শা অনীবু লাইনা ফাগে খন্দুনা কোয়না তান্নে হায়বৈ মফমদু লাইকোই কৌনখি।

২১১। লোল্লাউবুং ঃ লোইবী হাওনা হোই লাউদুনা লৌ উবনি পাউখুমই হায়বৈ লোল্লাউবুং কৌনখি।

২১২। লৈমতাক ঃ য়োং ময়াম লৈরিবা থেলনি হায়না মখুৎনা থিন্দুনা লৈমা লাংহে থোইবীদা তাক্লম্মী হায়বৈ লৈমতাক কৌখি।

২১৩। লৈমখোং ঃ নুরা মখুজেং পায়রগা চিংবদা য়োইবু লৈমা খয়োই নিংবীনা খোংনা লাউনা কপ্লম্মী হায়বৈ লৈমখোং কৌনখি।

২১৪। লৈহৌ ঃ মৈনা তুম্মা চাকখিদুনা কোকয়েৎ লৈহৌদ্রে হায়না শোল্লি হায়বদৈ লৈহৌ কৌনখি।

২১৫। ললাম্বুং ঃ লান–লাউপুং থিল্লি হায়বগী পুং অদুগী মমিং লান–লাউপুং হায়নরমবদৈ ললাম্বুং কৌনখি।

২১৬। লাঙ্গোলচীঙ ঃ নিংথৌ লানবিচানা লোইবী চীংগী নাপোমদা তেমখোক্তুনা পালম্মী হায়বদৈ লাঙ্গোলচীঙ কৌনখি।

২১৭। লৈশাং হিদেন ঃ লৈশাংহনবনা নিংথৌ ওইঙৈ শা–ঙাশিংনা নুমিৎপু ইরাৎ থৌনিজৈ। ঈরাৎথিবা ঈরেলদুবু লৈশাং ঈরেল হায়নবদৈ লৈশাং হিদেন কৌনখি।

২১৮। ৱাইখোং ঃ ময়ানা চিকখাইবদা থোইবু ৱায়নুচাদি ৱানা লাউ খোংনা শিখি হায়বৈ ৱাইখোং কৌনখি।

২১৯। ৱাইচৈ অমশ্রাং ৱাইতোন ঃ অচেনবা শগোলগী লাংজন মৈতোল ৱাইরৈ হায়বৈ ৱাইদৈ কৌনখি। চেল্লিবা শগোলগী লাংজন মৈতোল –ইনা য়াম্লে হায়বৈ মফমদুবু ৱাইতোন কৌখি।

২২০। ৱাইরি ঃ য়াংকোক্তা চেংকুপ হাপ্লগা থেম্বদা শগোলনা চেংকুপতি চাদনা মচিন্না ৱাইখি হায়বৈ ৱাইরি কৌনখি।

২২১। ৱাংঙু ঃ লৈশাবী ফাদ্রিবী শাইনু নোংমা নোংমগী ৱাংবা হেনগৎলক্কে ৱাইনুগুম্লে হায়দুনা ৱাইনু হায়নবদৈ মফমদুবু ৱাংঙু কৌনখি।

২২২। ৱাংজিং ঃ খ্বাই নোংজেংবম পীবানা তাউহ্রেং অহনবগী শগোলগী মখাদা পান্দুনা ৱাংনা চাউনা চীংমায়গুম চুথরকই হায়বৈ ৱাংচীং (ৱাংজীং) কৌনখি।

২২৩। ৱাখা ঃ কোয়াং ৱা পান্বী ফুত্তুনা থারম্মী হায়বৈ ৱাখা কৌনরম্বদৈ ৱাখা কৌনখি।

২২৪। ৱাইথৌ ঃ খুমন ইপা–ইপুগী লমদা করিগী চমলৌ য়েনশাং হেকপা লাকলিবনো হায়না নোংয়াই লিকমন লাম্থবনা শাউদুনা তান্নবদা মশম মনা ৱাইনা থৌনা ফারম্মী হায়বৈ ৱাইথৌ কৌনখি।

২২৫। ৱাবগাই ঃ অফাবা ঙায়ামদু কোরৌ মৈশা লাংলদি পুম্লদি থন্দুনা তমফা ৱাংঙমলোই পান্থোইবীনা ৱাপুম খাইরগা ঙায়ামদু খল্লম্মী হায়হৈ ৱাবগাই কৌখি।

২২৬। ৱাংখৈ ঃ তাইবংমীনা কুরু লৈত্রে। মফম কৈদা চৎখ্রে হায়না

অৱাংবদা কাখত্তুনা থিবদা কৈদুপুংদা লোত্তুনা লৈবদু উরবদা মীয়াম্না ৱাংনা ঘৈনা উখি হায়বৈ মফমদুবু ৱাংখৈ কৌনখি।

২২৭। ৱারোইটীং ঃ খুন্দাগে খল্লদুনা নুংবান মপামচা লুৱাং ময়েল্লু পুন্নমক কৌরগা ৱারেন ৱারোইনখি হায়বৈ ৱারোইটীং কৌখি।

২২৮। শগোলমাং ঃ অয়াংবা শগোলবু ফাগদবগী তান্নরকপদা মফম ঈখঙ খঙহৌদনা মাঙখি হায়বৈ মফমদুবু শগোলমাং কৌনখি।

২২৯। শগোলবন ঃ নিংথৌ খোঙনেৎশাং শগোলদু লোত্তুনা থম্নবা থৈবদা মতম খরা পল্লম্মী হায়বৈ শগোল পল হায়বদৈ শগোলবন কৌনখি।

২৩০। শিংজমৈ ঃ শিংনাং মপুল পুন্দুনা পৈরম্মী হায়দুনা শিংজা-পৈ হায়বদৈ মফমদু শিংজমৈ কৌনখি।

২৩১। শঙ্গোমশঙ ঃ শঙ্গোম শুন্বী ষণবী ময়াম থম্নবা সাবা শঙনি হায়বদৈ শঙ্গোমশঙ কৌনখি।

২৩২। শঞ্জেলথোং ঃ ষণ শেনবা চৎপদা লান্নবা শাবা থোংনি হায়বদৈ শঞ্জেলথোং কৌনখি।

২৩৩। শন্দংখোং ঃ মোইৱাং নিংথৌনা মীচম শানা শন্দং পুদুনা লাক্লগা অহিং লেক্লম্মী হায়বৈ শন্দংখোং কৌনখি।

২৩৪। শওম্বুং (অৱাং শওম্বুং) ঃ মীয়াম য়েংন্নবা শওমবু পুং মথক্তা পুল্লি হায়বৈ শওম্বুং কৌখি।

২৩৫। শওম্বুং (মমা ওইনাম শওম্বুং) ঃ তুরেলগী লৈরাইদা হৌবা চরোৎ হাবুংনা পল্লবদা শওম পল্লে হায়দুনা শওম-পল হায়নবদৈ শওম্বুং কৌনখি।

২৩৬। শামুরৌ ঃ য়াংদৈনুনা ইথংলেন্না ইকাইজাদবগী শরুকপুদি য়ুনা ৱাংলে শানা মোরে হায়বীয়ু হায়জবদা ময়াম্না য়াবিরদুনা শানা মোরে হায়না ঙাঙনবদগী শামুরৌ কৌনখি।

২৩৭। শিখোং ঃ ফৌওইবীনা কোংনা কোংনা য়েংলম্মী হায়দুনা শিংকোং হায়বদৈ শিখোং কৌনখি।

২৩৮। শিংথা ঃ শাবী শানৌশিংনা শিংনাং মতাং থেক্তুনা শিংথানরম্মী হায়বৈ শিংথা কৌখি।

২৩৯। শুগনু ঃ ঈশিং শোক্তুনা পুরকপদা লম্মখাংদা য়ুদুনা কংশ্রবদা অমুক হন্না চৎলগা ঈশিং শোক্লুই হায়দুনা শোককু হায়বদৈ শুগ্নু কৌখি।

২৪০। শেক্তা ঃ শগোল মশেক তাদুনা চেনবা হৌমদদুনা ফাই হায়বদৈ শেক্তা কৌখি।

২৪১। শাইকুল ঃ শাইথংবু খুলগী নিংথৌ হাপ্তুনা খুলবু শেমগৎ শাগৎহনখি। মাগী মমিংদৈ শাইকুল কৌনখি।

২৪২। শেরৌ ঃ লাইনাউতাবীদা পোইরৈতোন্না মখোয়নিনা লন্থীদা থেংনখিবা লোইবী তোংথিলপুং মরেম য়াংহনচীংদু অসিনি হায়না মখুৎ থিন্দুনা তাক্লমই হায়বৈ শেরৌ কৌনখি।

২৪৩। শামুককোন ঃ পুরগা শা শন লোৎপগুম লোৎলম্মী হায়বৈ শামুককোন কৌখি।

২৪৪। শললান ঃ পুন্দুনা থম্বা কাঙ ষনমানবী থৌরি থদৎলাগা লান্দুনা চৎখি হায়বৈ শললান কৌখি।

২৪৫। শেন্থী কবোকপুং ঃ কবো লম্মীগী অক্কপা মকোকশিংদু পুং শানা পৈদুনা থনম্লী হায়বৈ শেন্থা কবোকপুং কৌনখি।

২৪৬। শোমসোক মাক্লং ঃ তুরেলগী ঈশিংগা তুরিংপিগীগা শোক্লবগুম তিন্নরে হায়বৈ মাক্লং নমশোক কৌনবদৈ শোমসোক কৌনখি।

২৪৭। শঙাইপরৌ ঃ মচানুপা মীঙম্বনা শাদানবদা মপানা ওনবা শঙাইনি মঙদবদৈ তানা থিন্দুনা ফারে। শঙাই ফাবা লৌফম শঙাই ফারৌ হায়নবদৈ শঙাইপরৌ কৌখি।

২৪৮। হনজিং ঃ লুরাং খুমী খুদাংদা শীং চনবদা শিংজং কাউরমদুনা অমুক হল্লুই হায়বৈ হনজিং কৌনখি।

২৪৯। হাওতাক ঃ খুমনগী পাখংশিংনা লৌতুনরগা শিংজংখোক্লা থাদুনা শমল কোন্থৌজাম্বনা শিখিবা মফমদুবু অসিনি হায়না তাক্লম্মী হায়বৈ হাওতাক কৌনখি।

২৫০। হিয়াংমাং ঃ ঙাঙোই য়োইমোংবগী হিয়াং নাপলথোংদু নুঙ ওন্দুনা মাঙখি হায়বৈ হিয়াংমাঙ কৌনখি।

২৫১। হিয়াংলম ঃ হিনাও ওন্থোক্লবা হিদু লৈরাইদা হোনজীল্লকপদু উবদা মীয়াম্না হিয়াং হিলম শোইরে হায়না লাউনখি হায়বৈ হিয়াংলম কৌনখি।

২৫২। হিয়াংথাং ঃ পামহৈবনা কংলা মৈহৌরে তাবদা মানা তোংলম্বা হিয়াং হিরেনু লৈরাইদা থাংনম্লগা শগোল তোংদুনা কংলা পাংখি, হিয়াং হিরেন ইশমচাইববু থাংলম্লী হায়বৈ হিয়াংথাং কৌনখি।

২৪০। শেক্তা ঃ শগোল মশেক তাদুনা চেনবা হৃমদদুনা ফাই হায়বদৈ শেক্তা কৌখি।

২৪১। শাইকুল ঃ শাইথংবু খুলগী নিংথৌ হাপ্তুনা খুলবু শেমগৎ শাগৎহনখি। মাগী মমিংদৈ শাইকুল কৌনখি।

২৪২। শেরৌ ঃ লাইনাউতাবীদা পোইরৈতোন্না মখোয়নিনা লম্বীদা থেংনখিবা লোইবী তোংথিলপুং মরেম য়াংহনচীংদু অসিনি হায়না মখুৎ থিন্দুনা তাক্লমই হায়বৈ শেরৌ কৌনখি।

২৪৩। শামুককোন ঃ পুরগা শা শন লোৎপগুম লোৎলম্মী হায়বৈ শামুককোন কৌখি।

২৪৪। শললান ঃ পুন্দুনা থম্বা কাঙ ষনমানবী থৌরি থদৎলাগা লান্দুনা চৎখি হায়বৈ শললান কৌখি।

২৪৫। শেম্বী কবোকপুং ঃ কবো লম্মীগী অক্কপা মকোকশিংদু পুং শানা পৈদুনা থনম্মী হায়বৈ শেম্বা কবোকপুং কৌনখি।

২৪৬। শোমসোক মাক্লং ঃ তুরেলগী ঈশিংগা তুরিংপিগীগা শোক্লবগুম তিন্নরে হায়বৈ মাক্লং নমশোক কৌনবদৈ শোমসোক কৌনখি।

২৪৭। শঙাইপরৌ ঃ মচানুপা মীঙম্বনা শাদানবদা মপানা ওনবা শঙাইনি মঙদবদৈ তানা থিন্দুনা ফারে। শঙাই ফাবা লৌফম শঙাই ফারৌ হায়নবদৈ শঙাইপরৌ কৌখি।

২৪৮। হনজিং ঃ লুৰাং খুমী খুদাংদা শীং চনবদা শিংজং কাউরমদুনা অমুক হল্লুই হায়বৈ হনজিং কৌনখি।

২৪৯। হাওতাক ঃ খুমনগী পাখংশিংনা লৌতুনরগা শিংজংখোক্লা থাদুনা শমল কোম্থৌজাম্বনা শিখিবা মফমদুবু অসিনি হায়না তাক্লম্মী হায়বৈ হাওতাক কৌনখি।

২৫০। হিয়াংমাং ঃ ঙাঙোই য়োইমোংবগী হিয়াং নাপলথোংদু নুঙ ওন্দুনা মাঙখি হায়বৈ হিয়াংমাঙ কৌনখি।

২৫১। হিয়াংলম ঃ হিনাও ওম্থোক্লবা হিদু লৈরাইদা হোনজীল্লকপদু উবদা মীয়াম্না হিয়াং হিলম শোইরে হায়না লাউনখি হায়বৈ হিয়াংলম কৌনখি।

২৫২। হিয়াংথাং ঃ পামহৈবনা কংলা মৈহৌরে তাবদা মানা তোংলম্বা হিয়াং হিরেনু লৈরাইদা থাংনম্লগা শগোল তোংদুনা কংলা পাংখি, হিয়াং হিরেন ইশমচাইববু থাংলম্মী হায়বৈ হিয়াংথাং কৌনখি।

২৫৩। হুইকপ ঃ চেন্না-চেন্না লম্বীদা য়াংলৈ তাউবা হুইনা অনৌবা খোন্থাংগা লোয়ননা কপ কপ্পুল চেল্লি হায়বৈ হুইকপ কৌনখি।

২৫৪। হয়িংখোংবান ঃ মোইরাংগী হয়িংবা হয়িংবী অনীনা লোৎলম্বা খোংনি। মখোয়বু মফমদুদা ফাখি হায়বৈ হয়িং খোংবাল কৌনখি।

২৫৫। হৈকক ঃ শগোলবু ফাদুনা পাইজনা মখুজিল মশা ককথৎলি হায়দুনা শবককবা হায়নবদৈ হৈকক কৌনখি।

২৫৬। হৈঙাং ঃ হাউরৈমা পীদোনু মপন্না পীরকপা অঙাংবা হৈদু মশাবীগা হৈঙাং হৈতংমিন্নরম্মী হায়বৈ হৈঙাং কৌখি।

২৫৭। হৈরেল ঃ লান শোক্লবদা লান ঙমদুনা হল্লকপদা লম্মখাংদা মৈতৈ নিংথৌ মনাইশিংদা হৈ য়েন্দুনা পীজরম্মী হায়বৈ হৈয়েল কৌখি।

২৫৮। হৈরোক ঃ খুমন কদাং লাইরবগী ফিগাউদগী তাউদিং হৈরাংদু হৈদোকখি হায়বৈ হৈরোক কৌনখি।

২৫৯। হাওবম মরক ঃ লোইবী হাওনুবী ফুমবদগী লমলেন হাওফুম মরক হায়বদগী হাওবম মরক কৌনখি।

২৬০। হৈরাংগোইথোং ঃ হৈরাংগোই উনা শাবা থোংনি হায়বৈ হৈরাংগোইথোং কৌনখি।

২৬১। হাওখ্রমপাৎ ঃ লোইবী হাওনুবী শাদুনা হাওফি শেত্তুনা জম পুরগা পাৎ শন্নগা চৎখি হায়বৈ হাওখ্রমপাৎ কৌনখি।

২৬২। য়োংলান ঃ খুয়োংনাউ শাথিববু মখোং মখুৎ পুল্লগা উগী কারোংদা য়াল্লম্মী হায়বৈ য়োংলান কৌনখি।

২৬৩। য়াইরিপোক ঃ পান্থোইবীনা হৈরি পাম্বী থাবদগী য়াইপি ময়ামসু পোকখি হায়বৈ য়াইরিপোক কৌনখি।

২৬৪। য়াওরৌ ঃ কৈ উবদা মচিন মৌপানা য়াওরৌ শাসে ওম্থোক্লা চাওখ্রেদকো হায়না ঙাঙন ঙাঙনাদুনা চৎলি হায়বৈ য়াওরৌ কৌখি।

২৬৫। য়াংলৌ লৌচিনবান ঃ মশানৌগী মপুক্লিংদা ব্রারৌদুনা য়াংলৌ লম্বীদা চিনবান মকা লাম্না মশাবীবু মরৌ লৈমানে হায়না পন পন্নদুনা চৎখি হায়বৈ য়াংলৌ লৌচিনবান কৌনখি।

লোইরবা

IRABOT NINGTHOUJA

Father's Name : (L) N. Mangi Singh
Mother's Name : N. Ibempishak Devi
Address : Chingmeirong Maning Leikai Imphal
Date of Birth : Ist February, 1955
Educational Qualification : PUC
Meitei Puya Guru : M. Chandra Singh

অইবগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংঃ

১. ইমোইনু অহোংবী
২. ফৌওইবী লাইরেম্বী
৩. সনামহি মীখ্বৈ লিশিং অমা
৪. লৈমরেন মীখ্বৈরোন
৫. পান্থোইবী মীংখৈরোন
৬. ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা
৭. সনা[illegible] ফম্বাললোন
৮. খুমন লম্পাক পুৱারী
৯. সনামহি লাইহুই
১০. চাউখোঙ হীদেন মরু
১১. লাইরেম্বী নোংকারোন
১২. নোংকুম নোংকারোন
১৩. মীতৈ নট পালা
১৪. সলাই অপোকপা
১৫. সাগৈ অপোকপা
১৬. সাকৈ অপোকলোন
১৭. ফুঙ্গা ৱারী
১৮. পান্থোইবী লিক্লাং
১৯. লুহোংবা নুমিৎ
২০. জ্যোটিশকী মীওইবা
২১. মণিপুর লম্মিংলোন পাফন
২২. খুবাক ময়ি য়েংবা
২৩. মীতৈ ময়েক মপি লাইরিক
২৪. কৌব্রু চীঙ্গোইরোন ৯
২৫. লাই হরাওবা
২৬. সলাই পাফন অসুবা
২৭. সাগৈ সলাই য়ুমদারোন
২৮. কংলা থেল্লোন ১৪০
২৯. য়ুমশারোন
৩০. য়ুমলাই খুরুম্বা
৩১. মনা মশিংনা লাইয়েংবা
৩২. ঈশিং পুকচং
৩৩. নুংশঙ লাইয়েং
৩৪. পেনা শৈশকলোন ৯
৩৫. লাইনিংথৌ থৌনিরোন
৩৬. কংলা শা পুৱারী
৩৭. শজিবু চৈথারোন
৩৮. পীশাতাও পুৱারী
৩৯. কংলা থেলোন ১৪০ ৱাঙুরোন
৪০. ৱাংব্রেন খুন্থোকলোন
৪১. কৌব্রু থেলোন
৪২. থাংজিং ফম্বাল্লোন
৪৩. তোলোংখোম্বা ফম্বাল্লোন
৪৪. লোয়ারাকপা মরানলোন
৪৫. মারজিং খুন্থোকলোন
৪৬. কংলা মেন
৪৭. মেরা চাউরেন হৌবা
৪৮. সলাই ৭লৈঙাকলোন
৪৯. লাইবুংথৌ ৯ লাইনুরা ৭
৫০. কংলৈ মাইচৌশিংগী পুৱারী
৫১. মীতৈ থৌরমলোন অসুবা
৫২. কংলৈপাক্কী মৈহৌরোল্দা কংলা
৫৩. লাই হরাওবা ৱাঙউলোন
৫৪. সালই মীখ্বৈরোনশিংকক
৫৫. পাখঙবা থৌখাইরোন
৫৬. লাইনিংথৌ থৌনিরোন
৫৭. [illegible]
৫৮. খুবাক ময়ি য়েংবা অমসুং পক্লবা নুঙ তাকপা
৫৯. মহৈগী লাইরেম্বী শিললৈম
৬০. মৈতৈ য়ুমশারোন

→ লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন

Rs.200/-

ISBN
978-81-923222-8-5